


"মুংখিনি নোংমদি পুন্সিনা থমখ্রবদা
পুন্সিনা মমী শান্নমদাই পুরিংস্নু হন্নকই
নিংজরম্বা আশা পুম্মক কায়রক্লবদা।'

শান্তিকুমার

ফোংজবী :

কুমারী থোকচোম বীণা দেবী

শিংজমৈ থোকচোম লৈকাই, ইম্ফাল।

অহানবা ফোংবা : ডিসেম্বর, ১৯৯৩ ইং।

লাইরিক মশিং : ১১০০

মমল : লুপা ১৫/- (তরামঙা)

লাইরিক নম্ফম :

লক্ষ্মী প্রিন্টিং প্রেস, নাগা মপাল, আরঃ এমঃ সিং রোড,
ইম্ফাল-৭৯৫০০১

" খুদোলপোং "

থোকচোম ওংবী ‘তোম্বী দেবী,
নহাক্কী নফমদা করিগুম্বা অমত্তা,
ঐনা পীবা ভমহৌদ্রে ব্রারৌগনুকো ;
চম্বা ঐগী লাইরিক মচা " মৈচাক "
খুদোল ওইনা পীরবনি নংঙোন্দা,
নহাক্কা লংনদনা লৌশিল্লুকো ॥

নহাক্কী :
শান্তিকুমার

মামী

নোংমগী নুমিদাংৱাইরমনি, নুমিৎনা চিংয়া থাংলকপা মতম্নি। তারমদাই নুমিৎকী ঙাঙানবা মচুনা চিংযা-তময়া, লৌবুক-লম্পাং, য়ুম কৈ, উ ৱা পুম্নমক অঙাংবা মচুনা লৈতেংখ্রে। মতম অসিমক্তদা লুনা চান্না তিন্নজবা মরুপ অমনা "ঙসিদি কোয়থোকলুসি" হায়দুনা ঐবু হৌবা লাক্লমই। 'ঐস্নু ঙসিদি চথোকনিংদুনা লৈরমলিবনি' হায়দুনা ঐখোয় অনি মমাং সোরোক্তা থোক্লগা মখাপানা ইম্ফাল তুরেলগী ঈচেল মতুংইন্না তপ্না তপ্না অসুম হায়থরক্তুনা শীজমৈ কৈথেল লাম্থোক্লগা, অমুক তুরেল মপান্দা চংথরক্তুনা সপম লৈকায় লাম্থোক্লগা ওক্রম লৈরক মপা য়োরকলে।

মহৌশানা অমুক্তা ফাওদোক্তুনা থেংনকপা লৈরক নত্তবনিনা, খংনিংদুনা মনিং সোরোক তানবা ফাওদোবগীসি হায়দুনা লৈরক অদু ফাওদুনা লাকপদা, লৈরক্কী তঙাই চল্লকপা অদুৱাইদা ইথোল অমগী মতোন্দা, পুখ্রি অমগী ময়াদা কনাগুম্বী শকহেনবা অমা সনাবুন অমা ঈশিং থন্না পুখ্রিদু'দগী শোক্লগা ময়ুংলোমদা চংগে তৌবমক্তদা থংহৌদনা মিৎকা মিৎকা চানরুদুনা, মহৌশানা ইকাইথিবী নুজা ওইবনা নাকন্দা য়েপলিবা সনাবুন অদু লৈমাইথক্তা থংহৌদনা খথা থাদরমই—মমাই শোনবী, ইকাইথিবী নুজা ওইবনা মরাল্ন লৈজদ্রবা সন বুন অদু পুখ্রি মপান্দা হুন্দোকপীরম্লগা ময়ুম তান্না চেনশিনখ্রে। মরুপকা ঐখোয় অনিস্ন ইঙক ঙক্তুনা মনি সোরোক তারক্লে, সনাবুন অদু নাকল নাম্না ইকোপ কোপ্লুনা ঐখোয়বু চিনা চিংনা য়েংদুনা অদুম লৈহৌরে।

ইনশংল্লকপা য়োবনগী মপুং ফারবা মতাং ওইবনা নুমিৎ অদুদগী মশা নাংদা খুবা হায়বদু ওইরমাল্লে—হন্দনা ঙম্লক্তে।

ওন্থোক্নস্ন ফজখরেদা, পুন্নিমা নুমিৎকী লৈচিন নো ফাই থাংদবা মতমদা মনিং লম্না থোক্লকপা মপূং ফাববা থাজ মানা ৈবদৌনি। লৈখোক্তা মকা ফন্না ফুগ ইনা শাংকাইববা অথোনবা অদোব-গুনাপ্পস্ন হেনবা •ৎলমদে• এগী মীৎনা শোংবনবা খদ্রে। খন্না খন্না যুম্ন যৌবক্রে, মকপ অতুস্ন থে জিল্লক্লতুনা ময়ুমদা চংখ্রে। মীী কাদা ইতে মতা ভাইবে কনাগস্ন ব্রবী শন্ননিংঙ ই গাদবনিনা কি ভেল মাগী বাখল খংব হৌবলে। নুজা মাগা চেংনকব নুমিৎ অতুগী অহিং অতু তুম্বা গুবয়া য খিদে, লোংঙ লগা থওইনা লুনা চান্না। তিন্নজবা মদপ অতুগী যুমদা চন্নুনা 'ইব'গী উম্নখিবা মী অতুগী মংমুমদা নুংদিংবাইবম অস্ম কোইকুসি' হায়নুনা তোকবে; মকুপনস্ন য়াবতুনা এখোয় শনিলাক্লুনা মীগী মযুম অতুগী জুরি •য় দা হুকচাং অস তনিক তনিরা লেপ্ঃরে। কোই-থেক কোইশিনগী মনিদা গ্যান হায়ফেং হৈববা মকপ তমা ওইবনা মা লাবই খনবা "অহম অহম" আনংব অমন্নক তৌবনা মতুদা উচিন নান্না নিংঙলা ওইবা মহক্লা ফক অনা পুখোক্লন্নুনা মখা থবা মঙ্গোঙগী অবোইবা দবী মযদা থারম্নগা ইমুদা চেনশিংখ্রে।

এখোয় তনি ব্রাবী শান্নতুনা ফমলিইদা অমুকস্ন হিদাক ও ম্বক অমগা শারৈ অনিগা পুথোবক্লুনা এখোয়গী ইনাক্তা থম-হম্নগা অমুক চংখে। মীগী মাঙ্গোল অতুদা ৈনা খংনিং নিংশিং-লবই—নহালব্রাই তুবেল ঃপান্দা নিংথম থগী নুংদাদা লৈপুং ফম্বা মতমদা, অহলশিংগা মৈ তিক্লুনা ফগম্নিরিইদা হায়খিবা বা খরা— " করিগুস্ন, লৈশাবা কোইবা চৎপদা মানা থারম্বা ফক্তা ফম্নিইদা হিদাক শারৈনচিংবা পুথোরক্লনি—মতুদা হিদাক্তা হান্নিবা তিকি অতু থমুন্না থাতুনা পুথোব্রক্লবদি থুনা চৎখ্রো য়েংনিং-দে হা বিবানি, অতুগা মচিদা খজিক্লং হাবরিবা তিকি অতু চুহুনা

পুথোক্লরবদি কুইনা ফমখো হায়রিবনি " হায়বদা থংনিং নিংশিংনকই। ঙসিগী সিদি মদো খজিক্কমক থারা। পুথোরকপনিনা খর কুইনা ফম্বম্ম য়াগনি হায়বসি ভশেংনা থংলে। অদুবু ৱা অমা অনিদং হায়দুনা যেংনিংবনি, হকচাং শাসি নিকথিবনা ৱারী ৱাতাই শাবা ঙনগনিসু থাজদ্রে, পুংখাইসুক্লং ফম্লুগা মরুপ্তো ঐখোয় চৎলসি হায়দুনা—" ঐখোয় চৎচরগে " হায়রম্লগা ঐখোয় অনি পুনা য়াংনা অদুম থোক্লকে।

নোংম নোংগী মাগী কাওংদ্রবা শক্তম অদু নিংশিংদুনতা লৈপাক্না নিনি মরক হুমনি মরক্তা তোইনা তোইনা চৎশিল্লক্লে। মানা ৱারী শান্নবা মতম পীবনিনা ফোংদোকনিংবা ৱাহৈ মচেৎ মচেৎ কয়ানা মপুম ফারক্তুনা থম্মোয়গা শম্মোয়গা তিন্নদুনা হুংশি পরৈ পুনমিন্নদুনা পুন্সি'সিমগী তৎনখানবা লৈতনা পুন্সিগী লৈপুল ওইমিন্নরসি হায়বা য়াম্নরদুনা থা অদুম মরি চুপনা ৱা ঙাংনরবা মতুংদা ইশা ইশা য়ম্নদুনা নোংমদি অফবা নুমিৎ অমা য়েংলগা য়ুমদা পুরকখি, নুংশি পম্ফম য়োৌমিন্নখি। অৱাবা কয়া নুংঙাইবা কয়াগা লোয়ন্নবা চহি কয়ামরুম পম পানমিন্নরবা মতুংদা, ইখং খংহৌদনা শাথিরবা অনাবা অমনা বন্না নাশিল্লক্তুনা মতম খরা লায়কনখিবনি। অঙম্বমথৈ মাইবা মাইবী ডাক্তর কয়া মরুম তান্নদুনা মথৱায়দদি কননবা হোৎনজখিবনি অদুবু মরাইবকথিবী অদু মশাগী মপুন্সি তেল্লকপা হায়বদু ওইরমাল্লে—লাইবকথিবা ঐবু হুন্দোক্লম্লগা মিকুপ্তা সংসার অসি থাদোক্তুনা চৎখরে।।

অসিগীস্ত মথক্তা অমুক্তা মমাগী ফিরোই লোইবতা ঙাইরিবৈঙদা অঙাং অতোনবগা থংনবা পাখং ৱাই ৱাই ফাজরক্লবা অমসু, **P.U.C. 2nd year** গী চহিগী অরোইবা পরিক্ষা পীগ-

দোবগী লাইরিক কন্না পাজতুনা লৈরিঙৈদা **Heart Attack** তৌদুনা, মাইবা মাইবী ডাক্তর, হোসপীতালনচিংবা অমত্তা নংহৌদনা খুদক্তা লৈখিদ্রে— মমাগী মতুং ইনাথ্র। কোকথক্তা বজ্র, তারবপগুম্না অকনবা ঙৈচাক পৃদুনা ঐনা ইশম ইনা ইফা ফারদুনা, ইকোই ইরাং ইঢোম চেম্লদুনা সে'বোক য়াংবিপক্তা কোইচেং চংদুনা শিবা ঙাইদুনা লৈরি—চহি খুদিংগী অশি তনা থোক্লগবু কনানা খাংদুনা লৈবা উমগদাগে। অভাওবা হায়বদু ঐ ওইরে। মকুপ মপাং, খংনা চান্নবা মরি মতাগী যুমদা চত্তুনা পৈশা নিকনস্ত্ত হঙ্গোইবা লৈত্রে, লমখাংদা খংনা চান্নবা থেংনবদা পৈশা খজিক্তা পীরম্মু হায়বগীসু ইকায়বা খদ্রে ঐ অসি শিজং খিবদা মতিক চাববা মীওই অমা ওইবে। ঐ অসে করিগুম্বা মীনা বা বহার তৌবিরম্বা মীওই অমগুম ওইজরগনি। মতম অমদা মীনা শিংথাবীরম্বা মীশক অমা ওইবতা নত্তনা মরাইবক থিরবা মীওই কনাগী মতেংসু য়াম্না পাংজখিবনি। অদুবু মীওইবগী লাইবক ভম্বা ওমদে, অসি ওইনি হায়নি ঙাই লৈতে। খংহোদে অমম অঙন শিন্নবগা চপ মান্নখ্রে।

রাহৌদোক

শোক ১৯৫৩ গী জানুৱারি থাগী লোইশিল্লকপা অতুৱাইদা মতম খরা মরি লৈনরবা মতুংদা মশা ইশা য়ান্নতুনা য়ুম পানবগী অশ্রমদা সংসার অসিদা খোংদামিন্নখি। য়ুম পানমিন্ন- রিভৈগী চৈরক অসিদা অবাং পোৎশংবমগী মনুং চনবা "কৈকোন" হায়না খংনবা থুঙ্গং অমগী মনুংদা য়াম্না হেংই, চাওই হায়তুনা ইখোল অমা লৈশিল্লুরগা—হায়রিবা ইখোল অসিগী মনুংদা ইংখোল শংতুনা লৈনবা কাবক কাবকপা শঙ মচা অমা শারগা লৈতুনা মতম মতমগী থাবা য়াবা মহৈ মরোং মনা মশি, থাতুনা ইখোল কেংয়তুনা য়াম্না শান্তি ওইনা লেনগিন্নজরকপনি।

নোংমদি মহাক অদো পাখৎতুনা লাক্লখি ইশানকস্ন ইখোল অতুদা লৈতবা নুমিংনি, ইম্ফালগী য়ুমদা করিগুম্বা অমগী লাকপা নুমিৎনি মতোমতা ঙাইহৌবনি। লম অতুগী খাম্বাং লৈমিন চামিন্নবা ময়াম চংতুনা তোৎনরবা ফাওবদা মশা অতু খংহৌদনা নাশিল্লকপা অতুদা য়ুমদা পুথরসি হায়তুনা য়ুমদা পুথরকখি। য়ুম য়োরবা ফাওবদা অনাবা অতু অস্নম অস্নম হেনজিল্লকখি। অখং অহৈ মাইবা মাইবী ডাক্তরনচিংবা তাক্লতুনস্নু অরেপ্পা ওইখি। নোংমা নোংমগী অস্নম অস্নম হেনজিল্লক্কনা মগী মতম অতু য়োরক্লতুনা নোংমদি ইখং খংহৌদনা সংসার অসি থাদোক্কনা ঈশ্বরগী খুয়া তানখ্রে।

নিংঙমহৌড্রবা ঐগী পুন্সি অসি নোংম নোংমগী চাকলক্কনা লৈক্কম চাকম খংলমদে অঙাওবা হায়বদু চপচানা ওইখ্রে। পুঙম- দ্রবা ঐগী থম্মোয় অসি বারতুনা অবাবা খজিক্কংদা ওইরবস্নু কোক্কমা খনবদগী "মৈচাক" কৌবা লাইরিক মচা অসি হৈবোই হৈতবোই

ইজখি। লাইরিক মা অসিবু ময়াম্না কোপী অমমমতং লৈবিরবদি ঐগী পুনসি অসিগী অবাবা শরুক খরা খরতা ওইরবসু য় বিরে হায়না খনজগনি।

কনাগুম্বা অমত্তগস্ সত্তম্নাজবগী মতম ফংজখিদবনা, অখং অহৈ অমত্তস্ তম্নজহৌবা ফজহৌদ্রে বারৌবিগনু। জয় কৃষ্ণগী ভবতা থুনা হেক্তা ফোংজিনজখে। অদুগা থোইদোক হেন্দোক্না নুংশিজরবা ঐগী ইয়াম্বা শ্রীশারুবম ইবোবী সিংহ (Retd. S.P. Imphal) অমসু নুংশিজরবা মরূপ করাম বিরচান্দ সিংহ অনিনা লাইরিক অসিগী লেপ্পা-পাউদ, অমদি বননচিংবা শেমদোক শাদোকপীখি মসিগীদমক শিংবা উম্নরোইদবা লমন অমসু তোন-শিনজবর্নি।

লাইরিক মচা অসিমতং ফোংজবদা কনাগী ফমদগী মাতং অমদা লৌখিদ্রে - ঙ যত্তবসু ইকায়জন্না ইশনা তত্তমৈগে হোংনজন্নু'. ইচে-ইমৌ শাগৈ নাইতে, মরি মতা, মবপা-মপাং অমমদগী মতেংসু ফংজদ্রে। হৌজিক্তি তাংঞবা পোং লৈত্রবনিনে'রেগী মতামদা অবাব খরানি নংজখি। অদুবু লাই-রিক মচা অমা ওইহন্নগা পুক্কিদা লৈবা অবাবা বাংলা মপান অসি হাংলনা মালদা চাইথে কঙল্লবদি ঐগী অবাবা শরুক অসি খরগীমখৈদ হন্থখিগদ্রা। খুম্বদগী ফোংজখির্নি-পানিবিবশিংন' অরান অহুই পুম্নমক হাকপিগনি খঞ্জে।

অপোইবদা লাইরিক অসি নম্বগী মতাংদা চাওরবা থোদাং লৌবিখিবা, ইচা শকুবা লক্ষ্মী প্রিন্টিং প্রেসকী প্রোপাইটর, ডবলিউ. গুনেশ্বর সিংহনা নৈশা নুংশি গী বখল থইনা, খনবিদন, অমদি, প্রেস অসিদা শুবিবারবা শুবিবারবা পুম্নমক্স অবাংঅনা কয়া থাবদনা অপাবা মতমদা লাইরিক অসি ফোংননবা হোৎনবিখিবগীদমক পুনসি মমগী শিংবা উম্নরোইদব, চাওরবা লমনসু তোনশিনজরে।

অহৈবা

মৈচাক

(কৱিন্দ্রগী খল্লবনো খংজে)

নহাকপু কদাইদা লৈখ্রবনো,
ঐহাকপু খংথা পাদোক্লম্নগা,
পাক্রবা অতিয়াগী অকোয়বদা,
মচি অমদা উহন্দনা লোৎতুনা লৈরিব্রা ?
নত্রগা চাংজো নাইদ্রবা সমুত্রগী কাচিন অমদা,
থুপ্তনা উহন্দনা নুঙাইনা লৈরিব্রা ?
মফম কদায়দম্ব লৈব্রবা নহাকসে,
লৈরি হায়নে ঐগী খন্নোয় 'সিনদি :
ঐহাক্তা নংবু উবা ঙমদ্রবস্ব,
নহাক্নদি ঐবু উরমগনি খল্লি,
রাজকুমারী অনা ওইনা পোকখ্রবরা,
তিন কাংগী মরক্তা তিনখ্রব্রা ?
হে-চাম্নবী, অমুক্তদি হল্লকখো,
চাক্লিবা খন্নোয়সে মুখৎপিরমখো ।
অরোইবা লাক্রবদা,
অরোইবা পুংফম খর হোল্লমদাইদা
ঐহাকী খুৎ অনিসি পাম্নরভুনা
কংলবা খবাক্তা কোল্লভুনা,
চিম্নদি ঙাংথোকপা ঙমখিদবা,
ঐতনা খংই নহাকী পুক্লিং ।

মঙেক মতেক ওইবা ৱাহৈ থল্লা.
থম্মোয় শোক্লা অশ্রুনা হায়রমই.
" চান্নবা ঐনা থাজরম্না লৈগী চারশিং.
ইথোলদা মকম চাবা-য়েং য়েংজুনা.
মতমগী মতুংইন্না মরাংকাইনা শাৎলকনি।
অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ লাক্লুনা হুমদোকখিবন্নি য়াই.
অরেম্বদা লৈমাইথক্তা কেন্দ্রনা মাংখিগনি,
থৱাই য়াওনা নিংথিজনা. চেকশিন্না য়েংশিনবিয়কো।
হৈগী চন্না থরম্ন মকম চানা থাজরম্বনি.
মতমগী মতুংইন্না মতিক চানা মহৈ য়াল্লকনি,
পুক্নমক অদো থম্মোয় শেংনা শিন্নজরম্বনি.
হয়েং মথোয়গী মতম লাক্লগা মহৈ চারক্কনি।
মপুং ফানা ফজনা মমুন ফারবা কান্দা,
ঈশ্বরগী শেবাদা থৱাই য়াওনা কৎপিরকউ।
লৈরাংশিং অদুম্ন মতমগী নোংলৈ নুংশিৎনা,
অরেম্বদা লৈমাইথক্তা কেন্দ্রনা মাংখিবা য়াই.
পুন্নমক অসে; চান্নবা নংগী নকমদা,
পুকচেল শেংনা শোয়দনবা শিন্নজরম্মকনি।
লাইবক থিবী ঐদি মপোক 'সিমগী ওইনা.
নঙোন্দগী অরোইবা বিদায় লৌজরগে,
হৃয়েংমুক্তী মপোক্তা তেক্তা কাইদনা,
তৎনা থানবা লৈতনা মতম চুম্নদা,
লাইবকথিবী ঐনা সেবা অমৎক ফংজরগে "
ৱাহৈশিং অসি থম্মোয় শোক্লা হায়রম্নগা.
মিৎকুদগী পী মরিক মরিক শিম্বরগা,
ঐঙোন্দা মুমা য়েংম্নগা মিৎ উইশিনথরে.

মপোক অসিমগী ওইনা সংসারগী থাজোকখরে ।
মীওইবগী তেরবা পুন্সি অসি,
লাইজথকী কোম্মোলওয়ই ·হায়নৈ
করিগুম্বা মতমদা লৈরাংগম্ব চাংদমনৈ
মপু মাগী ফজখ্রবা খুংশেবনি ।
ঙরাংতা ফুগাইনা শাৎলম্বা লৈরাংসু,
ঙসিদি থাজদনা লৈমাইথক্তা কেলম্মে
পুন্নমক অসি মতম কৌবী লাইরেম্বী,
ইমা নহকী শোইফত্রবা খুৎশেমনি ।
ইমা নহাকপু তোপ্পবা নচা ঐহাক্না,
মতম লৈবা খিবিক্তা কিজে ।
" শকখং মাইখংনরকপা মুমিত্তগী ঙৌনা,
ঙসি ফাওবগী মপুংদা অরানবা কয়া, লৈথ্রবসু,
অপংবীনি থনবিছুনা লাইবক খিবী ঐবু,
ঝারোবিবা তৌদনা ঙাকপিয়ুকো, চাম্বা "
অরোইবা মতমগী বাহে মতেক খরা অসি,
অনৌবা ইনোৎ হোরক্লবসু থম্মোয়দা,
অমুক নোহোনা কাওবা ঙমগনি থাজদরে ।
হৌখিবা তেল্লবা পুন্সি অসিগী মপুংদা,
থাংবা ঙমদনা অরাবা কয়াসু ল্লেক্লে
থাজ ওইথোক্তনা থেংনখিবা থোদোক কয়াদসু
শুংঙাইবা কয়া অমসু য়াওথ্রে ।
·ঐনা হৌজিক তোগদোরিবসি করিনো ?
করি করম হায়না হায়রসিগে,
করম্মা লেনগনি সুংশিরবা ঐগী পুন্সি,
করম্মা খাংগনি চারবা থম্মোয়সে ।

মিংক্তি পী অসি তত্তনা তারক্লি,
করম্বা মতমদা থকখিনি খংদে।
নংগা ঐগগী পুন্সিদা থোকখ্রিবা,
কাওবা ঙম্নরোইদোবা থৌদোক কয়াদো,
মাংদা পরেং-পরেং লেপ্লরে।
হন্দকমুক্কী মপোক অসিদা অমুকহন্না,
কাওবা ঙমগনি হায়বস্থু থাজদরে।
চীং মান কয়া অমা চৎলহুনস্থ,
লমহাং কয়া অমা কোইরুহুনস্থ,
পাক মুথৎপা ঙমগনি থাজদরে,
নঙনা চুরম্বা কাইনবগী, কল্লবা মৈচাকসে।
নঙোন্দা ওৎখিবা কয়া অতুগী,
মতিক চানা লমন শিংলয়ে,
ওৎপনি হায়না নহাক্লা লৌখিবনি,
থাংভৈশেংবদি নঙোন্দা নাওথি শাজখিবনি।
অথেংবদা থোক্লিবা থাজ মাস্থ,
অহোইনবা নংগী নত্তে পাংলরে,
নংনা ঐবু থাদোক্তুনা চৎথ্রগ;
করিগী অমুক মংদা লাক্লিবা।
থৌদোক থাথোক কয়া উরগা,
কুম্মৈ ফিয়োং কয়া লাক্লগা,
থোইনা হেন্না চাক্লক্লে থম্মোয়সে
মপোক অসিমগী কাওবা ঙম্নরোই,
ঐস্থ ফজথ্রবা সংসার অসি থাদোক্লিংলক্লে।
মুথৎপা ঙম্নরোইদোবা চাক্লিবা মৈচাকসে,
অমুক্তদি মুথৎপিরমথোনে নহাকপু চান্নবী,

নোংমা নহাক্না তয়াং তশোইনা হায়খি৹
"ঐহাক সংসার থাদোক্লগে"
করিগীনো অপংবী তশেংনা হ'য়য়ু,
ননিং থুংদবা করি লৈরত্থুনা৹
ফজথবা সংসার অসি থাদোক্লিংলিবা
ঐগী ঙাকপিফম থোক্ত্রবা করম্বা ইরাল লৈত্থুনা
নঙনা করিগী অশুম্না হায়রিবা৹
অঙাওবী জ্যান য়াওদবী অমগী মতৌশুম্না।
মত্থুনা তাকপদি নঙনা ঐবু নুংশিবিদবননি৹
নঙনা ঐবু তশেংনা নুংশিবিবা ওইরগদি,
মত্থুগুম্বা তমথিরবা বাহৈ অত্থু হায়রমলোইদৌবনি।
নুংঙাইরবা সংসার অসি থাদোক্লিংবদি হায়রুগন্থু৹
মতম কুইনা থোইনা হেন্না পুন্সিবা পাম্নমগদৌবনি৹
হন্দকমক্কী মপোক অসিদা নঙনা
লাকদৌরিবা মপোক মপোক খুদিংদা
নঙগা ঐগা লোয়নবা৹ থংনবা হায়বসি
মতম খুদিংমক্তা নঙগী ঐগী লাইনিং ওইরমগদৌবনি।
ঈশ্বরদা তক্তনা নঙগা ঐগা কাইনদনবা৹
লাইনিং পরৈ চেৎনা লৈরমগদৌবনি।
নঙনা করিগুম্বা সংসার অসি থাদোকখিবা থোক্লবদি,
ঐনা নঙগীদমক অস্তক যাম্না বারিবসে৹
করি কামগনি৹ করি তৌনরুগনি।
ফরে অত্থুদি ঙাইরম্মু ঐস্থু লাক্লগে,
মফম অত্থুমক্তদা নোংমদি শোয়দনা থংলগেকো
ঐনা নঙবু কয়ামুক নুংশিজবগে হায়বত্থু,
জগৎ অসিদাময়েক লানা উৎলম্লগে।

ঐবু মতিক চাবা দগুি পীনিংহ্নুনা,
থাংবা ঙমত্রবা অরাবা পোৎলুম পুহন্নিংহুনা,
ম্ৎপা ঙমরোইদোবা মৈচাক চুবিরম্বগীদমক
অম্নমা নঙগা ঐগা ঈশ্বরনা থ্ংনহনবিরম্ব্যা ?
নত্রগা নরাইবক ইরাইবক্তা তম্নখিবনরা ?
নংগী ফজখবা, নিংথিজথবা শক্তম অদু,
লৈহিনা থল্লবা ফুগাইনা শাৎকাইরবা লৈরাংগুম,
অম্‌ক্তং য়েংলুবদা মিৎকম হোংবা য়াদবদো
ঙসিদি অম্ক হন্না উথিদরে, চৎখরে।
অঙাং নবা ওইরিভৈ জ্ঞান তাম্নত্রিভৈ মতমদো,
থম্মোয় পেল্লা শান্নখিবা বারি কয়া,
বাহৈনা ফোংদোকপা ঙমদবা মতাং কয়া,
হায়নিংবনা অমা ঙাংথোকখিবনা অমা,
ওন্না তৈনবা কয়া থোকখিবা,
খল্লবদা অঙকপনি, মতমদো।
মৈরি থোক্লা হৌরবা মৈচাকসে
পুহনবিনগীদমক অম্নমা তম্বীরম্নবরা বিধিনা,
চিংনদনা ঙাংথোকখিবা বাহৈ কয়াদো,
বাহৈ খুদিমক মৈরি ঙাক্তা ঙাইখরে।
থাজদনা থোকখিবা থৌদোক কয়াদো,
কাওথোক্ত্না নিঙাইদনা ঐবু থাদোক্লম্নগা,
ঙসিদি চৎখরে সংসার অসি থাদোক্ত্না।
ওম্বোক্লা থম্মোয় কনখ্রেদকো নহাকসে,
করিগীনো অম্বক থুনা চৎথ্রিবা,
মম্না মম্না য়েংলম্নগা লাইবকখিবা ঐবু।
অহিং নুংথিল চুপ্পা নংগী বাথন্তা খন্দুনা লৈরবা।

নোংমতফাওবা কাওথোক্লগে হায়বা ঙমজব্রবা৹
মমল য়াওব্রবা ঐহাক্কী পুন্সি অসে৹
য়াম্মা বারোবা মাল্লি নংগী থম্মোয়্না৹
নংগী নফমদদি লাজথিদ্রবা ঐহাকসে।
নঙোন্দা ঐনা করি অকাইবা চৎখিহ্নুনা৹
অশুকথিনা করিগী ঐবু য়েংখিবিরম্নি বনো৹
অশুক চাক্লা ঐবু অস্নুম্না থগ্নীরম্নিবনো।
ঐগী ইফমদা করম্বা পেন্দবা অমা লৈরম্নুনা৹
করিগীনো চাকলিবা মৈরক অসিদা লংশিনবিরম্নিবা৹
ঐনা বারগা নংগী করম্বা মুংঙইবা ওইরিবা।
মংদা ফাওবা থোক্লিব্রবা থোদোকসে৹
তাইবংদা খংহৌদনা তশেংনা থোক্লরে৹
তাইবং শেম্বীবা মপু মাগী খুৎশেম্না?
কুমগী নোংহৌস্নু মতমগী মজুংইন্না লাক্লে
লাকও পোৎথাক্লরসি লাইর খাংপোকশঙ মনুংদা
অমুক্তদি উখিগে নংগী ফজরবা শক্তমদো
মঙাল য়াওব্রবা ঐগী মিৎ অসিনা।
খল্লে কদাইনো খনদ্রে কদাইনো৹
খল্লব্রগনা থোইনা হেন্না চাকলক্লে৹
কাওগে খল্লব্রবা মীকুপ্তা নিংশীংবনা শরুক চাম্মা
কুইর কুইরগম্নু থোইনা হেন্না খল্লক্লে।
কৈদৌরুগনি ঐনা অমুক খল্লব্রহ্নুনা৹
হকচাং মন্নবা থম্মোয় কংনবা তারে।
হন্দকমুক্কী মপোকসিদা ওইররোইদৌবা৹
করি কান্নগনি ঐনা কপল্লুহ্নুনা কান্নদবদা৹
মিংকি পীন থোইনা মমল য়াম্বা হেল্লি৹

নহাকপুদি ঐনা অমুক হন্না উবা ফংলরোইদবদা ।
থাবল্ল ফরবা অগেংবা অহিংদা য়েংখিবদা•
তান্না তান্না উরিবা চৌংশমান মরক্তা,
মিৎ কুপ্তমখৈ মুন্না মুন্না য়েংলুরগম্ব,
চপ চপ লেপ্লি নংগী কাওভমজবা শক্তমদো ।
অমুকস্ম অতিয়াদা হাইগৎতুনা য়েংখৎলি
ময়েক লানা উবা ফংই নংগী নিংথিজরবা মুক্তি
মহৌশাগুম্না নে'কফেৎ তৌবগুমস্ম উই ।
করম্না খা'লসিগে ঐগী কায়রবা থম্মোয়সে
করম্বা মন্ত্রনা কাওবা ঙমগনি খংদ্রে
নংগী পারবা চিনবান্দা লৌথুপ লৌকোই লৈতনা
ভাংথোকখিবা পুন্সিগী ওইবা ৱাহৈ কয়ামরুমদো
মচিন পারবা তেনগুম্না পাল্লরে ঐগী থম্মোয়দা ।
ঐভোন্দা চিংনদনা পাওমেনখিবা ৱাহৈ কয়াদো
মপুং ফারবা অর্থগা লোয়ননা ময়েক শেংনা
চোংথোকলক্লে অমমমতা ওইনা মিৎমাংদা
মিৎকুপ খুদিংগী তাত্নুনতা লৈরে নাকোংসিদা ।
মৈররে নাপদা নহাক্কী খোম্বাংতনা,
ঐসে অঙাওনা হায়বত্নু তশেংনা ওইরে•
নোংমস্ব উখি থাজদনা ঐগী মংলান্দা,
থম্মোয়দা য়েক্তুনা লৈশ্রবা নহাকপু ।
থম্মোয়গী কেমেরানা নমখিবা ফোটো
চোয়জাইনরবা শয়াংনা ইফা ফারত্নুনা,
অসিদি ময়েক শেংখরে মুৎপা নাইররোই ।
করিথম্বা খরস্থ হায়খিবগুম তৌই•
নচিন্দদি মুমরু মরুম শোল্লত্নুনা,

ময়েক শেংনা তাবস্থ ফংহৌদ্রে,
চিনফা ওইনা পুবস্থ ঙমহৌদ্রে ।
অতিয়াগী অকোয়বদা পাইমিন্নকরগা,
খংহৌদনা মক্ষম মরাং খংদনা কায়নখিবগুম,
ইতোমতা ঙাইহৌরে পুমহাং হাংহৌরে ইদোম তরক
সংসার অসি পুমথন থল্লি,
নঙতা মঙাইরে বাৎলিবা অৱাবনিঃ
অস্থুক য়ুমথবা মীয়াম অসিগী মন্থংদা
নঙতনি উবা ফংদবা মিৎসিনা ।
কনাদা করি হায়নখু লিরুরসিগে,
অহাংবা অতিয়াদা মতোমতা পাইরিবা,
মপাং কায়নরবা উচেক্তম,
তৌফম খংদনা ৱানা লৈহৌরবা চেক্লাগুম,
থেংলবা অহিংদা ইতোমতা কপ্পুনা লৈহৌরে ।
ঐনা কোয়চৎ চৎলি য়েনখা লুখা,
ওম্বোক্লা ৱানা খাংই কপ্পা কপ্পা,
গতি লৈত্রবা মপোক্কি কনাদা হায়রুনি ।
অহিং তাংলৌ থেংলবা মতমদা,
চাংজো নাইত্রবা তুরেলগী তোর্বান্দা,
থাবল্লা ফুগাইনা থোকলিবা মতমদা,
ইতোমতা ফমদুনা থাজ, মাবু য়েংদুনা
ৱানা খাংলি খাংঙমত্রবা মৈচাকসি পুদুনা
মিৎলুদগী পীরাং শিন্দুনা ।
নোংম নোংমগী নিংঙমহৌদবা বাখল্লা,
কোয়চৎ চৎলি ককঙাওনরবা ঐহাকসে
নিংলপ্পা আশা, খল্লম্বা বাখল,

পুন্নমক অরেম্বা ওইরে নহাক য়াওগ্রবদা
নহাকপু অমুক্তদি হল্লকখোগবা মুংশিবী চান্নবী
ইখুৎ চাব' নৌ অমা চেজেংনা পায়রগা
মতমগী হিনাও অমদা তোংমিন্নহুনা
পাক্লবা পুন্সিগী চাংজৌ নাইগ্রবা ঈপাকসে
লামমিন্নখিসি থম্মোয় অমত্ত তিন্নহুনা।
লৈখোক অমত্তদা মুংঙাইনা শাৎমিন্নরম্লগা৹
কাইদোং অমত্তদা হরাওনা তোংমিন্নরম্নগা৹
খংহৌদনা লমখাংদা কেনখিবা লৈমায়থক্তা৹
শাখপ তোয়না পায়খোকশ্রে নিংঙাইদনা।
করম্না খাংহৌ হায়বগে ঐহাকপু৹
মৈরি হৌনা চাক্লবা থম্মোয়সে পুহুনা।
নোংমা নোংমগী খংহৌদনা হৌখিবনা৹
মিৎকুপ অমদা কুমওন মশিং য়াম্লক্লে৹
মহৌশাগী অকাও ঈপাক্তা তিনখিগদৌরে।
থম্মোয় শোক্লা কায়রবা হকচাংসি পুহুনা
কয়া কুইনা খাংবা ঙমগদগে ঐনা৹
খুরবা পুন্সিগী লম্বেন্না তেনশিন্নক্লবদা,
পুন্নমক মাংগ্রগনি অরোয়বা মতম লাক্লবদা।
নওন অরোইবা বিদায় পীরম্লগা৹
ঐগী করম্বা পাওখুম ওইগদগে৹
বাহং পীগদৌবা মীশু নহাক্তি,
পাওখুম খুমগদৌবা মীশু নহাক্তি।
কাওরগে খন্না খন্না হেন্না নিংশিংলি,
নিংশিং নিংশিংলগা খোইনা হেন্না চাক্লক্তি৹
কাওখোকপা ঙম্নবা খুৎলাই অমা লৈরগদি

লৈজবা মুমকা লোইনা শিম্নখোক্লনা৷
ইচাক ইরন পুম্নমক লোইনা হুন্দোক্লনা৷
মমল নাইত্রবা পোৎশক অমা ওইরবনু
থবাই অসি য়োল্লগা লৈজরগে খনবনি ।
হে বিজ্ঞান হৈরবা, লৌশিং লৈরবশিং
নখোয়বু কাওখোকপা ঙম্নবা খুলাই অমত্তং
পাক চাওরবা সংসার অসিগী মনুংদা
থিজিন হুনজিন্দুনা কুপ্না য়েংলগা
অমুক্তদি লায়না পুখোক্লকউ কৈদৌবগে ।
ঐগী চাক্লিবা থবায় অসিগা শিম্নরম্লগা,
মমল য়াওত্রবা তেল্লবা ঐগী পুন্সি৷
কেমথ্রসনু মতম খজিক্তংগী মনুংদা,
মতম খরগী মনুংদা থবাই অসি মফম খংদনা চৎথ্রসনু ।
ইখোলদা নংনা থারম্বা লৈগী চার,
মহে মরোং মনা মশিং পুম্নমক,
ঙসিদি মকা ফম্না ফুগাইনা শাৎলে,
মরিক চুম্না অশোইবা য়াওদনা মহে য়াল্লে ।
থরা অমসু ঈশ্বরগী সেবাদা চংখরে৷
ময়াম'হুগী মরক্তা ইবুংঙো মহাক্কী খুম্না মৌবসু য়াওখরে
হে চাম্নবী খল্ল খল্লরগা খোইনা হেম্না চাক্লক্লে ।
তারমদাই নুমিৎকী ঙাঙ্গানবা মচুনা৷
চীং-মান লৌবুক লমহাং য়ুম-কৈ উ বানচিংবা৷
পুম্নমক অঙাংবা মচুনা ফজনা লৈতেংথ্রে ।
তারমদাই নুমিৎনা চীংয়া তময়া য়োরক্লবদা৷
অয়ুক্ল নুংথিল পুবা কোরৌহনবা মহাকসু,
তৌফম থোকপা মথৌ খমথেংনা পাংথোক্লম্লগা৷

অমম্বা লাইরেম্বীনা অহিংগী শরুক শিন্নরক্লে ।
প্রক্লিতি কৌবী লাইরেম্বা ইমা নহাক্কী খুৎশেমসে,
য়েংবদা ওম্বোক্লা থম্মোয় পেন্না মুংঙাইজৈ,
লৈকোন্দা চৎমিন্নরুসি, য়েংমিন্নরুসি ফজরবা দৃশসে
অমুক্তদি লাকখো, হল্লকখোগবা চান্নবী ।
লৈহিনা থল্লবা লৈরাংশিংনা তুমিন তুমিন্না
তমখিরবা লৈহি পাম্লবা খোইমুশিংবু
কিজরহুনা ইকাইবগা লোয়ননা উনারক্তা লোৎলিবসে
ইকাইবা খংত্রবা মতমগী খোইমুশিংনা,
কোইথি থিহুনা, পাইশিন্দুনা লৈরাংনাক্তা ;
মপুক পেন্না পেম্না লৈহি চুপ্লিবসে,
য়েংহৌরুসি লাও অমুক্তদি হল্লকখো,
থবায় তানা নোকপা মিনোক্কা লোয়ননা ।
আতিয়াদা থোক্লিবা থাজ নহাকসু
করিগী অমুক ঐঙোন্দা করেম্ন'রিবা,
অমুক উহন অমুক লোৎ তৌহুনা,
করিগী অমুক তনখিরিবা ঐঙোন্দা ।
মশিং লাকডমত্রবা থবানমিচাকশিং নখোয়সু,
কুফেৎ কুফেৎ তৌহুনা তয়াং তসোইনা,
কাইন-মৈচাক্কা ডাওরবা ঐহাকপু,
করিগী অমুক অহোয়ননা লকুরিবা ।
মৈরি থোক্কা চাক্লিবা মৈচাক'সি,
পুহুনা লমথুংফম খংদনা চৎলিবা ঐহাক্কি,
করিগী অমুকথিনা বাহল্লিবা ঐহাকপু
ঐগী পুন্সিদা করম্বা ইপাপ লংজখিহুনা ।
আত্তিয়াদা পাইরিবা লৈচিন নোংফাইশা,

নখোয়দি নোংমদোনথক্না কোইচৎ চৎলিবনি৹
করিগুম্বা থেংনবা থোক্লবদি মুশাদো৹
তম্বীরম্মু মঙোন্দা ঐহাক্তী অবাবা বারিসে।
"নগুংলাগীদমক্তা য়াম্না বানা খাংহৌরে৹
মরাইবক থিরবা মহাকতো কনানসু উবিদনা৹
কপ্লা কপ্লা লেলহৌরে মথবাই য়াম্না মুংঙাইতনা
লৈকম চাকম খংহৌদ্রে অবাবা পোৎশুম্না নন্দুনা"
অমৎকসু ইনৌ নৌনা নিংশিংলক্লি পুক্লিংদা৹
হৌথিবা পুক্তিগী মনুংদা থোকখিবা থৌদোক থন্না৹
মতমগী ওল্লকপা য়াওল মতুংইন্না
চৎমিন্নথি তীর্থ কয়া লোইনবী ওইনা।
খুপমিন্নখি গঙ্গা, যমুনা তুরেন্দা থবায় তানা,
মপান নাইরবা সমুদ্রগী ঈথক্তা,
স্নান কংমিন্নখি থবায় তানা নোক্তুনা।
মথংশিংনা য়ৌমিন্নখি মতম থরগী মনুংদা৹
ঈরোইমিন্নখি রাধা কুণ্ড শ্যাম কুণ্ড অনিমক্তা৹
কচ্চথি ভক্তি ইবুংঙো মঙোন্দা পুক্লিং অনি লোংদনা
পুম্নক অসি ইবুংঙো মহাক্কী লিলানি৹
লিলাগী ফম্বাক্তা নায়ক নায়িকা শাজবতনি।
নোংমসু আগ্রাগী তাজমহল মথক্তা৹
লেপমিন্নহুনা মুংঙাইবা বাখলগা লোয়ননা৹
য়েংমিন্নথি মথক্তগী পুকচেল তপ্পবী যমুনাগী ঈচেল।
শামিন্নথি হৌথিবা বারি কয়া ময়েক চুম্না
তাজখি থবায় তাম্না ঙাথহুনা তমপাক্তা
সহাজহান্না মমতাজবু কয়াদা নুংশিজবা
মমতাজগীদমক্তা শারম্বা৹ নিংশিংনবা মুংশি ফুরানি

হৌজিক্কি জগৎকী মনুংদা অঙকপা ওইনা লৌনরে।
মিৎ মরিদগী তামিন্নরকপা পিগা লোয়ননা৹
বাশকমিন্নখি থম্মোয়গা থম্মোয়গা তিন্নতুনা,—
"ঐখোয় অনিস্থু পুন্সি 'সিমগী কায়নগুমসিকে।"
নিজখি ইবুংঙো মহাক্কী মফমদা পুকচেল চেৎনা
থুকমখি ঈশ্বরগী মফমদা থম্মোয় শেংনা।
পুকনিং অনি লোংদনা তৎন-থানবা লৈতনা,
পুন্সিচুপ্পা লৈপ্নল ওইজগে অরোইবা মতম ফাওবা৹
মপোক মপোক খুদিংদা য়োজগে নুংশি লমথুংফম৹
পাঞ্জগে পুন্সি তোলোইনা৹ তেক্ত-কায়দনা ;
ফংজগে ইবুংঙো নহাক্কী সেবা মতম চুপ্পদা।
অস্থুন্না তীর্থ কয়া চৎমিন্নখিবতু৹ নিংশিংলকই,
বারি শিংবুন ওইনখি লৈকাইগী ইচে ইনেমশিংগা৹
হরাও তরান্না লেনখি পুন্সি মতেক খরা।
হৌজিক্কি নহাক্কা ঐগী নাক্তা লৈত্রবনিনা৹
খুৎ-শা পুংতেক তেক্রে৹ গতি তৌনিঙাই লৈত্রে ;
লৈত-লাইর অকুপ-অতা তান্নগদৌবস্থু,
উপায় লৈত্রে কনাদনো ঐনা শাৰুগদৌবা বারি৹
মীনস্থু থওইনা তাবিগদৌবা লৈতে, বারেদা।
নোংমস্থু চুম্না সোরোক্তা চৎচরিবা নুপী খরদা৹
"মহাক্তবু উরম্বরা মফম কদাইদা লৈহৌবগে ?"
হংলুবদা৹ নুপীশিং অতুনা হায়রমই —
"পাম্মুইদা অঙাওবা ওইরমাল্লে !"
মশক মতৌনে ওম্থোক্লা পাম্মইদা
কোক অসি পুংচাই চাইখ্রে হাইনি হাইরোই থংখিদ্রে৹
মখোয়না হায়রম্বতু তারগা ইকাই ইকাইনা লৈহৌই৹

ঐ অসি ভাওরেদনা, ইতোমতা খঞ্জরমই ।
ভাবনা শাগৎচরুবা ওইথোকপা য়াবা
অম্মা চৎথরগা ফগনি হায়না খল্লুবা,
থবক কয়ামরুমগী পোরম কয়া,
তুংগী পোইরৈ য়েংহনা নিংজরুবা কয়া,
পুম্নমক অরেম্বা ওইথে মহাক্কা লৈখিত্রবদা ।
হে প্রেম্মি কাওনগুমসিকো নুংশিবী,
তামথ্রবসু মফম কদাইদা লৈখিহনা ।
পাইথে শাখপ তোইনা নোংমদোনথক্কা,
লানথোকখ্রে চীংলোন কয়া মশীং লাকঙমদনা,
ছন্দোকলম্নে তুরেল কয়া হন্নমক্কা য়েংলমদনা ।
ওন্থোক্লসু থম্মোয় কনখ্রেদকো নহাকসে,
নুংশিবা হায়বহু পকত্রবরনে নহাকপু,
চিংনা চিংনা য়েংহৌরি উপায় লৈত্রহনা,
মিৎকী পি চহুম চহুমগা লোয়ননা ।
নশুংলাংগীদমক্কা ঐনা কপ্পুনা লৈরগা
করিগীনো নহাক্তি হরাও তয়াম্না লৈরিবা
লৌবুক লমহাং মরক্কা, উপাল-বাপাল মনুংদা ;
নোনথহনা চেল্লিবা ঐবু উদনবা হোৎনরিদ্রা
মহুনা নংগী করম্বা ধর্ম্মনে। ?
নংগী করি কান্নবা লৈহনা চেল্লিবা,
ঐভোন্দা অসুক কল্লবা অবাবা মৈচাকসি পীরগা ।
লম্বী সোরোক লৈরক-কোনশাং মরক্কা,
ইকোই ইরাং ইচোম চোম্নহনা চৎলিবা,
অমোৎপা শেগাইরবা ফিমন শেত্তুনা,
নোকমি নোকমি তৌহনা বারবা থম্মোয়না লমজিংহনা,

আর্থ থোক্তনা চিন্দা মুরুম মুরুম শোন্দুনা,
চাক্লবা মৈচাক পুত্নুনা চৎলিবা ঐহাকসে,
কনানসু খংবিদে, কনানসু উবিদে।
ইথং খংহৌদনা ওম্বোক্লা লায়না মাংখ্রেদা,
ঐগী মকা লামজরম্বা থম্মোয়সি পুত্নুনা চৎখ্রেদো ;
ওনথোক্লা লায়না থাদোকপিরমখ্রেদা ঐবু।
মঙদা ফাওবা থোক্কনি হায়বা থাজরুদবনি,
লৈমিন চামিম্নবা লৌথুপ-লোকোই লৈনদবনিনা,
ওম্বোক্লা সুংশিননা পানমিঙ্গরকপা পুন্সিনি,
নোংমসু নোংঙাল্লমদাইদা ঐনা অম্মুম্না হায়খি,
"থেংখ্রে মতমসে নংবু হৌগৎলোনে,
ওম্বোক্রসু তুমথবা হায়বত্নুনি নহাকসে,
তারবরা নহাকপু হৌগৎলো, থেংখ্রে মতমসে।
ঙসিদি ইংখোলদা চত্নুনা অনৌ-অপেন য়েংলুসি,
লাংবন থা খজিক্তা মঙায়রে লোইশিল্লকদোবা,
মেরা থা অমুক নৌনা চংলক্লগনি, খংহৌরোই।
ইংখোলনি হায়বা শারদনা ওনথোক্লা বানা হোৎনজখিনি,
করিগুম্বা অমত্তসু নিংথিনা মরাংকায়না থাজিলহৌদে।
ওনথোকপা মতৌ হায়বত্নুনি, বাজবনা হেল্লি।
পোকপদগী হৈনজরকপা শাজৎ নত্তবনিনা,
খল্লবদা পুম্নমকসি অরেম্বা ওইরেদকো, নহাক্লা য়াওত্রবদা
চুত্নুনতা লৈরে কল্লবা মৈচাক্লা, তৌফম খংদ্রে।
হাঃ চেক্লা নহাক্তি কোইনা পাইবনিনা উরিনি,
ঐগী থবাইগী মণিদো কদাইবাইদা তাবগে য়েংবিরকউ;
বারবসু বানা মফম অদু তাম্না চৎতুনা,
খুঙ্গরুগে চাক্লিবা থম্মোয়সি কোক্লনবা।

ঈয়ায়দা শাৎলিবা থরো, থম্বাল, থারিকথা,
অহাংবা অতিয়াদা মনিং তম্না পাইরিবা,
চেক্লাশিংগী শঙ্গু শঙ্গ, হরাও তয়াম্বগা লোয়ননা।
ঘুমিদাংবাইরমগী মুমিৎনা চীংয়া থাংলকপা মতম,
য়েংউ য়েংউবা খুদিংদা পুক্নিং হুনবগী মশক ওইররা,
চাক্ক্না লৈরিবা থম্মোযসে,
থোইনা হেন্না মৈরি থোকহল্লে।
অহিং তাংলৌ অথেংবদা,
চাংজৌ নাইদ্রবা তুরেলগী তোর্ব্বাম্দা,
ইতোমতা ফমদুনা পুর্ণিমাগী থাজবু য়েংলগা,
কায়রবা থম্মোয়সি খরা ফগদ্রা খনববু,
থোইনা হেন্না চাক্লক্লে, খাংবদা বারে।
থাজ মাম্বু লাইবক থিবা ঐগী অবাবসে,
য়েংবা ঙমদদুনা লৈচিল নোংফাই মরক্তা লোৎখরে।
থবানমিচাক খরসু ঐগী মতৌসি উবদা মুংঙাইত্রমাল্লে ;
তনিক তনিক্তা কুফেৎ কাফেৎ তৌদুনা,
লাইবক থিবা ঐবু মুন্না মুন্না য়েংদুনা লৈরে।
অনুতাপ্পা চাক্লবা থবায় অসি পুদুনা,
সংসার অসিদা চৎলিবা লাইবক থিরবা ঐহাক্তি,
চৎলি হায়বদু মঙায়রে দিহে অসি পুবা ঙম্বক্তে।
থোঙ অসি থাংবা ঙমশিন্নক্তে, বারেদকো,
ফনা য়াম্না শোনথদুনসু, নংগী রাখল্দি লেপ্পা ঙমত্রি,
চৎলে খল্লি, তুম্লে খল্লি, কাওবা সুকঙন ঙমত্রে।
পুন্সিনা কেম্লক্লবা মতম অসিদা,
নংগা তিন্নথিবা মুমিৎ অদুদগী হৌজিক ফাওবা,
হৌখিবা পুন্সিগী খোংথাং খুদিংদা থোকখিবা,

থোদোক কয়ামরুমদো মিত্তা শংশং উত্থনতা লৈরি।
লোইবা নাইদনা অমমনতা ওইনা নিংশিংলক্লি,
ঐগী তমপাক্তা ঙাথরগা "পুন্সিসিগী থাদোকপিনুকো"
মিত্তদি পিগ্নী ইরা চেল্লগা ছায়খিবতু,
করম্না কাওগদোরিবনো ঐনা, মৈতান্না ৱাখৈত্রিফাওবা।
নোংমসু, উখি ৱারুণী নুমিত্তা ইথা থাজদনা,
থনখি, ঐনা মমান্নবশিংগা বারুণী লাই থুরুম্বা চংলুরিমাল্লে,
চীং কারুবগী চেংকথরবা হকচাং অত্থনা,
ইরান লৈজরবা চুম্না কুম্মৈ য়েংবা লাকচবা ঐঙোন্দা,
করিগীনো নহাক্কী মিৎ অত্থনা অর্থ য়াওনা য়েংলম্লিবা।
হৌখিবা পুন্সিগী অহানবা শরুক্তা উম্নখিবা,
ঐনা নংবু নখোয়গী মমাং পুখ্রিদা থেংনখিবা,
সনাবুন অমা পায়রত্থনা ঈশিং শোকখিবদো,
খুদক্তা নিংশিংলকই, থম্মোয়দা মমি তারকই।
নিংশিংবগী লোইবা নাইদে, কোক অসি ঙাওরে,
মিত্তা তন্দন পাইরে, লেপ্পফাওবা ঙমশিল্লকত্রে।
লাইবকনা তিন্নত্থনা কাওনবা ঙমদনা নুংশিনখিবা
করম্না কাওঙমগদোরিবনো, পুনসিগী ঈংল্লো লেপত্রিঙেদা
লিক্লোন শাম্নফমদা শামিম্নখিবা ৱারী কয়া,
থাবল চোংফমদগী কৌথোক্লগা হায়নখিবা ৱা,
ঐহাক্কী ৱাহং কয়া, নহাক্কী পাওখুম × ×
মপুং ফাবা ইঙম-ঙমদবা ৱাহৈ মতেক-মতেক,
খল্লু খল্লুরগা থোইনা হেন্না চাক্লকই,
করি কান্নরুগদগে ওইররোইদোবদা খল্লত্থনা।
কাওথোকপনা ফরে, অমুকহন্না লাক্লরোইদোবদা,
নিংশিংত্থনতা লৈরিবসি থম্মোয়দা ময়েক লানা য়েকখিবননি

থম্মোয়দা মমি শেংনা তাখ্রে, মুথৎপা ঙম্নরোই
থোইনবু হেম্না ময়েক শেংনা উরক্লে ।
ইংখোলদা নহাক্না থারম্বা মনামশীং,
মরোই-মপাং, মহৈ-মরোং, নিংথিজনা হৌরক্লে,
মতিক চানা পাল্লকপস্ু য়াওরে, কনানা হেকপিগনি
অমুক্তদি হল্লকখোনে চান্নবা, লোইনা মাঙবা তারে ।
ইংখোল অপুম্বগী মায়কৈ খুদিংমক্তা,
পুংশং শংখরে য়েংবদা পুক্লিং হুনবগী মশক ওইরে,
য়েংখি য়েংখিবদা মিৎ অসি ইথন থনখরে ।
ইংখোলদা হরাও হরাওনা চেৎনা চান্না লৈমিন্নরিঙৈ,
ঙসিদি য়ুমদা ঙাইহাক্তা চৎলুগে হায়না চৎখিবা,
ঙাইহাক্তা ফাওবা উদনা লৈবা ঙমজদবা ঐনা
নুমিৎচুপ্পা ইতোমতা ঙায়হৌবা তারবরা খনবদা,
নুংঙাইতবগা লোয়ননা অম্মুন্না হায়খি ।
"য়াম্না থুনা লাকউকো ইতোমতা লৈবা নুংঙাইতে,
তরক তরক্না ঐখোয় অনিতা লৈমিন্নরগা,
করিগুম্বা য়ুমদা লেক্তুনা হল্লকত্রবদি ঐদি কমদৌবা"
"করিগী হল্লকওইদৌরিবনো, কৈথেম্দম্ু চংলক্লে"
অম্মুন্না ঙাংনহুনা থুনা য়াংনা চৎখিবদা
ঙসিদি ইতোমতা লৈহৌবা তারমাল্লে, ·
খল্লুবদা পুন্সিগী কায়নবগুম্না, ঐনা কয়া বাজখি ।
নুমিৎ তারক্লবা, মমশিল্লক্লবা ফাওবদা ইরাক লাক্তুবদা,
হায়না হায়না ঙসি অসি হল্লক্লরোইদৌরবরা,
য়ুমদগী য়াম্না লাপ্পা মফমস্ু নক্তে,
চৎথোক-চৎশিনগী হরাগাড়িনচিংবস্ু ফংলিবনি,
লম্বী লমখাংদা করম্বা খুদাংচাদবা লৈরহুনা,

হৌজিক ফাওবা য়ৌরক্তি বনো। চিংননা লৈরিঙৈ,
খন্না খম। চিন্তা তৌতুনা ভাইরিঙৈদা।
খংহৌদনা খুত্তা খাও মচা অমা য়াম্লহুনা,
তবি তবি নোমহৌ নোমহৌ লাক্লবদা।
ঐনা কয়ামুক হরাওজখি, থম্মোয় অসি পেঞ্জখি।
"করিগীনো ভমুক থেংলকলিবদি মতম খংদবরা ?"
"চান-থক্লবা ইনশাং-নাপী লৈরিঙৈদা থেংদোকখ্রিবনি
বাবনবু শিগদোরেদা চৎথোককা চৎশিনগা।
ইংখোল অসিদা লৈববু ভয়োইদোরমাল্লেদা।"
"ওস্থোকপা হায়বদুনি নহাকসে, ওস্থোক্লস্থ পংথ্রে।
ঐখোয়না শগুলিবা ইংখোলসে মণিনিনে মণি ;
মণি-মক্লা শগুহুনা লৈবগা চপ মান্নরিবনি।
ঐখোয়না ই খোল অসিবু য়াম্না নুংশিগদোবনি।
য়াম্না নুনা চাম্নস্থ তৌবিগদোবনি। মরমদি।
ইংখোল অসিদা ঐখোয়গী আশা পুন্নমক,
নুংভাইরবা বাখলগা লোয়ননা লৈগদোবনি।
মীওইনা পোক্লকপা ঐখোয়গী দরকার ওইবা,
সনা। লুপা। লন থুম ফুরা দোলাম্নচিংবা।
মীওইবা ঐখোয়গী কাম্নগদোবা পুন্নমক,
ইংখোল অসিগী মশাদা লোইনা লৈরবনি।
মসি পুন্নমক অসি নহাক্লা খল্লগা,
অরা অনা কিদনা হরাও তয়াম্ন লৈগদোবনি।"
"বাজবগী মতিক হয়েং কাল অমদা,
মতিক চানা মহৈ-মরোং পানখৎলকপা,
লৈ-স্থ মনা-মশিং পুন্নমক মপৎ ফাম্নকপা,
মতমগী মতুংইম্না মায়কৈ খুদিংমক্লা,

অনৌ-অপেন, অশং-অগান খুদিংমক
য়েংউ-য়েংউ খুদিংমক্তা মিৎকম হোংবা য়াদবা,
মতম অমা লাকখিনি, মতুদা য়েংউ ;
পুক্লিং অসি কয়াদা মকা লামগদৌবা
থৱায়না নুংঙাইরবদি পুনসিস্থ শাংদৌরিবনি।"
অস্থম্না ৱারি-ৱাতাই কয়ামরুম শান্নখিবা,
ঙসিদি মহাক্না সংসারগী ৱাংমদা লৈখিবনা,
ইতোমতা ঙাযহৌরে কনা অমত্তস্থ উবা ফংদনা
সহারা মরুভুমিগী লৈকংলাগা চপ মান্নখ্রে।
সংসার অসি পীক থল্লবস্থ পুমহাং হাংখ্রে,
মিৎ অসিনা করিবুস্থ, কনাবুস্থ উবা ফংখিদ্রে,
নঙতবু উতুনতা লৈরে, তৌফম খংদ্রে।
অসিগুম্বা ৱাখলগী মৈচাক অসিনা মরম ওইতুনা,
নোংম-নোংমগী সংসার অসি ঐঙোন্দগী
ওন্থোক্না লাপ্না লৈখ্রে, কনাবুস্থ উখিদ্রে।
কোক অসি মৈ হৌরে, পুম্নমক পুমচাক চাকখ্রে,
অমুকহন্না কনবা ঙমগনি থাজদ্রে,
কন্ননবা উপায়স্থ উবা ফংদ্রে।
ঈশিংদা ঈরাক্লরবা মী অমনা,
মথৱায় অতুনা-শিবা তারে খঞ্জতুনা,
তাওথরকপা কৌশিং অমদা য়ান্দুনা,
মথৱায়দদি কন্ননবা হোৎনজবগুম,
ঐবু থৱায় অসি শিবা ঙমদতুনা করিগুম্বা
ৱাখল অমদা চেৎনা পায়তুনা য়ান্দুনা লৈরি।
থল্লকই, মতোমতা তাজরকপা পীগা লোয়নননা
ঐবু সংসার অসি থাদোকপনা ফরব্রা ?

হিংহুনা লৈরগা য়াম্না ৱারে থোইনা হেন্না চাক্লে.
জগৎনা ঐবু য়াম্না চম্না লৌখিগদ্রা ?
অপংবা মীনি হায়না ময়াম্না শোন্নখিগদ্রা ?
ঙমথ্রবা চিংখাদা চেল্লিবা তাম্না উথ্রবা তুরেল.
ৱাংথ্রবা চিংথক্কুগী চেন্থরকপা লোক কয়া.
চেল্লিবা গাড়িদগী হেন্না চন্দ্রবা সোরোক মথক্তা.
থোংফম অমা শোয়বদা লোকথা য়ৌগদৌরিবা.
থ্‌না য়াংনা অরেপ্পা লৈতনা চেল্লিবা গাড়িগুম
ঐগী পুন্সিনা লমথ্‌ংফম থংদনা,
ঙসিফাওবা হিংহুনা শিবা ঙাইহুনা চৎলি ।
নোংমদি অশিবগী থয়াম্তা শোয়দনা তারগদৌবনি.
থংনা থংনা মরক মরক্তা নোক্ত্‌না লেল্লি.
নোক্ক নোক্কা মরক মরক্তস্থু কপ্লি ।
অঙকপনি ইবুংঙো নঙগী লিল্লা,
শিগনি থংন থংনা স্নুংঙাইবনা কাওহল্লি.
অকাওবনা শুমহত্ত্‌না থৱায়না হকচাংবু পুরি.
স্নুংঙাইবগী মরক্তা অৱাবগী লৈচিন্না,
মরক মরক্তা খনজিন্দ্‌না থম্লি ।
পোকপদগীনা শিত্রিবফাওবগী মন্নুংদা,
থোকখ্রিবা থৌদোক-ৱাথোক কুয়াগী মরাল.
কাওঙমত্রবা ৱাখল কয়াগী তাখ্রিবা মমি.
মশিং লাকঙমত্রবা পুক্লিংগী ইন্নুন,
অমগী মথংদা অমনা মরোন মরোন লোন্নহুনা,
ঙসিফাওবা দিহেবু পুহুনা পুন্সিনা হিংলি ।
হনথনা অমুক থল্ল্‌বদা মপোকসিদা.
অৱাবগী শরুক খরা. স্নুংঙাইবগী শরুক খরা ;

অরাবগী মতাংদা অমুক খল্লবদা।
অমকস্তু ইতোমতা ভুমিন্না কপলি,
নুংঙাইবগী মতাংদা অমুকস্তু খল্লবদা,
ইতোমতা অঙাওবা অমগুম নোক্লি, অঙকপনি।
চান্নবী নহাক্কী বাখল্দা ফুন্দনা লৈরিবা ঐসে,
করিগুম্বদা নুংঙাইবগী আশানা থংলি,
কায়নবগী মৈচাক্কা কপ্পনা লেল্লিবা ঐসে,
নুংঙাইবগী আশানা পল শাহনা থিংলি।
চান্নবী, নঙগী বাখল্দা লুপ্পনা লৈরিবা ঐসে ;
করিগুম্বদা খঙকাও কাওথোকখিবস্তু য়াওই।
লৈচিন্না পুন্নম মন্নস্বা আতিয়া অসি,
খংহৌদনা খংঙান ঙানথোকখিবগুম,
ঐগী শেংলবা থম্মোয় আতিয়া অসি,
অরাবগী বাখল্লা পুন্নম মন্নস্বা অদো,
অমুকস্তু খংহৌদনা পুমঙান ঙানথোক্লকই।
অমুক হন্না কাওবা ঙন্নরোইদোবা মওংদা,
মুথংপা ঙন্নরোইদোবা মপোকসিগী ওইনা,
পাকশন্না মমি তাহনা লৈখ্রিবা থম্মোয়দা,
পুন্সিগী অরোয়বা নুমিত্তা খংহৌদনা মুংখিনি।
অনধ বিশ্বাসনা কুপলবা মীওইবগী দিহেসে,
শিরগা মফম কদায়দা চংকনি,
করম্বা মপোক্কা করি ওইনা পোক্কনি,
খংহনবিদে জগৎকী ভগবান্না।
মাংজোননা খংহনবিরম্বা তারবদি,
ওমর হায়বহু ওইখিবা তারে খনবিহনা,
অমম্বনা অঙানববু কুপশিন্দনা থম্বীবগুম,

মীওইবগী পুন্সি অসি ৱাংমা কুপশিন্দুনা থম্বীরমই ।
অসুম তৌনা পুনসি অসি ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইনা,
অমুক কপ, অমুক নোক তৌদুনা হিংহনবিরমই,
ৱাখল্লা ফুম্বংনহন্দনা শিগনি হায়বা কাওহল্লি ।
নিকুপ খুদিংগী খোংথাং খুদিংগী নোংমদি শিগদবনি
হায়বা ৱাখল্লা মাংওইননা চংপা থোক্লবদি,
মীওইবনা করিগুম্বদসু মথৌ অমক্তসু,
নিংথিনা পাংথোকপা ঙম্লোইদৌবনি ।
অতুনা, চাম্বী নঙগী ৱাখল্পা চাক্তনা,
মতম পুম্বদা কপ্পনতা নৈরিবা ঐহাক্সে,
মরক মরক্তা নহাক্কী চাক্লবা ৱাখলশিং অদো
ঈশ্বরনা মতম অয়াম্বদা কাওহনবিরমই ।
কাম্বররোই থংন থংনা কাওবা ঙমদে,
কুইর-কুইরগা থোইনা হেন্না চাক্লক্লি,
চাবা-থকপা, তুম্বা-হিপ্পা মতম খুদিংদা,
থন্দুনতা নৈরবা দিহেনিনা মহৌশানা,
পারবা হকচাংসে মতোং য়াওদ্রে শরুঙাক্তা ঙাইরক্লে ।
চাবসু য়ারক্তে, তুম্বসু য়ারক্তে, ঙাওচংনরে,
থাঙ্গশেংনা সোরোক্তা অঙাওবা অমগুম্মা,
চক্তে হায়বতা মঙাইরে; তৌফম থংদ্রে ।
মিং অসি উইশিন্দুনা ঙাইহাক্তং পোখবদা,
নঙ অসে ঐগী নাক্তা নৈরিবোইতা থল্লি,
নাকোং অসিদা নহাক্কী খোঞ্জেলতমক তাই ।
মনুং-মতম চাদনা নঙনা সংসার থাদোকখিবা,
ফরক তানা নঙনা ঐবু হুন্দোকপিরম্বা,
থল্লবদা অৱাবগী ঙমখৈ নৈখিদরে ।

ঐগী ইরায়বক অসি ওস্থোক্লা থিনা তম্বীরমখ্রে,
অৱাবদি হৌনরগা লাকই হায়নবগুম্না,
অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমা মপান নাইদে।
"প্রকিতিগী খুৎশেম্না মপুং-মরৈ ফাজরক্লবা হৈরাংদো,
মতমগী কল্লবা নোংলৈ নুংশিৎনা হুমদোকখিহুনা,
অরেম্বদা থাঙ্থক্তা কেন্দুনা মাংখরে।"
খল্লবদা অৱাবগী অৱাবা ভাক্তা লৈফম খংদ্রে,
খল্লখল্লরগা থম্মোয় অসে তনিক তনিক্লে,
কাইন মৈচাক্লা মতম খুদিংমক্তা চাক্তনা লৈরে।
মরাইবক থিরবা পুন্সিদো মপোক ফনা পোক্লবা,
ইবুংঙো মাগী মফমদা চংজবা নত্তনা,
উপাই লৈজব্রা ইরায়বক থিরবা ঐহাক্কি।
মপুং মরৈ ফাননবা, মহৈ চাননবা হোৎনজরকপদা;
ঐনা কয়াগী মতিক বাজরকপা —
কনানসু উবিবা নত্তে কনানসু খংবিবা নত্তে।
মমুন ফানা মতিক চানা মুল্লবা মতমদা,
অচেৎপা পুকচেলগা লোয়ননা,
ইবুংঙো মাগী মফমদা য়াইফনবা শংকল্পগা লোয়ননা
শেংলবা থম্মোয়দগী থোরকপা ভক্তি;
ভক্তি অহুতগা লোয়ননা কচ্চগে খনজরম্বনি,
অহুবু বিধিনা লাইবক্তা তম্বীরমদ্রমাল্লে।
ভক্তি প্রেমতনা য়ুম্ফম ওইরগা জীব নহাকসু,
মপোক ফনা পোক্নবা মপু মাগী মফমদা,
চংজরগা, অফবা মপোক্তা পোকপা ওইরসন্নু।
অকনবা অচেৎপা বাশক্তা লোয়ননা মপা মাগী
থৌজাল নিজবা নত্তনা উপায় অমা লৈরমদে।

ত্রীনংকাং নাপীশ্‌শিংবীগী মপোক্তা পোক্‌নম্‌,
অফবা মপোক্তা পোকপা য়াওরি।
নাপীগী মনুংদম্‌ তীংথো নাপীনি।
মতুন। ঈশ্বরগী সেবাদা মরুওইবা
পোৎচং অমা ওইনা ময়েক শেংনা উরি।
পাংথি কোমথি মফমদা শাৎতুনম্‌,
থম্বাল কোবী লৈরাংদো মপোক ফবনা,
মপু মাগী মফমদা অথোইবা অমা ওইনা,
ইবুংঙো মহাক্কী চরণ য়োবা ওমজরি।
অঙকপনি হে! সংসার কল্পকপা য়েংথিবা,
অপাম্বা মিংহৌবা পুম্নমক অসিগা তোৎননা।
ইবুংঙো মহাক্কী মিংলেনবু শঙ্ক শোম্নরি।
কৈদৌরুনি ঐহাকসু কায়নবগী মৈচাক,
পুতুনা তেল্লবা পুন্সি অসি থাংউথক্তা মাংখিগদৌরে
পাপ্পা থল্লবা পুনসিনি, ঙাকপিয়ু প্রভু।
চাংজো নাইত্রবা ঈপাক্তা ইহৌরকপদা,
অকোইবদা তারিবা পোৎচৈ লন-থুম থুদক্তা মাংহনবগুম,
লাইজ ঈয়ায়দা কোঙ্গোলনা তাকথিবগুম তাকথিনি।
ঐগী থম্মোয়গী লকানুংদা চাক্লিবা মৈচাকসে,
অমুক ইহৌরকদপা পাপ্পা থল্লবা হৎচাংসে।
মিকুপ্তা খংহৌদনা কেমথিনি।
নঙনা থুনা য়াংনা লমথংফম য়ৌনবা চেল্লিবদো,
মতুংদা অঙাং অমা তপ্পা-তপ্পা ইল্লিবদো,
হন্না অমুক্তদি য়েংলমখো নত্রবদি,
জীবদো য়াম্না বারনি, শিঙমদনা শিবা তাথরে।
অম্নুম্না মিৎ অসিদা মশেন-মরাং উহ্নুনা

অঙাওবগী বাখল কয়ামরুমগা লোয়ননা,
পুন্সিনা নিংঙাইদনা অসুম চৎলি।
মাংগী লম্বীনা অসুম অসুম তেনশিল্লকপা,
তুংগী লম্বীনা অসুম অসুম শাংদোকখ্রিবা,
মফম মরাং খংদবা বাখল্লা লমজিংত্নুনা,
তেল্লবা পৃনসিনা লমথুংফম যৌনবা চৎলি।
মাংদা চেল্লিবা গাড়িবু উরগা,
য়েংনা য়েংনা অসুম তামখিবগুম,
পুনসিদা থোকখিবা থৌদোক কয়া,
উনা উনা তামখবে নিংশিং নিংশিং লৈহৌরে।
তুংদা থোরক্লদোবা পোরম কয়া,
করি করম থোক্রগদগে খংদবা,
আশাগী পোরম কযাম্রক অত্নু,
মুৎখিনি নোংমদি পুনসিনা খমথ্রবদা।
পুন্সিনা মমি শাম্নমদাইদা পুক্নিংসু হল্লকই,
নিংজবম্বা আশা পুম্নমক কাইবক্লবদা,
খম্মোয়সু অত্নক্লীমতিক পেৎথরকই, খল্লকই;
শিবা হায়বসি করিসু লৈতে হায়না লৌরকই।
মরম অসিদগী কনা কন্নাগুম্বশিংনা,
থৌরিদা য়াম্নরিবা, ছু চাত্নুনা শিনরিবা,
ঐসু মত্নগুম্বা তৌসিরা মওল-মওল খল্লকই।
অত্নবু তৌগদৌবা ইথৌ কয়ানা পুন্দুনা,
পাংথোকদবা কর্ম্মগী লমন কয়া,
তোন্দুনা লৈরিবনা নাবথোকপা ইয়া য়াদবা
পুম্নমক অসি থাদোক্লনা শিখিবা থোক্লরদি
মীওইবনা ঐবু মী নত্তে শানি হায়খিনি।

মরমশিং অসিনা শিজবা কাওবা শংজদবা
তোল্লবা ঐগী মপোকনি হায়নিংই।
চান্নবস্থ চাক্না খাঙডুনা হিংডুনা লৈবা ভাবনি,
"য়েংবা ঙমদবা অতুদি খাংবা তারে" হায়বতু
ঐগী পুনসিদা ময়েক শেংনা উরি।
ঐগী হৃন্দকমুককী মপোক অসিদা চপ চানা থোক্লে।
পুনসিনা আশাগা শাগোন্নতুনা লাকপনিনা।
আশাবু লৈত্রবদি পুনসিস্থ লোইরে।
পুনসিনা লৈত্রবদস্থ আশাস্থ লৈত্রে।
আশাবু লৈত্রবদি মীওইনা পোক্লুবগী,
করিবু কান্নফম থোকপগে। মী ওইদ্রে,
মীওইবগী মপোকসি আশানা য়ুমফম ওইজবনি,
শুরিবা নোম্লিবা পুম্নমক আশাগী মখা পোল্লিবনি
অতুনা চান্নবী! নহাক্না সংসার অসিদগী
চৎথিবা অসি নহাককী আশা অতু লোইশ্রবননি,
নংনা লৈত্রবা অসিদা ঐগী আশাস্থ মমি শাম্লে।
হিংলি হায়বতু মঙায়রে অশিবগা পাংখক ওইখরে।
করিগুম্বা নংনা ঙসি লৈরম্বা থোক্লবদি,
ঐখোয় অনি তান্ন-তান্নতুনা আশাগী
ফজরবা মপুঙ ফারবা লৈকোন শেমগত্তুনা,
মতম মতমগী চুনরবা মখল মথেলগী,
জাৎ জাৎকী মচুনা লৈতেংলবা ফজ ফজরবা,
অঙাংবা, অশংবা য়েংবদা পুক্লিং হুরবা,
লৈশু কয়া থাডুনা ইংখোলগী অকোইবদা।
কল্লক য়েংথিবনা থল্লবা সংসারনিনা,
অতুগুম্বা মিৎয়েং অতু চংদনবগীদমক

ঙমজবা চেক্কী নুঙগী পল ৰাংনা খাগৎতুনা
নিংবথ্ৰংনা পুক্লিং লৈতানা পানমিন্নগদৌবনিদো ।
মহৌশানা প্রকিতিনা থম্বীরম্বা লমগা ওইবনিনা•
কয়াগী মতীক নুংঙাইগদৌবা থবায়তানা•
কয়াগী মতীক পুক্লিং অসি মকা লামগবা,
পুম্নমক অত্থু অরেম্বা ওইরেদো ঙসিদি ।
সর্গগী অম্ব্রাপুরমক্কি খঞ্জত্নুনা,
ওস্মোকপা মওং অমনি নুংঙাইবা অমদা তাওত্নুনা,
পুন্সি অসি শিগনি হায়বফাওবা কাওত্নুনা•
কল্লক-য়েংখিনবা লৈতনা মরা চেৎনা,
পুন্সি অসি হরাও-তযাম্না লৈনমিন্নরমগদৌবনি ।
শিবা কিরক্ত্রবা মপোকসে লোইরবা মপোকনি•
নহাক্কা ঐবু কয়াদা ৰানা জগৎসিদা থম্বীরম্নিবা,
লংকৈদা চৎপ্রি, তীর্থ কোম্বা চৎখিবনি•
মতম খরা লৈরগা থা অমা অনি ফারগা
য়াম্না থ্ৰনা হল্লকতুনা অমুক ঐগা উন্নরগনি•
ঐগী ৰাখন্দা নহাক অসি থুনা লাক্কনি হায়বা নত্তেদো•
মপোক অসিমগী ওইনা বিদায় লৌত্নুনা চৎথবনি ।
কয়া ৰানা খাঙলিবা ঐনা, থম্মোয় অসি পুবা ঙম্মকত্রে•
মতম খরা লৈরগা লাক্কদৌবনি হায়বা ওইরগদি•
করিগী ঐনা ৰাফম থোক্কদগে• নুংঙাইনা লৈথোক্কদৌবনি ।
মত্থু নত্তে পুন্সি'সিমগী বিদায় লৌরগা চৎথবনি,
সংসার অসি মপোক'সিমগী ওইনা থাদোকথবনি ।
মিৎকুপ খুদিংগী নংগী ৰাখন্তা থন্দুনা লৈরে,
লৈফম চাফম খংদ্রে, ঐ অসে অঙাওবা হায়বত্থু ওইরে•
ৰাখন্না ফুল্লবা অঙাওবগুম্না লৈরিবা ঐহাকসে,

শিজখিবনা হেন্না ফরগনি থল্লক্রে।
ইংখোল অহু হোংই, চাওই হায়দুনা লৈশিল্লবনি,
অকোইবদা উ, বান মরাংকায়না হৌরিবা,
য়েংখি য়েংখিবদা অরাংপা অমত্তা লৈতে,
মতম অমদা নংগা-ঐগা পুন্না লৈমিন্নরিভৈদা,
নংনা থারম্বা হৈরা মনামশিঙ,
মরাং কায়না হৌগৎলক্রে নশাদি লৈত্রে।
হৌজিক্কি ঐদি অমুক হন্দ্রু ইংখোল অতুদা চংলরোই,
চংলুরগা পুন্নমক অহু উরুরগা,
মিৎগী পি তারক্কদোবহু থনবদা চৎনিংদ্রে।
কয়াগী মতিক চেংনা চন্না লৈমিন্নজরম্বা,
মিৎ অসিদা শংশংনা মযেক লানা উরি,
পুকচেল খোইজেন তিন্ননা কয়াগী মতিক মুংশিননা,
অমত্তা ওইবা থন্মোয়গা লোয়ননা লৈমিন্নজরকপা
ফজরবা বিধি নোংদমনা তগখিদুনা
চৎখ্রেদো ওসিদি ফজরবা সংসার অসি থাদোক্তুনা,
থল্লবদা বাখ্রেদা ঐগী লাইবক থীরবা পুনসিসে।
ইংখোলগী অহাঙবা মচি অমদা ফমন্নিদুনা,
ফুগাইনা শাৎলিবা লৈরাংশিংগী মতৌ য়েংদুনা,
থবায় তানা বারী-বাতায় শান্নদুনা মতম লেনমিন্নখিবা
করম্না কাওবা ঙমগনি থল্লবদা মমকই।
লৈরাংশিংগী মনুংদা খোইথন্নরবা খোইহি চেল্লি,
লৈহি চেল্লিবা লৈরাংশিংগী মনুংদা,
ইকায় খুংজবা মতমগী খোইমুশিংমা,
মপান নাইদনা ইখৌ লাংদুনা
লৈরাংশিংদা পকলিবা আমৃতগী মশক ওইরবা,

মহুতবু পামহুনা, পোমহুনা লৈজরিবা
লৈরাংশিং অহু খাংঙ্খক্লা মাংহনগদৌরে
অৱাবদা তারিবা লৈরাংশিংগী পুনসি অহু,
কনানম্তু উবিদে কনানস্ত খংবিদে।
অসুম তৌনা হরাও তযাম্না লেনমিন্নখিবা,
মুংঙাইরবা পুনসিগী খোংচংতো অমুক হন্না লাক্লরোই
হন্দকমুক্কী মপোক অসিদদি অমুক হন্না উররোই,
খল্লবদা জগৎ অসি পুংমম মমখরে।
হায়রিবা ইখোল অহু অসুক্কী মতিক ফজখরে
থাগৎপগী মপান নাইদে, লোয়বসু নাইররোই।
অৱাং পোৎশংবমগী মনুংচনবা লমদমনি,
ইম্ফাল সহরদগী পংলাপ লাপ্তনা লৈবা,
অৱাংপাংনা চৎলগা অৱাং লৈকিস্থবিগী থুন্না,
ঙমখৈ ওইবা ওনথোক্লা নিংথিজখ্রবা লমদমনি।
ইরাং য়াওদনা ইংনা চিক্লা লৈজবা মফমনি।
লনদম অদো নিংথিজরবা "কৈকোলনি"
মতম অমদা লাইরিক লাইসু হৈবা
মরাং কায়না লৈত্রিঙৈ ভুরান-চীন্থি,
ওক্তবা কয়া লৈরম্নবসু হৌজিক্তি মতিক চারবা
মীওইশিংনা যুমথোং খুদিংগী লৈরক্রে।
হৌজিক্তি চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না,
মা অতৈগুম্না যাম্না হৈশিংবমক নম্রবস্ত,
অপংবা মীওইশিং হায়বহুদি নৎলমগ্রে।
মপাঙ্গন্না নোমজরগা লুমাংমম্না হিংজবা পাম্বা,
লৌ-শিং উতুনা ঙম্বমখৈ কন্না নোমজরগা,
মীগী মপান তাংদনা লেনজরগে হায়বা,
মীওই ঙাক্তা ওইনা তৌরমই, পুন্সিশিংদু য়াম্না চম্নমই।

নিপা নুপী খাক্তনা মথৌ মুন্না খংজরবা,
শুজ নোমজরগা পুকচেল শেংনা পানজবা;
মীওোম্দা হায়জনিংদবা মীগী মরল তোন্দুনা,
পুনসিশিং অদু হিংদুনা লৈবা পামজদবা
মীশক ঙাক্তা ওইনা তৌরমই নিংতম্বা পাম্নরমই ।
"কৈকোল" লমদম মনিপুরগী মনুংদা,
হায়ফেৎ য়েংবা য়াবা মফমনি,
সনাগী মথক্তা তম্ফা থিনবগুম্বনি ।
ইমা মৈতৈ লৈমগী মায়থোংদা মফম চানা
নারোম্দা থুংবা শমক্রু অমগুম্বনি ।
পিক্লবস্থ পিক্লা য়েংখি য়েংখিবদা,
নৌনা চাওখৎ থৌরাংলকপগী হৌনবা লিংখৎলক্তুনা
ডাক্তর খানা, স্কুল, কলেজ, সোসাইটিনচিংবা
ময়ামগী বিভাগকা মরাং কায়না লৈরক্রে ।
অরাৎ অপা অমত্তা য়াওরমদে,
নাক য়েত্তা ভুরেল কয়া চেল্লিবা,
ৈশবা, চীংমান, লোবুক-লমহাং,
খুদিংমক য়েংউ য়েংউবদা ফজরবা ঙাক্তা,
মিৎফম হোংবা য়াদবা, পুক্লিং হুনবগী মশকনি !
য়ুম্নাক শাগৈ য়াংখৈ চামতমক ভারবস্থ,
খুজাশিং অদু কল্লক য়েংথিনবা লৈতনা,
পুকচেল খোইজেন তিম্নজুনা পাম্নরমই ।
কায়নবগী মৈচাক্তা চাক্লবা বাখল ময়ামসে,
তিনথ্রগনি নোংমদি কুইনগী অকাও ঈপাক্তা ।
মিকুপ খুদিংগী পুংজা খুদিংগী লৎনদনা,
নহাককী বাখল্দা লুপ্তুনা লৈরম্বা ঐহাকস্থ,

নোংমদি তারগদোবনি অশিবগী খযাত্রা।
পুন্সি অসি শিথ্রগা লোইরে ওমর নত্তে খল্লকই,
অশিবা হায়বসি জিবশিংনা তোন্দুনা লৈরবনি।
ঙসি ফাওবা হিংদুনা লৈরি হয়েং করিথোক্নগদগে খঙদে
তেল্লবা পুন্সি অসিগী মনুংদা তৌফম থোকপা।
ইথৌ কয়ামকম পাংথোক্নবা ঙমদনা।
নোংমদি শোয়দনা চৎথ্রগদৌবনি সংসারগী বাংমদা।
হযেংমুক্কী মপোক্তা অফবা মপোক্তা পোক্কবা,
ইবুংঙো মঙেন্দা থম্মোয় শেংনা চ জবা নহুনা,
অতোপ্পা উপায় অমা লৈবা নত্তে।
হায়রিবা ঈশ্বোল অসি নংগী পুন্সিগী,
অরোইবা যাহিপফম ওইননবা লৈকবরা চিংনবকই।
নারিঙৈগী মনুংদম্ম অথ অচৈ,
মাইবা মাইবা কয়া তান্নবদা অসুম্মা হায়রকই,
"থংহোদনা নোংমা লাইগী শরুম অমা
হকচং দা যৈথ্রে" হায়বদগী থাজবগা লোয়ননা,
অঙন্না চৈং-লৈ অথুম, অহাল, অথেনপোং,
পুদুনা ঈশ্বোল অদুগী মনুংদা কৎথোকচকববনি।
অদুবু নংগী পুনসিনা তেল্লকপনিনা কনবা ঙমশিদে,
মযাম পুম্নমক থাদোক্লগা মিৎকুপ্পা চৎথ্রবনি।
ঐথোয় পুম্নমকস্ম ইচাক ইরন শাগে নাতে
লন থুম পুম্নমক থাদোক্নগা নোংমদি চৎকদৌরিবনি।
শিগনি খঙনা খঙনা শুনরিবা নোম্নরিবা অসিনি।
অঙকপনি হে সংসার, অৱা অনানা পিক পল্লি,
পুবা থাংবা ঙমদ্রবা বোড়া
অমগী মনু দা হাপ্রিবা য়োৎকুম্না

অরুম্বা পোৎ অমা পুত্নুনা,
লোইবা নাইত্রবা অশাংবা লম্দী অমগী মতুংইন্না
চৎপনা য়াম্না হেন্না ফগদা খল্লি,
মপান নাইত্রবা মৈচাক্কী অরুম্বা অসি পুবগী মহুত্তা।
পুডংত্রবা অবাবা মৈচাক'সি পুত্নুনা,
কয়া কুইনা ঐনা হিংত্নুনা লৈখিগদৌরিবনো খঙত্রে,
কায়নবগী মৈচাক্না বানা খাংত্নুনা লৈরবা ঐগী পুন্সি,
কনাদা করি হায়জরুরগা ঐগী অবাবসি কোক্তবা,
হাঃ বিধি নোংদম্বা ওন্থোক্না থিনা তম্বীরমথ্রেদকো।
নঙগী বাখলদা ঐনা অম্মুককী মতিক ৱারিবসে,
নঙদি করিগুম্বা অমদা খংলমলোইদকো,
ওন্নকপা মপোক্না অমুক হন্না উন্নত্নুনা,
হৌখিবা মপোক্না থম্মোয় অমত্তা ওইনা মুংশিখিবা,
মখোয় অনি অত্নুনি হায়ত্নুনা কনাগুম্বা অমত্নুনা,
ৎৎ থিন্দুনা তাকপীরককনি হায়বত্রস্ত ওইথোক্তবনি।
হৃম্বমুক্কা মপোক অসিদা খংহৌদনা কায়নথ্রবস্ত,
হয়েংমুক্কী মপোক্না অমুক হন্না থুনগনি হায়নসু নত্তে,
হৃম্বমুককী মপোক অসিতা কায়নগদৌবসু নত্তে,
যুগ যুগ খুদিংগী কায়নরগদবনি, অমুক হন্না উন্নবা ফংলরোই
চি লোন মাপল লান্না পাইথ্রবস্ত শাখপ তোইনা,
অশিথেন কয়া য়োথ্রবসু নিংঙাইদনা
অরে য়বা ওইনা সংসার'সিদগী বীদায় লোথ্রবস্ত,
তরুনা নিংশিংলি কাওডমত্রবা ঐগী থম্মোয়না।
হকচং পোলাং থমলম্নগা ফমুথক্তা,
শাখপ তোইনা পাইথ্রে হেঃ চেক্না মুংশিবী,
হম্নমকস্ত য়েংলমদে লাইবকথিরবা ঐহাকপু।

বৈতরণী তুরেল লান্দুনা পাইথ্রেদো অহোইননা
উনা উনা মমি শামথরে, মীৎনা উবা ফংখিদরে,
লৈচিল-নোংফাই মরক্তা লোৎথ্রে হাংহৌরে আত্রিয়াসে,
নুংবংননা লৈহৌরি ঐনা চাক্লা চাক্লা,
তত্তনা তারকপা মিৎকী পিরাংগা লোযননা ।
হয়েংমুক্কী মপোক্তা লৈরাং ওইনা শাৎলম্মু লৈকা ফম্না,
মতমগী খোইমৎ ওইনা পাইরককে লৈরাংনাক্তা,
থওইদনা তৌবিনু, হৌখিবা মপোক্তা থংনখিবা খোইমুনি
অশেংবা পরিচয় পীরমগে ময়েক শেংনা তাক্লমগে ।
খাংউথক্তা ইরাই লায়না কায়নখিবা ময়মনা,
লমথুংফম য়োবা ভমদনা মতেক্তা লেইশিনখিবা,
কায়ন-মৈচাক পুত্থনা লৈজহৌরবা লাইনক থিববা ঐহাক্কি ।
থিবা য়াবমথৈ থিকরে, চৎপা য়াবমথৈ চৎল্লরে,
উপ্পুৎনা তারম্বা ঠনা ফাওবা লোংথোক্তুৎনা য়েংঙুৎবে
মফম কদাইদশু উখিদ্রে, শামিন ফাওবা তাখিদ্রে ।
শিথ্রবা মীগী থবায়না মচিন-মনাও চা লাম্দৎনা চৎলি,
হায়নবা লৈবত্থুদা ঐসৎ নোংমদি চীংখোংদা লেপলুবে
চেক-মোক লাওরমদে তুমিৎ ফাওবা পাইরমদে ।
নোংমসৎ য়াম্না বানা খোংহামপাৎ তান্না চৎল্লুরে,
শিথ্রবা মীওইশিংনা শিরবা তুংদা খোং খুং,
হকচাংনচি বা খোংহামপাত্তা শে দোকনৈ হায়নবত্থুদা,
বারনসৎ বানা থেংনবরা য়েংগে থম্দৎনা চৎলুবনি ।
মফম অত্থদসৎ চেক-মোক লাওরমদে, উচেক ওয়াগী
নিল-খোংবা মখোল নত্তনা করিসৎ লৈরমদে ।
নোংমসৎ বারুণী চীংখোং তান্না বান-বানা চৎল্লুই,
বারুণীগী নুংমিত্তা মাগা ঐগা মিৎচাম্নখিবত্থু,

নিংশিং নিংশিং হুল্লকই অঙাওবগী ৱাখলগা লোয়ননা
চাংজৌ নাইদ্রবা সমুদ্রগী ঈথক্লা ঈহৌরকপগুম,
মপাল নাইদ্রবা ৱাখলগী ঈপাক মথক্তা,
শিবা ঙাইতনা পুনসিনা হিংতুনা চৎলি ।
কায়নবগী ৱাখল্লা থুমহৎলবা ঐহাক্কী থম্মোয়'সে
করম্না মফমদা পুতুনা চৎলগা ইংগনি,
কনাগা তান্নরুগনি, কনাদা হংলুনি,
করম্না কোক্কদগে চাক্লিবা মৈচাক'সে ।
নোংজু নুংশা মরক্তা ৱানা খাংতুবা লাক্লবা,
ঐহাক্কী ৱারবা নুংশিজরবা মপে'কনি,
কনানস্ত মহৎ শিনবিনিঙাই লৈত্রবা,
ইথনতা ৱাজবা নত্তনা করি তৌনিঙাই লৈত্রবা পুন্সিনি ।
নহাক্কী ৱাখল্লদা লুপ্পুনা লৈথ্রে ঐহাকসে,
জগৎ অসি পুম্নমক মমথ্রে কনাবুস্ত উখিদ্রে,
নহাক্কী নিংথিজববা কাওবা যাদ্রবা শক্তমত্ নত্তনা ।
লমজাউ সোরোক্তা মুকুম মুকুম শোন্দুনা,
চোইরোন পারোল লোন্দুনা চৎলিবশিংসে,
অঙাওবনি হায়না খংনরবা কাংবুশিংসে,
মশাগী নিংজবা অমমম কায়রবা ঙাক্তনি ।
মরাল লৈজদ্রবশিং'সে মীনদি অঙাওবনি হায়রিবা,
ঐহাকস্ত নহাককী ৱাখল্দা নোংমদি মখোয়গুম্না;
খংহৌদনা ওইরকলগত্রা, ইশা ইভোমতা চিংনজৈ ।
কৈদৌরুগনি হৌজিক্তি মপু মাগী মফমদা,
পুকচেল শেংনা অচেৎপা ৱাশকক্কা লোয়ননা
চংজবা নত্তনা উপাই অমা লৈজদ্রে ।
ইবুংঙো মাগী মফমদা পাপ্না থল্লবা পুন্সি'সে,

কনবিফম থোক্ত্রবা মল্লবা দীহেসে,
মহাককী মিংলেন্তবু শোন্দুনা উমং বামং কোইচৎ চত্তনা,
পুন্সি অসি লেপ্তখিবনা হেন্না ফরে খল্লক্কে ।
লিলনা মথুল চংলমদাইদা চুমই হায়নবগুম,
ঐস্থ কল্লকপা মিহৌবা, অপান্বা নুংশিবা ;
মযাম অসিনা যোমশিন্দুনা লেল্লক্লবা পুন্সিনি ।
ময়াগী সংসাব অসিদা উনা উনা অমাংবা নেৎপগুম,
খংনা খংনা পাপকী লম্বীদা নোংম-নোংমগী চংশিল্লি,
হৌজিক্তি খল্লত্নুনা কাগ্গ্রে অরেম্বা ওইবে পুন্নমক,
পাপ্পা থল্লবা পাপী ওইবরা ঐহাক্কি,
ইবু ঙো মহাক্কী থৌজাল নত্তনা কবিস্থ উপাই উদ্রে ।
ভক্তি প্রেমতনা মপু ওইবগা নত্তনা মাগী নাম,
শোনজবতনা লেমহৌবিবা পুন্সিগী শকক অসি,
শান্তি ওইনা ইংনা লেনজখিবনা হেন্না ফবে, খল্লক্কে ।
নোংমা চিন্তামনিনা বিল্বমঙ্গলদা অস্থমা হায়খি :—
"বিল্বমঙ্গল নংনা ঐবু শক্তাক্না নিংথৌ,
ঐঙোন্দা নংনা লৈবিবা মপান নাইত্রবা প্রেম অদু,
ইবু ঙো মাগী মফমদা থম্মোয় শেংনা লৈরবদি,
নহান্না নহাকসে ঈশ্বর ফংবা হায়বত্তু ওইরমগদৌবনি ।
ঐগী বাখল্তদা ঙাক্লরত্নুনা অশিববু পোংনি খন্দনা
অশিবা হকচাং তোংত্নুনা পাক চাওরবা,
মীনা লানঙমদ্রবা তুবেল অসি লান্দনা,
বযা থৌনা ফনা ঐগী ইনাক্তা য়োরক্লিবা ।
বা থবা চেকপল অসিগী মথুন্দগী থোক্লকপা,
চাওথবা লিলবু থৌবিনি খন্দনা পায়রগা
চেকপল বামা লাম্মোরগা ঐগী নাক্ত লাক্কি ।

হেংউ ! ঐগী হকচাং অসি মপান্থোংগী উনশাত্তনা,
কুপ্পুনা লৈরে তম্মা লৈনা ফজনা উজদবনি,
হকচাং পোলাং অসি শক পোলাং ঙাক্তনি,
মপানগী কুয়েংমনা ফজনা উজবনি করিস্ত নত্তে,
শক পোলাংনি, হকচাংগী শক পোলাং উৎখিবত্তু,
নিংশিংলকই, করিস্ত কান্নদে—খল্লকই।
অস্তয়াস্ত হায়রকই—নংনা ঐবু অস্তকী মতিক নিংবগুম্মা
ইবুংঙো মাব থম্মোয় শেংনা নিংজববদি,
নোংমদি শোয়দনা মপু মাগী চরণ ফোংবা ঙমগনি,
শোয়দনমক আরান খুবম ফংজবা ঙমগনি খল্লি।
অস্তুক য়ায়া পাক চেংশ্রবা সংসার অসি, খল্লুরবদি,
ইবুংঙো মহাককী থোজালগী মথা পোন্নিবনি।
রাহৈশিং অসি তাবগা বিল্বমঙ্গলনা, খল্লগা,
চিন্তামণিগী মফমদগী শংজিদা থেংন্নিবা,
কাটা অনি লৌরগা মগী মিৎ অনি অচুদা থিনজিন্দুনা,
মশাগী মমিৎ অনি অহু খুদক্তা তাংহনখি।
মিৎ তাংলবা তুংদা অমংদা পোৎ থিবগুম,
বিল্বমঙ্গলনা রাখাল রাখাল হায়না কৌরদুনা,
ইবুংঙো নহাকপু কদায়দা লৈরিবনো তাকপিয়্যু প্রভু,
অস্তুম্না অহাংবা মফম খুদি মক্তা
ভগবানবু থিজবা হৌরকখি।
মনৈথ দা ঈশ্বরগী প্রেম ভক্তিদা লুপ্পখিত্তনা,
বিল্বমঙ্গলনা জগৎ গুরু ভগবানবু থেংনজখি।
অস্তুম হৌদুনা চিন্তামণিনা মশাবু আশা তৌহনবগী মহুত্তা,
বিল্বমঙ্গলবু ঈশ্বর ভক্তিদা মপুক্রিং চপ মুংনা খলহনখি,
মশা অপুম্বা ইবুংঙো মাগী মফমদা লোয়না কৎথোকখি।

অমরোমদা — সাবিত্রিনা শিরবা মপুবোইবা,
সৈত্যবানগী থবায়বু যম মক্কদগী মুনতুনা,
খুদক্তা মপুবোইবা সৈত্যবানবু হিংগৎহনখি ।
"নোংমগী নুমিৎ অমদা সৈত্যবান্না বন্দা,
শীং চনবা চংনবা নুমিৎ অতুমক্তদা কাল কৌবা,
লিল অমনা চিক্লুনা সৈত্যবান লৈমায়থক্তা,
ৱানথত্তুনা শঙচৌদনা খুদক্ত মৃত্যু ওইখি ।
সৈত্যবান্না শীং চনবা চংখিবা অতু যায়া কুইবে,
সাবিত্রিনা কবিগীনো অস্তুক থেংনবা ফাওবা,
ঐগী ইপুবোইবা অদো চৌজিক ফাওবা হল্লক্লু ।
সাবিত্রিনা মথবায় নুংঙাইদনা যায়া চিংনবগা লোয়ননা
সৈত্যবানবু উম অতুগী মনু দা থাবা লাকপই—
"মরাপ্পা টবকই শকলবা উম তুগী মন্ন তদা
সৈত্যবান্না লৈমায়থক্লা — তনা লৈবগন্ত,
নোং খোংবগুম খোঞ্জেল থোক্লা কপলকে—
"শঙ্গা অতুমক্তদা যম নিথোনা,
অশিবা সৈত্যবানগী থবায় পুত্তুনা চৎলিবদু,
খুদক্তা উঠত্তুনা চেংশ যম নিংথৌ ঐগী ইপুবোইবগী,
থবায় অতু পুবিখিগনু, ইপুবোইবা লৈত্রবদি,
ঐদি করয়া হিংতুনা লৈজবা ঙমগনি, পুবিখিগনু ।
ৱাফম অসি ত্তাবদা যম নিথৌনা অস্তুন্না হায়রকই"
"সাবিত্রি নঙগী নপুবোইবা অসি শিরবনি,
অশিবা মীগী হকচাং তন্দোক্লমলগা মথবায় পুত্তুনা,
যম লৈবাক তান্না চৎপা হায়বনি যম ঐগী ইথৌনি ।"
মসিদা কনানম্ভু থিবা ঙম্বগী শক্তি লৈরোই,
মতুগী মহুত্ত নংনা অপাম্বা বব নিজাহৌ.

নঙনা অপাম্বা বব খুদিংমক ঐ পীবগে।
নংনা নিদবস্থ ঐনা খঙনা বব অসিমদি পীবনি,
নঙগী পী থু ংচ লাক্কগী লৈবাক কে নু পাম্নমক,
ঙসদগী চন জনবা ওইবসন্নু, লৈখ াকববা লৈবাক্লি,
মীনা মুনবিশতুনা মীগী ওইথনা লৈবাক কোনুং
পাম্নমক চনজিন্দুনা ননি তৌনা অমমুক পাল্লুবো।
মসিদগী হেনবা কবস্বা মথলগী বব পামলিবগে?
মতুম্ব ঐহোন্দা চাযমু ঐ চিংনদনা পীবগে।
হেং যম নিংথৌ যুম পানবগী আশ্রমদা ইপুবে ইবগা।
খো দ মিন্নবকপা মুমিংগী চৌনা চসি ফাওবদা,
ইপ প চেল্লবা িং অসিদা ইচা অমতুম্ব উজবা ফজদি।
' গৃহস্থ আশ্রমদা চংলব নিপা নুপীনা মমিত্তা
মচা অমযাওবা উজবা ঙমদন শিখিবা চাম্নবসি,
েদ শ সন মতুবু নোংবাক্কা কোমদা পুৎথববনি,
মহা পাপকা মশরি চাযনা লৌনি —চায।
মনম অতুনা হে ং কপিচবা সম নিংথৌ,
নগী ইপুবোইবগী থবায অতু পুবিখিগন্নু,
লাইবকথিনবা তে ম্লব। ঐহেন্দা পীবিবস্মু।
লৌথুপ লৌকাই নাইদনা মপুবোইববু নুংশিবগী,
পেম্মনা থাওতুনা সাবিত্রীনা যমগী মফমদা,
খৌগাক নাইদনা মপুবোইবগী মথব্রাযবু নিজ্জবকই।
ব্রাফমশি সি তাবগা যম নিংথৌনা। যবে অতুদি,
ঐগী ববদগী নবুংগী চাব। নচা চ মা ফংজবে।'
অতুনা নচাশি অতুগা লাংনবগা কে নুংদা
নুংঙাই য়াইফনা পান্দুনা পুন্সি অতু লেম্নবা হোৎনকবো,
ববি বানো হেং যম নিংথৌ —

নুপী ওইবী ঐপোয়না ইবুংঙ্গী তারকপা ইচা,
ইম্মিৎশিনা ইপুরোইবা য়াওদনা করম্না
ইচাশিং অহু উজবা ঙমজগদৌরিবনো খন্থবিয়ু
যুমফম যাওজবা বাহৈশিং সাবিত্রিগী মফমদা,
যম নিংথৌনা হায়কুবদগী ওস্তোক্লা ইকায়না,
যম নিংথৌনা অঙ্গম্না হায়বকই—
বিষ্ণু বিষ্ণু হেঃ সতী, সাবিত্রি ঐ ওস্তোক্লা
থিনা লানখরে ঐ নহাক্কী নফমদা মাইথিরে।
য়াম্না চুমই নুপী ওইবীশিংনা করম্না,
মপুরোইবা য়াওদনা মমিত্তা মচা উজবা ফংগদৌরিবনো ?
ঐ খন্থবা ঙমহৌদ্রে সতিগী মফমদা।
সেঃ সেঃ লৌজরো নহাক্কী নপুরোইবগী,
মথৱায় অসে পুজখ্রে—অতুগা,
তেক্তা কাইদনা পুন্সি তোলোযনা,
নুংঙাইথংদা ইফনা কোংদা পান্নুরোকো।
অসুম তৌদনা যম নিংথৌনা
সতী সাবিত্রিগী মফমদগী মাযথিবা ফলদুনা
মঙাক্কা নপুরোইবা সৈত্যবানগী মথৱায় অতু,
সাবিত্রিদা শিন্নরম্লগা যম নিংথৌ,
যম লৈবাক তান্না, ইকায়বগা লোয়নন্না খোংশানখরে।
অতুনা চান্নবা নঙগী বাখল পুন্নমক থাদোক্কুনা,
ইবুঙো মাগী মফমদা পম্মোয শেংনা চংজদুনা,
নামতন থুমফম ওইরগা অরেম্বা পুনসিগী শকক অসি,
শান্তি ওইনা লেনজখিবনা হেন্না ফরে খল্লক্রে।
লৈশিনখ্রবা পাপকী মরৈশিং অতু হন্দোক্লবা মতম
কোন্নরোইদৌরে অবস্থা পুনসিগী অরোইবা মতম

লাকপনা হানগদোরে—মতম ফংলরোই।
মনুং মতম চাদনা খাংউথক্লা খংহৌদনা,
মাংখিবা অত্তুদা ঐনা ওন্থোক্লা চাক্লা লৈহৌবনি।
নঙনা ফরক তানা থম্বীরম্বা পুনসি অসে,
ওন্থোক্লা ব্রানা খাংদুনা লৈরেদকো হৌজিক্তি ঐসে।
মমল য়াওত্রবা ঐগী পুন্সিসে কনানা পামবিগনি,
মতম কুইনা পুনজত্তুনা থমজরম্বা চেকশিন্না;
ঐগী ফিজিগী মণিনি খংহৌদনা লাইনা মাংখরে,
হাযযু চান্নবী! নঙবু কদাইদা লৈরিবনো?
করি ওইনা পেল্লিগবা খ বা উমদবে।
ঐনা নঙবু থম্মোয় শেংনা নুংশিজবিননা,
অফবা মপোক্কা পোকপা ওইরসনুকো,
মীওইবগী মপোক্তা ওইনা পোক্লবস্থ অচোবা শাগৈদা,
লৈরাগী জাত্তা পোক্লবস্থ ঈশ্বরগী খুয়া য়োজবা উম্বা।
চেক্লাগী জাত্তা পোব্রবস্থ অচৌবা বনগী মনুংদা,
ননিং তৌনা পাইজবা উম্বা চেক্লা ওইবসনুকো।
ব্রাখলনা থুমহৎলবা ঐগী থম্মোয়সে,
ভাইহাক্তং পোৎথাফম খংদবে—ব্রারেদা।
অথাপ্পা চিংদা চাল্লিবা থিংবা উমদবা লাম্মৈস্থ,
মুৎচখিগনি মতোম্নতা নেংদোন লিক্লানা খিক্লক্লগা।
নোংজু থাগী মতমদা ঈমায় চোন্না চেল্লিবা,
চাংজৌ নাইত্রবা তুবেনগী ঈপাকস্থ,
নেমথখিগনি মতোমতা ঈশিংগী ঈচেন্না তপ্রক্লগা।
কায়নবগী মৈচাক্লা থুমহৎলবা ঐগী থম্মোয়গী ঈপাক্তি,
হেনগৎলক্লি নোংম-নোমগী কুইর-কুইরগা।
পাথোক্তুনা চেনথ্রসনু ঈপাকসে থম্মোয়গী ব্রা-মদা,

থমলগন্ন দিহে অপুন্থা মফম খংদনা চোইজাইননা।
লেপ্পা নাইদ্রব। ৱাখলগী ঈচেল ময়ামসে,
কনানা অমুক থিংলুবা ঙমগনি থৱায়না হিংলিঙৈদা।
লেপ্পা নাইত্রবা মতমগী ঈচেলনা হৌথ্রবদা,
তুংওইননা থনম্লি অৱা নুংঙাইবা কয়া।
মতমগী ইচেলদি লেপ্পা নাইদে অস্তুম হৌখিগনি,
কনাগী অৱা অনা হন্না য়েংবিরমদনা,
ঙসি ফায়বা হিংত্নুনা লৈরি হয়েং করি থোক্কনি খংদে।

\+ \+ \+ \+ \+

খাম্বী মৈনা চাকথোকথ্রবা তাত্নুনা লৈরবা উতুপকুম,
লৈরেদো ঐগী দিহেসে উতুপ মানা তাবগুম,
ইংলবা মলয়া নুংশিৎনা, চিক্না গুম্বা মালংবনা,
পোমশাৎনরিবী লৈরাংশি না হাকথেংননা য়ৈবদা,
লৈকা ফন্না ফুগাইনা মনিংতম্না শাৎচরবপগুম,
মালংবগী ইপোম মরক্তা থবায় তাগা মিনোক্না লোয়নননা।
নোংমদি শোয়দনা লৈমন চল্লককনি কাওথোকপমখৈ,
হাইনা হুম্না শামান্নবা খোইমু পাইরবপা য়েংত্নুনা শাৎচরি।
লিরি লিরি হুম্বা মালংবগী ইপোম মরক্তা,
তাত্নুনা, পোৎথাফম খংদ্রবা ঐগী চাক্লবা থৱায়সে;
অমুকহন্না মহোশাগুম ইংথবা ঙমগদ্রা খংদ্রে।
মালংবগী লিরি খোংদোই হুমত্নুনা লৈরাং লৈকাদা,
তুমিন তুমিন নাশোন ফংহম্পনা।
চংলক্লগা মোমোন মিনোক্লখিবা,
ঐগী চাক্লিবা থম্মোয়দা মালংবনা লিরি খোংদোই হুমত্নুনম্ম,
তেকখৎলক্কনি থাজদ্রে কাইত্নুনা লৈরবা ঐগী থম্মোয়'সিদদি
অথাপ্পা চংগী নাপোমদা চাক্লিবা লাখৈদা,

মালংগী শঙুম লাকপদা অহোইননা মৈরি হেনগৎলকপগুম,
ঐগী থম্মোয়দা চাক্লিবা কনবা ঙমদ্রবা মৈচাক'সে
ইংলবা নামিবা মলয়া নুংশিৎনা হুমললকপদা,
থোইনা হেন্না চাকলক্লি অতং অথম লৈতনা।
অমুক হন্না মখুৎপা ঙমগনি থ'জদরে মপোক'সিদদি,
নংগী চাক্লবা রাখলগা লোয়নননা তেল্লবা ঐগী পুন্সি'সে
কেমথনিদো খাঙউথক্তা করিগুম্না অমত্তা হৌহৌদনা।
নঙগী অশাংগা লোয়নননা শাগৎচরবা মংলান্দা,
মকত্রবা থম্মোয়না শেমগৎচরবা লৈকোলশিং,
লোইনা মাঙখরে ফুরা দোলান্নচিংব, মিংকপ্পগী মন্নদা।
নোংহৌনা বসন্ত ঋতু লাকপদা হৌখিবা মতমগী,
কায়নৎ মৈচাক্কী মল্লব রাখলশিং মায়েক লাররে,
তরং তরংনা উররে, খোঙথাং খুদি গী থোকখিবা,
নঙগী ঐগগী পুন্সিদা নুংঙাইবা কয়া অরাবা কয়া।
ফোংদোকচনিংবা পৌদোক কয়াগী রারাশি দো,
লোইবা নাইররোই পুনসি'সিমগী মঙ্গদদি,
র'রী শীংবুন ময়ামদো লিকবগী কাল্লবম্ব ফংলরোই।
পূনসিন্দুনা লৈথবা লজা কয়াগী মপুন্দা
থোকপা য়াগনি থজদরে কিশি চবুন ময়ামদো,
ফনা হৈদুনম্ব লংজাশিংদো মতং মতং তংলনি।
চোইজাইননা তাথগনি লংলা মচিন থিবা ফংলরোই,
অপূনবগী অপূনবা ঙাক্তা ওইবনা, মপোক'সিদদি ;
ওইথোক্লরোই লংলা অমত্তা ওইহনবা লিশাংশিৎনা।
লংলা লজিন থংদ্রবা মতং মতং তৎলবা লংজাদো,
করম্না শমজিনগনি অমত্তা ওইনবা,
কাউবা ঙম্লরোইদোবা থোকখিবা পৌদোক ঙাক্তনি,

ম্‌ৎখিবা নত্তনা অরোইবা য়াহিপ লাক্লগা ।
হাদা চেক্লা নুংশিবী ! লোইরেদো মপোক'সিমগী,
মতম কুইরবগী তুংদা অম্‌কহন্না লাক্লিবা করিগীনো ?
ঐনা ভাইহাক্তং য়াতারিবৈ মতম'সিদা,
থেঙলবা অহিংদা চিক্লবা মতমদা করিগীনো,
থম্মোয় শোক্লা কৌরকলিবা ঐগী মঙলান্দা,
নঙগী আত্মানা ঐবু থক কাওবা ঙমদ্রবরা ?
মমাং শঙ্গোয়গী থংনবা পুখ্রি মচা'সিদা,
নকোক্তা কোকশেং অমা শেৎলহনা,
থুদেং অমা মাঙদা থাহনা ফম্নগা—
"ঐগী শেৎন-চানবা ফি ময়াম'সে,
শুগদৌরিবরা অশুক থেংলবা মতম'সিদা ।
মতমদি অা য়োখরে চাক ঈশিংনা,
কনানা হোৎনগদৌরিবনো, থেঙখরে ;
নংনা তৌব'সিমক্তবু মতম খংখিদ্রে,
ঐদি থবক চৎকদৌবসু লৈরিবনি ;
ইহুৎ শিনবিনিঙায় লৈবসু নত্তে ।"
"ঐনা নত্রবদি কনানা থবকশিং'সি,
কনা লাক্লগা তৌবিগদৌরিবনো,
যুম পানবসি ৱাননবা পাল্লকপা তারে ।"
"কৈদৌই—মহু হান্নদি খলহৌবা য়াদবরা ?
থবক্তি তৌরগা অসুম খঙলক্কদৌবনি,
থোক্লগা খঙবা নত্রবদি কনানা নঙোন্দা,
য়ুম পানবগী পাংরা ময়াম'সি তম্নাগদৌরিবনো ?"
মিৎকপ খংথোক থোকলকই, খংহৌ হৌগৎলি,
ইস, ওনথোকপনি মাবু মপোক অমদা পোকখিদ্রিবরা ?

ঐবুতা চন্দ্রনতা লৈরবরা মালংদা কোইপাই পাইহুনবা,
নংগী ফাম্বাকদুনা লানবা ঙমদ্রবরা সংসারসি থাদোক্তুনা,
নিংঙমহৌদনবা থৌরিনা চেৎনা পুনশিনহুনা থমগ্রবরা ?
কনানসু থেমজিনবিনিঙায় য়াওদ্রবরা ?
হাঙলবা মালংদা ইতোমতা চোংহুনা লৈহৌরে ;
মরাই চাইথরকপা মতমসিদা কনানস্থ উবিদে ঐবু,
নুং ঙাইরবা পুন্সিগী শরুকশি দো ঙসিদি,
থাজদনা খনজিনথরে অৱাবা লৈচিন্না ।
কুমগী নোংহৌ লাকপদা কল্লবা ঈশিংগী ইচেন্না,
তুরেলগী লৈরাইবু নমথেক্তুনা চেন্থখিবগুম,
টং-বং, যুম-কৈ পুম্নমক খুদক্তা মাংহল্লম্বগুম,
উনশাতনা কুপ্পবা ঐগী থম্মোয়সে ;
লোবা য়াদনা থিনগাইবিরম্লে মচেৎ-মচেৎ তানা,
করম্বা উপায়না তাইশিনগনি হায়ুম্না ।
তাইশিনবা য়াদনা কাযরবা লিঙ্গিনা
চোইজ ইননা মচেৎ মচেৎ লৈমায়থক্তা তাবগুম,
কাযনবগী মৈচাক্তা কাযরবা ঐগী থম্মোয়সে,
করম্বা উপাযনা তাইশিনগনি অমুক হন্না ।
নোংজু-নুংশা মরক্তা ৱানা খাংলক্লবা হকচাংনি,
কায়নবগী ৱাখন্তদা লুপ্তুনা লাক্লবা পুন্সিনি
করি অমুক হায়কনি, করি অমুক তৌরুনি ।
মীনা খনমন অমা লাইনা তম্বনা অমা,
কৈদৌরুনি থল্লরাই অমুক, তোক্লগে ।
নঙগী অরেপ্পবা মুমিত্তা মোংফমদা ;
যজ্ঞগী কাখৎলকপা মুরবা মৈখু মরক্তা
শংৱাম্নরবা নঙগী ফজরবা মুর্তিনা লেপ্তুনা,

অশুম অশুম আতিয়া পাংনা কাখৎখিবতু
মিৎ অসিনা ঙসিফাওবা তরং তরংনা উরি।
ঐনা বাম্বতুনা লৈমায়থক্তা তাতুনা লৈহৌরে,
নঙনা চিংনা চিংনা য়েংতুনা চৎখিবা,
মিৎ অসিনা তরং তরংনা উরক্লে।
ঐ চৎলগে লৈহৌরে'কো হায়রম্বগুনস্থ তৌই।
খাম্বা য়াদনা আত্মানা মুক্তি ওইনা চৎখিবা,
ঙসিফাওবা নিংশিংলি কাওবা ঙমদে,
কাওবদি হায়কনু মৈচাক্লা থোইনা হেল্লক্লি।
ঐ অসে নঙগীদমক্তদি য়ায়্ন বাজরকপনি,
নঙবু শেংনা নুংশিজরুবনি বাজগে থৌরাংলুবনি,
সংসারদা অপংবগী য়ুম্ফম লৈতে।
হেঃ নুংশিবা নঙনা মাঙহল্লিবা মীশিং যামখ্রেন্দকো।
পারবা থৌরবা থাংগুম, মচিন তুম্নবা তাগন্না,
নৌরিবা শাবীশানৌ কয়াগী মথবাক্তা থিনুনা,
লায়না লায়না মাহনখিবা মশাং লাকঙমক্লে।
পেমচানা বোড়াচাওবা মশুংলাংগীদমক্তা,
নৌরিবা মথোং কারকপী অমা ওইনা মাংখিবা,
নুংশিবা নঙগী থৌইনশিন্না থোকখিবনিদো।
নৌনা লৈশাং তমজরক্লিবী সতী খোংনাংনা,
অকিবা লৈতনা, ওস্থোক্লা মথৌনা লৈনা;
নুংশিজরুবা মশুংলাংগীদমক্তা চাল্লিবা যজ্ঞগী,
মৈনুংদা চোংশিন্দুনা মথৱায় থাবা ঙমখিবা,
নুংশিবা নঙগী কল্লবা ইথিন্না ঙম্বা নত্রা?
লৈলানা মজনুগীদমক বেমখিবা পুন্সি,
রোমিওনা জুলিয়েটকীদমক্তা থুদক্তা মাংখিবা মপোক,

য়াইরিপোক থম্বালন্নুনচিংবা নৌজম্বিবী সুজা কযাগী,
থাংতপ্পা পুন'সি তেন্না লোমখিবশিং'সে,
নুংশিবা নগী থোৱবা, প'রবা থাংগী ময়াদনিকো,
খল্লুবদা কোকচাওবী হৌরে, নৈবা ডমলক্কে ।
শিবা হায়বসি নৈগী দোলাই তো বগুস্মনি হায়বত্তু,
নুংশিবা নংনা তশে শতশেংনা উহল্লি ।
চান্নবী ' ঐস্মু নগুংলা গীদমক্তা মরক মরক্তা,
পাপকী ৱাথলশিং অসি হেক-হেক খল্লকই,
সংসার অসি থাদোক্লগা নত্তু ইন্নশিবা,
হায়বত্তুমক য়োরকই, মণ্ডন মণ্ডন থম্বরকখি ।
মীওইবগী পুন্সিদি ব্রহ্মামক্তা ফাওবা তানবা ঙমদে হায়নৈ,
মী খুদিংমক্না পুন্সি লমশা নি তুনা অঙনবা অযুক্তা
হৌগতুনা লমশা চত্তুনা চেন-চো-তুনা শান্নরি ।
করিগীনো নৈদি পুনসি অসি তেলহন্নিংলিবা,
অপংবা মীনি হায়না লৌনখিনিদো নৈবক্না,
অঙাওবা মথোংচাদবা মীনি হায়নখিনি—খল্লকই ।
য়াম্না চম্না লেনজরকপা ঐগী পুন্সিনি,
মীৱা মীশা তাদনা ইনিংশইথা তৌনা,
কনাগী মখা পোম্দনা লেঞ্জরকপা দিহেনি,
অহুৱু ঙসিদি নঙগী ৱাথম্না ঐবু ইরাকনহল্লে ।
অনানবা লম্নেম্দা চৈশু য়াওদনা চৎপা,
হায়ব'হুমক ময়েক শেংনা ঐডোম্দা তাক্লরে,
পোকপদগীনা ঙসিফাওবা হরাও তয়ামহুনতা,
লেনজরকপা ঐ'সে অৱাবা মৈথু মরক্তা,
ওনথোক্লা ৱানা খাঙলে শ্বর ফুল্লে শিগদোরে ।
কাম্নররোই থংনা থংনা পংখম্না থল্লি,

করম্বা মন্ত্রনা অসুক থীনা ঐবু শুমহৎলম্লিবনো ?
লুর লুরবা অঙ্ক কয়া হোৎলক্রবা ফাওবদা,
কোক অসি হাইফেৎ ফাওবা ঙাওরক্ত্রবনি,
করিগীনো নঙগী ব্রাখন্দা অসুক থিনা ঙাওরিবসে।
নংনা ইংখোল থাদোক্তুনা মযামদগী বিদায়, লৌরগা
মায়াগী সংসার অসিদগী চৎখিবা ন্নুমিত্তুদগী,
ইংখোলদা মনি তৌনা শাৎচরম্বা লৈরাংশিংসু,
লৈগী লৈকাশিং অদু চোইনা চোইনা ওডুনা,
লৈমায়থক্তা কংডুনা ওন্না থোইনা থাডলবা !
অরাপগী শক্তম লৌতনা কেনতুনা লৈমাযথক্তা,
কনানসু হেংবিদনা রে ইঙ্গাইননা তারিবসে,
নঙাদ উবিরম্লরোইদে, লৈরাংশিংগী অঙ্ক বসে।
ইহরাং কয়াসু মমুন ফাঙ্জরক্রবা মংখাননাং
নঙনা লৈত্রননিনা কেনডুনা মাঙ্গিনবসে,
হেবা চুমথ্রে এগী পাপ চেল্লবা সিংহাসনা।
পুম্নমক অাস থম্ল, উবপগা 'ইং খোল' হ য়বা,
ব্রাহৈ অসি নদা নাকেং আস শিঙ্জানা,
খুবঙন থোক্রে, করিগুম্বা মংমদা ইংখোলদা চঙনি থ্রে।
নঙনা ঙসি ফাওবা হিংডুনা লৈরম্বা খোঞ্রবদি,
ফজবগী মথক্তা হেন্না থোইনা ফজরমগদোবনিদো,
নিংথিজবগী মথক্তা থোইনা হেন্না নিংথিজরনগদবনিদো।
নঙনা নংহৌরোইদোংগী মতাংশুম খুনা য়াংনা,
সংসার অসি থাদোক্তুনা চৎখিবা অসিদা,
উং ব্রা, নাপী-শীংবা পুম্নমক কং কংডুনা অবাবা থাঙলি,
নুংঙাইজদবগী ফিভমদা মরাই ইলুক লুক্তুনা,
তুমিন-তুমিন চপ-চপ সেপ্তুনা লৈরে।

নুমিৎ খুদিংগী সাখপ তোয়না প ইজরকুম্বা
পোম্বী চেক্রাশিংস্থু মশক উখিদবে,
নঙবু উদবদা নোংমা ফাওবা পাইরকখিদে,
মখোল ফাওবা তাবা ফংখিদবে পুংসিক চিকখবে ।
চেক্রাশিং অদুনা তোংতুনা কাযদোংজরবা পামেলস্থু,
মতোমতা তুমিন্না লেপ্তুনা লৈবিব'সে,
কবম্না যেংবা ভূমগনি চাক্লবা থম্মোযগা লোয়ননা ।
কৈরোই লৈকাইগী মথোংক রবিবা লৈশাবীশিনা,
নঙগী ননাক্তা লাক্লুনা নহা ওইবিবা মতমগী
নুংশি নু শনগী বারি বা তায শাজনিংতুনা,
হবাও হরাওনা তযাং তশোযন লাকচবশিংদা,
মশক অমত্তা উখিদ্রে, মখোল ফংওবা তাখিদ্রে ।
ইখোলগী অকোযবদা লৈবিবা ইচে ইনেমশি ,
ইফালদগী নৌনা খোংদাবকপা মাওইনি গজতুনা,
ভাইহাক পেংথাবা ওইনা বাবিংবাতাই শাজবা,
লাক্রম্বা মীওইশি, অদুস্ত অমুক হন্না উখিদ্রে ।
মহৌশানা লমহাং ওইতুনা নাপী-শিংবা মযায়া,
জঙ্গোলগুন্না লৈরম্ব'তু নংখোয অনি চতুনা,
ঙাইহাক্তা ফাওবা পোংথাদনা অবাবা কযা খাতুনা,
কৈরোই লৈকাই ওইমিন্নরিবা মকপ মপাং কযা,
হায়জ খোংচতুনা লৈজবা খবা পুখোক্লুনা চামিন্নরগা।
য়ানথৎ-খোংততুনা পুমকোক বোক্লপা অতুম্ব,
হৌজিক্তি হান্নদগী ঙেন্না অশো বা মফম ওইরক্রে ।
মী লৈতবগী হৌনবা নাপীনা লেপ থুম্ব'তুদা,
কনানস্ত মফম অতুদা চংনিংবা পোক্তবে,
নিল খো বা অমক্তা তাখিদ্রে, পুমচিক ংকিখ্রে ।

মফম অতু কোনবিরিবা ইস্কোল লাইরেন্থী ইমাস্থ,
কনানস্থ ঐবু য়েংবিশিদ্রে হায়বগী মতাগুম্না
ইস্কোল অতুদা মতোমতা লেপ্পুনা লৈবগুম,
হিক্লা হিক্লা কপচত্নুনা লেনবগুম্নস্থ উরে।
অচিকপা কৌবী ইমানা নাওকোনবাহুনা,
ওস্তোরা ব্রানা খা চুনা চিন্তা তৌহুনা
কনা উহন্দনা তুমিন্না লেপ্পুনা লৈবগুম্নস্থ তোরে।
ইস্কোল কৌবা ইমা লাইরেন্থী নশাইগোন্দা,
নচা ঐখোযনা ইমাগী লম্পাক্তা নাওথি শাজহুনা,
লেনজরকপা থাবুম মশিং বযানি,
অহুবু ইমা! মতমগী খোংলৈ মতুংইন্না,
বাইন-শেংনবা মতম লাকপনা এসা লোইনজবা
মরাইবক থিরবা মুজাদো খ তৌদনা,
সংসার অসি থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মরমনা,
ঐনা থাইন-মৈচাক পাহুনা ইমাগী নাওলা,
তোইনা যৌজরকপা ভমজদবনি ব্রারৌনিগস্থকো ইমা!
ইমাগী তাম্পাক্তা চেন-চোংদুনা লৈজবকপনিদো,
হরাও ওয়াম্বগা লোয়ননা শান্নজরকপনিদো,
নুংশিবনিদা মতমদো অমুক হন্না লাবরোইদো,
চেংখিবা তুরেলগী ঈচেন্না অমুক হনগংলক্তবগুম,
হৌখিবা মতম'তু অমুক হন্না উররোই।
ইমানা নচা ঐখোয়বু লুনা চান্না তৌবিবনিনা,
তঙ্গনা ইমাগী নাক্তা নৌজনিংবহু ংাইনা,
নিত্তগী পিরাং তোইনা শিস্তরক্কদোবড় খল্লবদা,
ইমাগী 'নাক্তা লাকনিং লাকনিংনা লাকচদবনি।
ব্রারৌগস্থকো ইমা! নো মা নত্রগা নোংমদি,

শোয়দনা ইমাগী ভমপাক্তা শান্নজরগে।
মচৌশাগুম হবাও মিনোক্লা লোয়ননা লৈজরগে,
মতুগুম্না মতম্‌ত অমুকহন্না থোরকপসু ওইসনু।
ইমাগী নাক্তা লাকপদা মরায়বক থাব নুঙ্গাদো।
মিনা শংশঙ উরক্নিদো, নিংগী পাপ খঙহে দনা।
থাম্বা য়াদনা শিক্তবক্কানদো — ইমা।
পুন্নমক অসি থল্লবগা ইমাবু নু ‘শা নুংশিন’,
নচানা ‘নাক্তা যৌরকপা হমজদবনি হায়রিবগনু,
ইমাগী কুপা নৈরবদি ওইথোকপসু ওইসনু,
ইনা-ইচা উন্নবা হায়বত মমম্মা পুনাহনপসু ওইসনু,
অনথোকপনিদকো চান্নবা! পুন্নমক মাঙলেদো।
ইংখোলনি হায়বত মঙায়রে মা ভাঙ্গবা।
উচেক ওয়াগী মকোন শাফম অইদনা লৈবে.
শা, মন, লুই, য়েনগী শান্নফম অইবে
অহাঙবা মালংগা চপ মান্নথরে!
কনানসু হন্না য়েংবিদবা মবমনা।
হসিদি মহৌমগী তরক তবক য়েংহনা,
কনা উবিদনা মথন্তা লেপ্পনা লৈহৌরে।
তুফাং থপ্পা পাইথ্রবা হা চেকা নুংশিবা,
কনা মশুং লাংগীদমক নংনা ঐবু থাদোকখ্রে।
হাঙলবা আতিয়াগী, লৈচিল-নো! ফাই মরক্তা,
ঐবু হল্লোক্লমগা শাথপ হোয়না পাইখ্রিবা!
খঙলে নংগী য়াম্না নিংজবা অমা লৈহ্রনা,
চেৎনা চান্না নুংশিজরকপা ঐবু
ওনথোক্লা লায়না থাদোকপা ভমগী পুকচেল চেনখিবনি।
অপঙবা লাইবক থোবা ঐনা খঙজহৌদহ্রনা।

কায়না মৈচাক পুত্থনা ওনথোক্লা বানা খাওত্নবা,
পুন্সি অসি তৌফম খওদনা ককওাওননা লৈহৌরি।
করম্বা, কনাগী য়েকথৌবা মুক্তিদা নহাক্কী,
লৈজবা অপুম্বা কৎথোকখিত্নবা ঐবু থাজ ওইথোক্কনা,
মপোক 'সিমগী ওইনা অরোইবা বিদায়,
পীরমত্নবা ঐগী নাক্তগী খুনা য়ানা নাওখিবা

× × × ×

ফরে, হৌজিক্তি, ঐগী কনা লৈত্রবনিনা,
অরুবা বা অমত্তং থাম্মোয়দ লৈত্রে,
ঐস্থু ঐগী থোকপা অপাম্বা লাংদা।
চৎনিংবা মাযকৈদা চংখিত্নবা, অবুবা খাওত্নবা,
ঐগী ইরাইবক্তা নীরমত্তবা থোক্নবা,
পুন্সি অসি থম্মোয় থোংনখিরে
অওইবমক্তি মসি ঐদা পামজদবনি,
পামজদে হায়ত্নস্থু লাইবক্তা ওইরমদ্রবনিনা,
হোংনবা য়াবমখ্থি হোংনরম্লগা কৈদৌবনি,
ঈশ্বরগী থুয়া ওনাখবা ওয়বক্ত ওত্রে।
কম্ব চোংলুত্নস্থু কান্নরোই খওনো,
তৌজমনগী মচা অমত্তু ফংদবনিনা।
মপু মাগী মফমদা চত্নবা,
লেমহৌরিবা পুন্সিগী শকক খর্সি,
শান্তি ওইনা লেননা মাংনবগী থোরা
তৌত্থনা শিবা ওইবা হায়বত্ত ওত্রেদা।
অথওু অচৌবা বেদ শাস্ত্রনা লাওত্থনা লৈরি,
ওইথোক্কবা ও হরা বাইবল্সে থোইনা লৈত্রবনি,
অতবু ঐগী পুন্সিদদি মসি ওনথোক্না,

লান্না ওন্ন তৈনবা মওংদা থোক্লি।
ফনা খনহুনস্থ ফনা হোৎনজরুহুনস্থ,
কান্নফম খংদে নিঙবা কান্নবা ঙাক্তা,
ইরাইবক্তা তশেংনা তম্বীরম্নমাল্লে।
নিঙবা কান্নবগী মৈচাক পুহুনা লৈরবা ঐসে,
কয়া কুইনা হিংহুনা লৈবা ঙমগদৌরিবনো.
হায়ফম খঙদে, তৌফম খংদে ;
চাক্লা চাক্লা লেনহুনা লৈরি ঙসি ফাওবা।
নঙনা চুবিরম্বা কান্নবগী মৈচাক'সিনা.
করিগুম্বা ইথৌ অমত্তস্থ পাঙথোকপা ঙমগ্রে.
শুনিংবা নোমনিংবা, হৈনিংবা অমত্তস্থ পোক্লে,
করিনো ? ঐনা ভৌগদৌরিবা 'সিবু।
অইংবা নামিবা নুংশিৎনা য়ৈহুনস্থ,
হেন্না চাকলকই ঐগী থম্মোয় লকাসে,
থাবল ফরবা অহিংদা থাজ মাবু উকরগস্থ,
অহোইনহুম হেনগৎলকই চাক্লিবা মৈচাকসে।
পোৎথাফম খঙত্রবা ঐগী পুন্সি—ওনথোকপনিদা ;
করিনুংগী নংগা-ঐগা পুন্সিগী মরুপ ওইরুবা,
ঐগী ইরাইবকসে ওনথোক্লা থিনস্থ তম্বীরমখ্রেদা।
পাক শিবস, ঙমদবগুম তৌ, ওনথোক্লা বানা খাঙলেদা,
জগৎ পুম্নমক'সি লোইনা নোংমদি কান্নগদৌবা ঙাক্লি,
মতম মতমহুগী লাক্কদৌরিবনি কুইগদৌবা নত্তে
অহান অকোনগী বানি, মতম্মা শোয়দনা পুরকনি।
কপ্পা অমসুং নোকপা মচিনমনাও অনি'সি,
শাগোম্নহুনা য়াম্না নুংশিননা লাকপনি সংসারসিদা,
অহুবু মখোয় অনিস, মরক মরক্তা কান্নবগুম উই।

সংসারমুক ফজবা অতৈ অতোপ্পা অমা লৈরমদ্রে,
য়েংউ য়েংউবা খুদিংদা অৱাৎপা অমত্তা য়াওদে৹
প্রকিতিরোমদা য়েংশুরগন্নু মিংনা অউবমখৈ,
খুৎশেমলোমদবু খল্লুরবস ৱাখলা লৈরিঙৈ'সিদা৹
অঙকপশিংগী মনুংদা সংসারমুক ঙকপা লৈরমদ্রে।
হেঃ সংসার নহাক্কী গর্ভদা তারিবা মমি ময়ামসে৹
অমমমতা খনগৎলগা য়েংলবস পুন্সিনা তেনবনিনা৹
মপান নাইত্রবা মমিশিং অত্থুদি য়েংবিনবা য়াওদনা,
লেম্না তাহুনা লৈহৌবা তারবনিদে।।
নিঙবা কায়বগী মৈচাক পুহুনা চৎপনা কোঙ্গাইনি৹
নিংলক নিংলকপদা থুংবা কাঙবু অমস লৈরিবনি৹
নিঙবা থুংবা৹ নিংবা কায়বা হায়রিবা মখোয় অনি'সিমক
য়াম্না তোয়না শাংথনা খৎনগল্লি।
মাখোয় অনিসিদগী খরা লাপ্পা লৈগে হায়রবদি,
মীওইবগী পুনসিদা মখৌ হায়বহু থাদোকপা,
কাওথোকলুবা লংথোকলুবা য়াদবনিনা৹
অৱা অনা পুন্নমক কাওথোকপা তারবদি৹
মখৌ কন্না শুবা তাই৹ অৱা-অনাশিংদু কাওখিনি।
অত্তুনা ঐস চান্নবা! নঙগা কায়নবগী ৱাখল৹
খুদিংমক য়াম্না থুনা থাদোক্তুনা তৌফম থোকপা
ইথৌদা পুক্নিং চঙহুনা পুনসিসে লেনখ্রগে৹
ঙসিদগী হৌনা নঙগী ৱাখল থাদোক্লগেকো।
ইথৌনা পুনহুনা পুনসিসে লেনখ্রসনু,
ইথৌ মশক খঙদ্রবদি মীনস নুংশিরোই৹
নহাক্কা কায়নবগী ৱাখল থাদোকপগা লোয়নননা,
ইথৌনা শুমহৎতুনা, ফাজ্জিন্দুনা থমখ্রসনু।

ঙরাংদসু নৌহৌনা মংলান্দা উরমই,
পারবা লৈচিল নোংফাই মরক্তগী,
পুম্নমক তারকপা নহাক্কী পান্দাম'নিত্তুনা,
তিংথোক্লক্তুনা এগী লুখমগী,
মোম্পাক মথাদা ঐনা য়াম্না থবায়না তাজবা,
"মৈচাক" কৌবা লাইরিক মচা অমা কাওরয়ে,
মতু লৌরগা ঐখোন্দা অমুক্তা পীবীরকউ—হায়রমই।"
মীকপ খংথোক থোক্লকই—শ্বাই লাওই,
হকচাক অসি তুমাং অনম্মা কাই,
খংহৌদনা মিত্তগী পী চতুম-চতুম তাখিবা,
কনানসু উবীহৌদে—কনানসু খংবীহৌদে।
কাওরগে খন্না-খন্না নিংশিংবনা মহেল্লি,
নিংশিংলরোই খন্না-খন্না খনবনা মহেল্লি,
উপাই লৈত্রে হৌফম খ ত্রে করি হায়কনি।
মতমগী খোংজেলদি লেপ্পা লৈতে, লেপতনা চৎলি,
ঙসিফাওবা হিংতুনা নি ঙাইদনা লৈরিব'সিনি
হয়েং করি থোক্কদৌরিবনো কনানা খ নি।
অতৎ অখম লৈতনা চেন্থরিবা তুরেলগী ঈচেল,
থাম্বা য়াদনা হৌখিবা মতমগী খোংজেল,
কনাদা করি হায়রগা লেপহনবা ঙমগদগে ?
করিগুম্বা মখোয় অনি অসিনা লেপখিবা,
থোক্লবদি সংসার হায়ব'তুসু লৈরম্লরোই,
সংসারবু লৈরম্লরবদি নংগা ঐগা কয়ংবা,
হায়ব'তুগী মৈচাক অতুসু ফংলম্লরোই।
কায়ন-শেৎনবা হায়বসি জীব খুদিংমক্তা থোকই,
মসি ঈশ্বরগী লিলাগী মনুং চন্দুনা লৈরক্লবনি,

মসিদা থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈতে হায়নিংই ।
অঙকপনি ইবুংঙো নহাক্কী খুৎশেম,
য়েংবগী পেনবা নাইদে মিৎফম হোংবা ঙমদে,
কায়নবা অমসুং থুংনবা, থুংনবা অমসুং কায়নবা,
য়াত্নবা থমথ্রবা শোয়বা য়াত্রবা লিলানি ।
কায়নবগীদমক থুংনবা লৈহনবিরমই,
থুংনবগীদমক কায়ননবসু শিনবিরমই,
মৈচাক্তি মপান নাইদে, মখল মথেলগী ৱানি,
মৈচাক পুদবা জীব জগত্তসু লৈতে ।
মৈচাক মখল য়ামগে পারুত্না কান্নদে,
মমা মপা লৈখিদবগী মৈচাক,
মতু মচা শিংশি নাখিবগী মৈচাক,
অপাম নুংশি কায়নবগী মৈচাক,
কল্লকপা, মিহোৎবা, অপাম্বা, লমন,
তোঙ্গনা লৈবগী লায়রবা মৈচাক ।
হায়রিবা মৈচাকশিং অসি মতম খুদিংমক্তা,
পুহনবিত্নসু জীবশিংবু খক ৱাহনবিরমদে,
খুদক্তা কাওথোকপা ঙমজনবগী শক্তি পীবিরমই,
মতিক চানা শেন্বী শাবিরমই ।
মসিগুম্বা মায়াগী সংসারসিগী মনুংদা,
তেনথ্রবা পুন্সি অসিগী মশাদা লপ্পনা,
পাম্মুজরবা, নুংশিজরবা ঐগী পুন্সিসে,
খাংউথক্তা খংহোদনা লায়না মাংখিগদৌরে ।
হাঃ চেক্লা অপিখক নঙনা হরাওনা,
ঐগী লেংবান্দা তোংলম্লগা করিগীনো ?
ফাহোবা ঙমহনদনবগী মতিক কন্না পাইথ্রিবা,

ময়েক শেংনা হায়রম্মু লৌগৎপ লোকোইত নাইদনা,
পুকচেল শেংনা হুম্মউ, ননিং থংদনা করি লৈ।
অচৌবা, অনৌবা বগী মপুন্দা চাক্তমিন্নদৌনা,
কবন্বা মথক্কী মকুপানা, করি লংদনা লাবপানা ?
অনৌবা মকুপাশিংডুগা লুনা চান্না লায়নদুনা,
পুন্সি অহু লিংবা থংনা হরাওনা লেল্লুকো।
ঐনা নঙগী নফংদ লান্দবা অশেংবা ওইরবদি,
অফবা মপোক্কা পোকপা ওইরসন্নক্কা,
ইবুংঙো মগী মফমদা লেংদনা লৈবা চনজো।
ঐস্থ মচু মঙাই হুমাংনা মমশিল্লকখংগুম,
ঐগী থংশিজরবা পুন্সিস্থ মমি শাম্নলকে,
খংহৌররোই—লোইশিনখিবনা হাল্লনি,
খংনা খংনা, উনা উনা, চংশ্রগনি।
নি শিংলকই—না মস্থ লৌবুক মপুন্দা,
ফৌনানা খবাং-খবাং যৌবক্রবা মতম,
ফৌনাগী মরক্তা চংনিবা লৌবি পরেং পরেং,
কনাগুম্বা অমনা লুকথহুনা চেনবদো,
কনা অমতনসু চেল্লিবড়ু করে মদনো,
খংদবগুম, মশক উবা ঙমদনা তোকখিবা।
নঙগী ঐগী পুন্সিদসু অসুম্না লোংমাদ,
লৌকোন্দা কোয়তান তান্নহুনা শান্নখিবহু,
করম্না কাওবা ঙমগনি ময়েক্তুম লারকে।
থল্লুবদা খুদশদা মতমদো অশুক হুনররোইদো,
শিগনি নাগনি ও য়রফাওবা কাংথে কপা ঙরোই,
মতম খুদিংমক্তা যৌবগী মতমতা ওইরবোই,
নিংনা নিংনা পুন্সিগী লুনিত্তি অশুম তাশিল্লকই।

ঐনা নৈত্রবা 'তু দা কনানা ঐগী ইল্লং শিলহৌবা,
কনানা ঐগী পোং দৌবিবা ইগৌ মযামাস
কনাদা শিন্নবমগা দৌবিবা, কনানা পাংথোকপিগদৌবিবা
কনাগী মায়াম লেননা শিখিবগী পাংজদে,
শিন্নফমস্সু নৈবা নাং লৌখিনীংঙাইস্সু নৈরোই
জগৎ অসিদা কনাগুম ভকুম্পা পুনিংবা য়াওদে,
নুংঙাইনিংবা থাক্কনি, নাবনি ঙাই নৈতে,
ব্রাদনা নুংঙাইনা নৈতে হায়নবিবনি.
অতবু মীওইবনা নুংঙাইনিংবনা হেল্লি।
শুনিংবনা বংলি লোমনা কন্দে,
মসিনি সংসারগী শেংখবা শাজংগী মচু.
নে মনিংদবনা, তনবনা চেল্লবা মপোকথাক্কি.
খনবদা মতমবা ঐগী পুনসিনি।
জ্ঞানীশিংনা লাকপিবমই ; মতুদি —
"ভৌগ্রবা ব্রহ্ম খন্নফদে"
মতম অমদা যৌবনগী মতা লৌবক্কবদা,
খনখিবা ব্রাখন মযামদো কদাইদা চংখ্রে,
থম্মোয়গী দগী তনমমতা এইনা পাইথোকখ্রমাল্রে।
থম্মোয়গা থম্মোয়গা তিন্নদনা নুংশি নৈপুল,
ওইনববা মতু দা অসংন্নসং খঞ্জখিবনি,
ফজখ্রবা পুক্রিংগী নৈকোল মগু দা.
হান্না চেনশিন্না, থম্মোয় শেংনা পুংশিজবগা লোয়ননা,
নৈবাংলক্কুগীসং শাঙেল মরক্কুগীসং থোইদোক্লা,
শাংথানবা য় রবা অমনি খনজতুনা,
নৈরাং নঙবু চেংগ্রবা থম্মোয়গী কাচিন অমদা,
কল্লক মৈশা লা হুন্দনা লোকনা থমজবকপনি।

মতম মতমগী লৈরাং লৈখোং শোমজে,
মতমগী মতুংইমা লৈরাংগী লৈখোংদা।
লাইজ ঈশিং চাইতুন, যাম্না ৰ'না,
শীতেল মপুং ফানবা হোৎনজরকপনি।
হোৎনজমনগী মতিক লৈরাং মপুং ফারক্লে,
ঈশ্বরগী শেবা মপুং ফানা পূবা উমজরে,
সংসারগী অৱা অনাগী মবক্তা জগোই শাথ্রে
নুংঙাইবগী মথক্তা নুংঙাইথ্রে, অৱাবা লৈত্রবোই থল্লক্লে।
লৈরাং লৈশাৎ তমলক্লে মপুং মরৈ ফারক্লে,
খে ইমু পাইরকপা হৌরক্লে লৈবাং কোইথি থিরক্লে,
লৈবাং তোমথিন শাৎচবিনি, খোইমু কিজতুনা,
উনালক্তা লোৎচবনা কোঙ্গাইনি।
নুংঙাইরবা কুমৈ অসি য়েংদতুন নংনা, জগৎ থাদে কথ্রে,
ফজথ্রবা সংসার অসি থাদোক্তুনা চৎখরে;
ভম্পকমুক্তী মশোক অসিমদি লোইরে,
অমুক হন্না লাক্লরোই, অমুক হন্না উররোই।
মতু কৈদৌনুংদা ওইররোই প্রকিতিগী খুৎশেমনি,
লৈরাং লৈবক্লদগী খোইমু চোংথোক্লক্লিবনি,
লৈরাং মানা লৈরমত্রবদি খোইমু মাম্ন লৈরমলোই,
চোংথোকপিনিঙাই খোইমু লৈরমত্রবদি,
লৈরাং নদোম শাৎলম্মোই, হন্'ও মথোই কাবম্মোই।
মালংবগী ইপোম মরক্তা ঙাওজরিবি লৈরাংনি,
খোইমু মশুংলাংগীদমক হাইনা হন্না লেপ্পরিবনি,
লৈরাং মশুংলাংগীদমকম্তু শাগল চোকথবমখৎ,
খোইমুনা লৈরাংবু কোথি থিবা হৌরকই;
ফজথ্রবা প্রকিতিগী শোইন'ইত্রবা খুৎশেমনি।

অব্বাবসি খরা কোক্কত্রা খনবদগী,
চৎথোক চৎশিন মপান নাইদে লমথুংফম খণ্ডদে,
অরে'ইবদা নুংশিজরবা ঐগী য়ুমদা হেক্তা থুংলৈ,
পোৎথাফম খণ্ডদনা য়ুমদা হনজিল্লকপদো,
ঙাইহাক্কী মনুংদা নেংনা তাই হেক্তা পোৎথায় ।
য়ুমমুক নুংশিবা অতৈ অতোপ্পা অমা লৈরমদ্রে,
থিজিল্লুবনদি খবাইদগী নক্কবা মরিস্থ য়ুমতনি,
নুংশিজরবা ইমা ! ঐগী য়ুম নংতনা ঐবু
ঙ ইহাক্তংগী মনুংদা পোৎথাহল্লিদকো নুংশিদা,
অতবু নহাক্কি লৈরমদে, পুমহাং হাঙলমই ।
মরিস্থ তৌমিঙায় লৈতে ফুক হৌগৎলি,
অমুক চৎলাসরা মঙন মঙন খল্লকই,
সেরোক্কা চৎলিবা চোয়রোল লোল্লিবা অঙাওবশিংসে,
আসঙ্গা থাক্তগী হৌরমগনি—চিংনরকই,
ইশানা ইশাবু চিংনজবা হৌরকই ।
নহাকপু কায়নবগী মৈচাক্কা ঐহাক্কা,
সোরে'ক য়াংবাথক্তা অঙাওবা অমা,
হায়বতু ওইহনা সমাজগী মাঙদা মায় অসি,
উত্তুনা পুন্সি অসি লেনগদৌবগী শরুকপুদি,
ক'রগুম্বা শক্তি অমনা সংসার থাদোক্কবা,
হেৎনরাসরা হায়না য়াম্না মুম্না খল্লকই ।
মতম অমদা নহাক্কী আশাদা হিংবা ঙম্মই,
ঙসিফাওদস্থ মরোন নাইরবা নহাককী বাথক্তা,
বকঙাওনরবা পুন্সি অসি তৌফম খণ্ডদনা হিংলি,
নংক্কা ঐবু ঙম্তোক্কা থিনা মির'ইনিরমগ্রে ।
ভাক্ক কউথোক্কনা হুপ্পাকপিরম্ব্বা হেসে,

হিংলুডুনা কান্নত্রবস্ত, নঙবু চেৎনা চান্না নুংশিজরবা.
ঐনা সংসার'সিদগী চৎখিবা থোত্রবদি,
নহাকপ, ঐনা কয়ামুক নুংশিজবগে হায়ব'ডুদি,
মাংখিবা তারেদো, নুমিৎ থানা লৈরিবমখে,
মুৎলরোইদোব'ডু পুন্নমক অবেন্নদা তা'রনিকো।
পুনসিগী ঈচেন্না লেপথ্রবদা করি কান্নগনি.
হৌথ্রবা মতমদা নংঐ নুংশিনখিবগী ব'রী কয়',
ঙসিসু মিক্তা শংশঙ উরি মাংদা চপ চপ লেপ্রি,
অবাবা কযা খাঙডুনা ঙসিসু তন্তুনা নিংশিংলি।
মিৎলুদগী পিরাং ইরা হৌরডুনা খাঙনদনা,
বানা খাঙডুনা চাক্লা লেল্লিবা ঐহাক্কি,
খিংবা ঙমত্রবা মতমগী নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা,
মতৌশানা খতুগী হোংদোক হে। জিন নাইবা মংমা.
শাথিরবা নোংজু নুংশা কয়াগী মরক্তা,
পুনসিগী চৎমিন্নগদোবা ঐখোয় অনিগী,
অবাবা নুংডাইবা কয়'গী নুংশি লম্বী'ডুদা
করিগীনো নঙনা ঐবু ইতোমতা থাদোকপিরম্লিবা।
পুন্নমক থেংনডুনা লাকমিন্নরকপা ঐখোয়'নিগী পুনসিনি,
ঙসিদি খঙহৌদনা খুদক্তা অরেম্বা ওইথ্রেদা,
মংলান্দ। শাগৎলুবা যুরা দেলান ময়ামদো,
খাঙউথক্তা তেক্তুনা লোইনা মাঙখরে।
নংনা ডুম্লোকপিরম্বা ঐগী বারবা পুনসিসে,
অঙাঙবা অমগুম্না ঙসি ফাওবা হিংডুনা চৎলি,
শিগনি হায়বগীসু অমুক বিরুবা লৈতে।
খুনগংনিঙাই অমক্তা য়াওত্রবা ঐহাক্কি.
খাংহৈশেংনা ঙাওরবনি নুংশিবী নগী বাখন্দা,

অবনবা নোংলৈ সুংশিং মরক্তা তাওরিবা,
পল্লেপফম খণ্ডদনা হোল্লিবা হিনাওশুম,
পাল্লবা নুংশি ইপাক্ত ময়াই অসিদা,
নহাক্কী বাখল কাওবা ওয়নবা পাম্নে থিরকই।
অতুগুম্বা কাওবা ওম্মনবা শক্তি লৈরম্নবদি,
নওগা কাযনবগী মৈচাক পুতুনা অসিযৌনা,
সুংওাইরবা জগৎ অসিদা অরাবা কোকথোং পুরহনা,
লমজাও সোবোক্কা কোইচৎ চৎলম্নোইদৌশনি।
করিগীনো নওনা ঐগী মাংদা অতুক বনা,
তম্নবকপদা ফংশ্রগনি হায়বগী মতাগুম,
উপথুতনা তুদে হাহবদনক খাক্লা চেম্মিবা,
মতনা নওগী করম্বা কান্নবা অমা লৈবা,
ঐনা নবু তান্নকুবম্ম নতনা,
খল্লুবদা পম্মম মমই, বাখল থোক্লক্লে।
নংনেম্ম পুনসি সিনগী তাবিগদৌবা মতম লৈত্রবদা,
করি কাম্নগনি ঐনা বানা তেংথাকচুনা,
হৌথ্রবা থোকথ্রবা মযামদো পুনসি মতেক খরদা,
থোকথ্রসনু হৌথ্রসনু অমুক হল্লকউ য়াররোই।
খল্লরোই অমুক হনা নহাককী বাখল থাদোক্লে,
নহাককী বাখল থাদোক্লে হায়ব'সিনক,
ওম্মোক্লা অবাবগী মশকনি ঐওোন্দদি,
ইকোক অসিদা বক্ত তারকপগা মান্নথ্রে।
মক্তুবা থম্মোয়দা মমি শেংনা তাখিবননি,
মপোক অসিদদি মুৎথৎপা শুকওম ওম্নরোই,
অতুননি কায়নবদা অম্নক য়াম্না বারিবসে,
"থবক্লা মপুও ফাগদৌবা ওইরবদি,

চরকখৎ কয়া য়াওদে, শান্না চৎলি।
তৌরিবা থবক্তুনা ওইরোইদৌবা লৈরবদি,
চরকখৎ, অকাই-অতোই, য়াম্না থোককল্লি
পুম্নমক অঙ্গু নমথেল্লুনা নুংশি লমথুংফম য়েৌবকপল্লদি,
মমল য়ামখ্রে লেম্না মাংদ্রে, অঙকপনি!"
পুক্লিংসিদা পাংথোক্লগে হায়না খঞ্জতুনা আশা,
অরা-অনা, অপন-অরাক বস্না লাক্তুনা,
নিংজরুবা ঐগী আশা মপুঙ ফাবা ইঙম ঙমদনা,
পুন্সি অসি ওন্থোক্লা চাক্লা লোইশিনগদৌবিবা অসিনি
মতম অমদা ওন্থোক্লা মরা তপ্না হংনা পাঞ্জরনই,
কন্নিনো ঐনা হংদক মতম খবগী মতুংসিদা
তারিবা তমথিরবা অরাবা, থুদোং থিবা ময়ামসে
করম্বা মতমদা কোক্লক্কদগে, হাংবা ঙমদে।
মফম খঙদনা ফাওরকপা ইফুৎ অসিদি,
কদোমদগী থিংগনি, মহৌশানা খংফম থোক্তে,
কুন্দা কালেন খাযদনা চাক্লিবা মৈচাক্ক,
লাংবল থাদা লৌচি কোইবা ঙমদনা শাবা,
কল্লবা নুংশাগী মৈশানা লাকংৎলবস্ত,
ঐঙোম্লদি, নঙগা কায়নবগী মৈচাক্কা,
ওন্থোক্লা থিনা খেন্নখ্রে, লম্না পাকবা য়াদে।
বাকচিংগী উন থ্রং থ্রং তুবা মতম ফাওবদা,
ঐগী দিহে অসে শাগক্তুনতা লৈ খাঙফম খঙদে,
অইং-অশা মফম খঙত্রবা পুন্সিনি।
শন্দোক্লসন্নু জগৎ পুম্বদা ঐনা নংবু বয়ামুক নুংশিবা,
ৈয়রসন্নু মায়কৈ থুদিংমক্তা লেপ্তুনা,
ঐনা নংবু নুংশিজবগী খোম্থং অসনা,

মমশিল্লক্রে পুনসিগী মঙালম্ব খোঙথাং খুদিংগী ।
ঐগী নুংশিজরবা খোঙ নহাক্না লমথংফম,
য়োত্রফাওবতদি পুবয়ু, য়োজগে মফম অদু তান্না,
কায়না মৈচাক্না চাক্না হিংজারবা ঐসে লৈনবিগনু,
লাইবক থরবা ঐবু কাওথোকপীগনু লৌশিনবিয়ু ।
ঙথে বা আহংদা খোংলকপা মিরবা,
কোকিলগী খোনজেল "কুহু কুহু"
অঙকপা [illegible] দা খোঙাকপা তান্নাগী "তাম-তাম"
থা[illegible] [illegible] অ[illegible]দা বাসগা [illegible],
[illegible] ক [illegible] য়ে লু[illegible]গা, [illegible]রগা
ব[illegible] খ[illegible]গান ঐগী [illegible]রবা থ[illegible]য়না ।
[illegible] চৈশানা [illegible] [illegible] [illegible] করবা,
ঈ[illegible] [illegible] [illegible] কারকপা ইরোইগী [illegible]হুগা,
ঐগা [illegible] অমসা খেন্ন[illegible] ।
[illegible] মপান খোঙ্গক্রে অঙাওবা হায়বত্থু ওইরেদো,
[illegible]কনি চাগনি হায়বস্থু থং[illegible],
[illegible] নগানি হায়বত্থু কাও[illegible]শিলক্রে ।
[illegible] অমদাদি খোঙন [illegible]নবা,
[illegible] নানজবদা মচুন ফাওবা [illegible],
[illegible] [illegible] মানবগি না, কল্লক নিংহৌনরবই ।
[illegible] [illegible]বগী [illegible]বনিবান,
[illegible] অসি ওন্ন [illegible] ঙাক্না
খোক্রক্লুনা সান অগী মা[illegible]দা,
অঙাওবা অনগুম্বা হু[illegible]দনা [illegible]নি ।
নহাকথক্লো, ঐসে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible],
[illegible] [illegible] ওক্লুরে [illegible] [illegible] [illegible],

অচৎ অখোবশি না উবদা ইকায় হঙ্গোইনবগই·
করিগুম্বা নংগা কায়নবমদবা থোক্রম্লবদি,
ঔহ'বাস গুম্বাগ্না হুংথাইজবগাদোবনিকো,
তৌক তৌরবা খুদংমল্লা মপা ইদোদা চ মন·
অদুবু উব ইবক পিবনিনা থম্মা অ শা অপুম্ব,
মচদা দোল ন শাবনগা থেম্বখাম্ব।
ইতোমতা খনথজবদা লোন বা থ্মক্তে,
কনিংগীদো মনা লৈবিরবা যিভংশিবু,
ইশ ভামতা তুংিম্না ন কবেমই।
হৌজিক্তি পুম্নমক অত্ত মমিং না থাইরে,
রাধী ওইনা লিনবগা লোইশিনখিগাদোর
ঐনা নগানমুকবা মপোক্তো হা জ খং,
পাপকী মহৈ হ মবত ওইনা ভাবংানে,
নুং-পোইনা লম্বোক্না ম না খা ুদো পুনি·
নেংমগী অহিং অ দা মিতিক মান লখোন,
লাবক্তবা মরুবা থেংনবা নংং অদুদ,
নিংথমহৌরবা থর মনা মনজি চন,
থে ব্রকই তৌফম খ দনা নগী ম ফত ফ ..,
লেপ্লনা চিনা চিন যেতনা খালি।
পাক চাওরবা তুনগী দমবা ঈচেম,
লৈবাইদা মৈশিনবগী মখোলগা,
এগী শে লবা থম্মোযদগী থোক্রকপা,
নিংথমহৌরবী কল্লবা মৈচাককা লোয়নন,
চেথা নাওইবগী লাক্রবা খোঙ্গেলনা,
অমত্তা ওইনা হা লবা মালংদা তিনখ্রে।
ম না দ না খ ংহৌই, কপ্পা কপ্পা কেলহৌই।

উনা উনা মাংগনে, হৌজিক্না লোপ্রগা মুন্নিদে'.
নিংকা রাংমদা ইচেল ফাংনা নেখরে,
কাদোমদা চেনখিনি কাদোমদা তিনখিনি,
ইথবা চুম্লবোই মপোকসিদদি।
ফজবা য়োংউ, মা মা উরবা দৃশসে,
লিশাং শিংনা শম্মখিবা চিংদোংনগারেং,
খংদোদনা তু থবা কংলবা উপাল.
কনাগী মিংনা য়ে বদা পেনগাদগে ?
ঃ ওহ হাওই উাখবা চিংথক্কী নমথরকপা,
নোংইরোই নাইনা থেলিবা লম্বী,
নাক য়েং য়ে উবদা অকনগী মশক ওইরবা,
মা নদা তু টংনা। অও নব' লাংনলচ,
অটকপা ওইনা উরিবা ইইন দ',
কারিগী অমুক লম্বা নাইর।
এইভনা কাওইমদন নিংশিংলি,
নারাইনক থিরব, ঐগী খোঙ.
চিংউ য়ৌদ্রিফাওবা নতাক্কা অপাম্বা,
মপান নাইত্রবা, লমথফমদো য়োনবা,
লেপ্পুনু চিংউ শোম্না শোম্না ইল্লক্লে,
ব'রুনু থেংনগনি নে' মা নত্রগা নোংমদি.
ঃ তম্না ঙাইহ্নুনা লৈরিবা পুনসিনি,
অমত্তুম্ম উররোই মীকুপ থরগী মনুংদা',
লে শি পাল্লিবা অচৎ অথোক পুম্মক.
লাপথোকথগনি নংঙোম্দগী অৱাপুন্নদো।
পল্লগনু চিংলো ঐগী ৱারবা খোঙ.
নরাইবক্তা তন্নকপননি শাওরুনু।

চোইজাইনরবা শম্লাংলক্তা লোংতুনা থম্লস্না,
ঐগী তমথিরবা মিৎ অসি পুত্লনা,
চৎলু মুজা মাগী মেমোন নোকিবা শমজিফাওবা।
উন্নগানি শোযদনা ঐবু ওইতুনা লৈরমগনি,
শকনাইত্রবা অবোইবা কাম্ননবগী মফমতুদা,
মতুঙ্গ মত্তমনা শেমতুনা থমথবা পুংফমনি,
শোইবা লাকপা য়াবা নত্তে, লাইনা থাবকপা খুঙ্গিম
মরেল পুরবা হায়দোকপদা লোয়বা নায়ত্রে।
লোনাদা য়েল্লিবা মথল মথলগী দুশাশিদা,
পরেং চুম্না লাকপা ওংনবা য দবা মরক শংদা,
য়েংড যে উবদা নগা ঐগগী লমহদা,
তারিবা মৎপা নাইবরোইদবা মমিনা,
যে লুবদা খ্বাইদগী চাবপা হেক্লি।
আথে বা অহিংদা চিববা মলমদা,
কনিনীনো তকনা নংনা এবু কৌনিবা,
নারোন্দা কানিবা নগী নুংশিবা খেঙ্গল,
মতুনা ঐবু পোইনা হেক্লা বাংদ্র।
"নগী ব্রাভাং শাজং নগী লাংলং শাজং,
নথক থোংবশিংগী মফমদা তৌনবা পাবক্তাং,
ওসি ফাওবদা কৈরেই লৈকাই নাংমনেমশিনা,
শক্ত-শোম্রি—নশাদি য়ারে নংনস্থ উদে।"
হে-চাম্মবী পুম্নমক অাতু উকু তাবরগ।
পোইনা হেক্লা চাক্রকে, থম্মোযসি পুবা ওমলাক্ল,
পোকওমদনা পোকপা জীবনি থা ওমদনা খাঙ্গুলোদা,
কমদোাসগে ঐবু কদোংমদা চেহগা হংগনি।
নংবকী মরমদা ওসিফওবা কৈরোই-লৈকাইনা,

বারিনরি থাগৎ বাহে কয়াগ। লোয়ননা শিংথনরি,
মীদি শিরগা খঙই হায়বত্ নঙোন্দা চপ চান্না থোক্কে।
নংগী লোত্তুনা থমলিবা নুপী ওইবিগী গুণশিংদো,
লৈত্রবা মতুং অসিদদি ময়েক শেংনা ভাম্বোক্লক্কে।
"লৈকাই ফমলুদে মীবা ভাংনরুদে,
মতম চুপ্পদা থবক শুনিংবগী ইহুন পোকই,
শুদনা চানবা ফংলোই হায়বসি ফজনা খংই।।"
পোৎথ্রবা নৌথ্রবা হকচাং অতুগী মনুংদা,
ন্নখোক্না তমথিরবা পুকচেল চেল্লম্মীদকো,
অতুবু ঐনা নবু শেংনা মুংশিজবসিদি,
পৃথিবানা নাকন অমা ওইথ্রবসু থিংবা ঙম্মরোই।
য়াম্না চম্না লেনজনিংবা তেল্লবা ঐগী পুন্সিনি,
ঐ হৌজিক বনাগীসু মথা পোন্দে নং নত্তনা,
থাদোক্লম্মো পুন্সিসি'মগী গতি লৈজত্রবা ঐবু,
চৎলোকো মুংশিবী হন্দক মপোকসিমগী ওইনা,
ঐগী পুন্সিবু শুমহৎপিনিংঙাই কনাসু লৈতে,
নংগা কায়নবগী কল্লবা মৈচাক'সি নত্তনা।
নংনা লাকপদা করিগুম্বা য়াওরক্তবনিনা,
চৎখিবদসু করিসু পুনিংঙাই য়াওদেদো।
নাতোমতা লাকপনিনা নতোমতা হনখিবা তারে।
নগী বাখন্দা চমম্নরবা ঐসি করি তৌগনি,
ঐগী থম্মোয়দা অপান্বা অমত্তা লৈখিদরে,
কয়না মৈচাককা ইকুৎ ময়ামসিনা ফুজিল্লক্তুনা,
ঐগী থম্মোয়গী লাইয়ুম অসি থুমখিগদৌরে।
থুমখসনু কায়না মৈচাককী ঈপাক ঈয়ুইদা,
লুপথ্রসনু পম্মে য়সে ক'য়রবা ইকুৎ মনুংদা।

লাইয়ূম অসিনা করিগুম্বা থুমখিবা কায়খিবা,
থোক্রবদি, সংসার থাদোকপা হায়বত্তু তারেদো !
মসি পুম্নমক অসি খন্দবা ঙম্মবদি,
হৈপাল লৈপালনা বসন্ত ঋতু লাকবদা,
নোংমা লেঙ্গিং ফলকপ শোম ঐগী থম্মোয়স্তু,
মকা মাম্মা হবাও ভয় য়া লৈজবগাদোবনিদকে
খল্লু খল্লুরগা থম্মোয় অসি ওংনাক্লা চাকথেদা,
লোইতিংকী পাংল্লু পানুবা মকম থুংমন্দা,
ঐঙা য়ারেকফম ওইরবনা, উথো ব্রাখোং,
লমাংসোরেক, লংজাং ভুংজাং পুম্নমক্তা,
ঐগী মুন্না দেলাঙ্গ, মনি মকা ভালা চাইংথ্র।
মমম লইনা পুবকবা মচবা কৈকতাম শেগ ইননা,
মুরিৎ খুদাংকরকপী মচুকপদগী মুশিল্লকবা,
লেংবনা ফিবম অমা কাইদবা মতাং,
অত্তা থবা ভয়বত্তু লৈবেদকো ইতোমতা লোকপ্পা।
চিন্দস্তু করিগুম্বা খরা অর্থ থোক্লনা,
মুকুম মুকুম শোল্ল'ই ময়েক্তি লোকম থংদে,
মানা ঐবু লায়না হুন্দোংপিরগা অসিংদস্তু,
খল্লুবদা ইত্তামতা নোকনিংলমই।
জীবনা অফিমগী মতমদা কয়াদা বাহবা,
উকবদা ওন্থোক্লা মুংঙ চাঁখদ্রে কপনিংবা পোক্লকই
শিনা অমসুং চঙবগী মরক্তা ঐনা,
ইংবা লেংলবা শরৎ থাবলগী ইপোমদ।
থবায় ভানা নোংক্লা নোক্লা পানক্লম্নাদো,
নিপা ওইবা ঐনা খনথকবদা, উকবদা,
কল্লক মিহৌবগা লোয়ননা হুংশিজক্লদা,

অহাক করি পামক্তস্ম উবিখিদেদে',
ঐনা নংবু কযামুক ন্নংশিজশিবা,
নহাক্না করিস্ম থৌওই ৱাওইবিখিদে ।
মীওইবশি লাইবক অংকপনি ত্তসা ওদে,
মীনা শিনংনা অংগা লাইনা ত্তসনা অমা,
ঃ য়বক্ এগী লাইবগা তশে না থোকপ্রে,
থি বা ডমত্রেনা মতমগী ইলোদি ওক্তনা,
ক ে দা ু মা হপা ক ও'ন্নী,
হ পাে ক ডন, মং ংবং শে যেংজনা।
ঘুনসিদা িবা ক ঐগা মীশক অনা ওইনা।
ু গী ইচেম্মন মতমগী ইদোলগা থমনা' পনা,
'ন্ন ' ' না অংবু নশিস্ম হেন্নদে,
= মপু ফ ' ি ন্ন নন। লমথ ফমস্ত শেন্নদে,
ইবু ডো মগী থুংশেমনি শেনদোকপা য়ুত্রেনা।
শেনদোক্নবা অকায়বা', অহোবা অনওস্ম য়াওদে ।
ইবু ডো মগী থুংশেংসে, চুম ফিরান চাথবা',
ৱা হায়বু – "থো নাংদা মাইরেল পাকহনদিরমদে,"
ইবুংঙো নহাকা নপোংনি, নহাক্না লৌশিন্দনা
বনা অমা লাত্তনা নোখিগদৌবা নত্তে ।
ইা ডো নহাকন্না ক্নপানা জাবশি 'চু,
অফবা মপোক্তা পোকহনবিয়ুকো, এচু,
ে 'ন্নবা লাইবক থীরবা এগী মপোকসিদা,
পাগা থম্নবা পাপী ওইরবা ননাইনি ।
হ'দা ঠৈলেল নেংফাইও অতিয়া অকোইবদা,
ননিং ডৌনা পাইরিবা মিথা পোন্দবা মপোককুম্না,
নহ'ক অসি ওঙ্গোক্তস্ম কল্লক চাওথ্রেদা,

ফজথবা মপাল নাইদনা পাকথবা,
শংবাম্নবা অতিয়াগী ময়াইদা
মনিং ভম্না লৈখোক্কা শাৎপা লৈরাংগুম,
থাজ মানা মোমোন মোমোন তৌজহুনা,
হরাও মিনোককা লে.য়ননা ভানজরিবা,
নহাক্কা কলক মিহৌবনা লাকহৎক্লনা,
মরক মরক্কা তান্ন তান্নহুনা খনজিল্লিবা,
নংগী করম্বা অতোপ্পা অনিংবনো,
মহুনা নহাককী থৌনাইত্রবা লমচৎনি।

× × × × × ×

মুমিৎ অহুদগী হৌনা কাইন মৈচাক পুহুনা,
লমথংফম খংদনা শাংলবা লম্বী'হুদা,
ইতোমতা নিংভাইদনা থনা য়াংনা চৎখ্রি।
থম্মোয়গী থপথ্রবা কাচিন অমদা,
কনা খংহন উহন্দনা লোক্কনা থমজখিবা,
ভমথৈ লৈত্রবা বাখল ময়ামদো, ভসিদি,
ওম্মোক্লা থাজদনা পুম্মাং মাংখ্রে।
ঐগী চিন অ'সনা মরক মরক্কা ফোংদোরকই,
লৈরাংগী লৈখোংদা নিত্তিগী ভংজরকপা,
লাইবক থিরবা নিংবা কায়রবা খোইমুনি,
লৈরাং লৈখোংদা নিত্তিগী ঈশিং চাইজরকপা,
শীভেল মপুঙ মরৈ ফানবা হোৎনজরকপা,
অপংবা থৌনাইদবা মালিশিংদা চৎহনবিগনু"
হোৎনজমনগী মহৈ পীবিরম্বা য়বহু,
কায়না মৈচাকী লুম্নবা পোৎলুম অসিরা?
ফজবা হায়বহুনা ময়ামগীনি,

অপাম্বা হায়বতুনা ঐগীনি,
অপাম্বনা মুংশিবধু কোইচিং চিংলি।
ঐগী পুন্সিগী য়াওল খুদিংমক্তা,
মুংঙাইবা কৌবতু অমত্তা য়াওশিল্লক্তে,
খোংথাং খুদিংগী নিংবা কায়বা ওাক্তা,
শিবা নাবা অবা অনানা পীক থনথরে।
সংসার অসিদা মচানা মোদোরৈ চিল্লগা,
মপা ওইবশিংনা থবায় তানা নোকচরিবনি,
অঙকপনি হেঃ সংসার নহাকী ময়া'সে,
কনানসু পুবা থাংবা ওমলরোই।
জগৎকী অরাংবা মরক অসিদা লৈজনিংত্রে,
য়েংজনি ত্রে মিৎ অসিনাঁ মপোক'সিমগী ওইনা,
মীওইবনা অন্তিমগী মতমদা বাবদো,
য়েংবদা থম্মোয় পুবা ওমজদে মনাক কাওবা নকনিংদে।
মতম থরগীদমক জীববু কুপ্তনা থম্বীরম্বা দিহেসে,
করিবু কয়থিগনি অমুক শাংথনা হি সুতুনা,
অবাবনা খোজাওনরবা কাল্লত্রবা পুন্সিনি,
অরোইবা থর হোন্দুনা মিৎ উইশিনখিবনা হেন্না করে,
অতুনা, মতম কৌবী ইমা নহাকী খুৎশেম,
নহাকী ঈথিন ঈরৈদা মী খুদিংমক ওাওনরি,
মতম্দি ঐখোয়না য়ামা বানা ওাইনরি,
মতমদি ঐখোয়বু করিসু ওাইবিদে।
শিরগা লোইরবা মীওইবা পুনসিনি,
কেল্লগা লোইরবা লৈরাংগী মপোক্নি,
মীওইবা-কল্লকপা য়েংখিবা অপাম্বা মীহৌবগা লোয়নন্না
পগুনা পাল্লরিবা মীওইবগী মপোক্নি।

তাংলবা মীৎ অনি অসি পুহুনা মফম খংদনা,
থাংবা খোকলিমথৈ মরাইবক থিববা,
ঐগী খোং অনি অসিনা তক্তনা চিংলি,
কদায় কাওবা য়োৗগদৌরিবনো ? খংবা ভমদ
চিংউ, খোঙ নংনা অপাম্বা মাইকৈদা,
ভমইবমথৈ নত্তুং ইন্দুনা লাক্লে ঐহ'কসু পুন্সিগী,
ঐগীদমক বাহুনতা লেনখ্রবী মহাককী,
হিদেন মপা কাওবতদি য়োহনবিরম্মু,
মুংশি মাগী দমক্তা কায়না পোৎলুম পুদুনা,
অম্বুক বানা লাক্লগা করিগী অমুক,
নিংহমহুনা হন্দুনা চৎকনি ; হল্লরোই ।
চৎবী মাগী খোঙ্গেল তারগা ইনাকে।ংসিনা,
ইংজগে ঐহাককী চাক্লিবা থম্মে ম'সে,
কোকচগে অবাবা পুম্বা থংবা ভংত্রবা,
লোইশিনখ্রসন্নু অঙানবগী শরুক,
লাক্লসন্নু অমম্বনা কুপশিনখ্রসন্নু দিহেপুম্বা ।
থোক্লুর্খসন্নু থম্মোংবু কুপশিন্দুনা থনম্বা,
ভংসিদি পুন্সিগী অরোইবা মুমিৎনি ।
"লাক্লরোই লাক্লরোই হন্দক মপোক'সিমগী,
উরুরোই উররোই অমুক হন্না মাগী শকফমংদা,
খাইনা ফিজংনা থনখরে ওম্বোক্লা থুনা,
অমং য়াইথোং কুমথরে খংহৌদনা ।
লৈরাং লৈথোক লোইখত্রে,
শীঙেল নৈমন চনখরে,
মরাইবক থিরবা মালিদি,
তেংথা নাওইহুনা অবাবা,

মৈচাক খাংহুনা খুজি লৌম্বা,
ভাইহুনা থমা লৈলহৌরে
কায়না মৈচাককী চৈথেং কংলবা ঐহাক্না,
মকম কদায়দা চহু নশু অমুক ইংলরোই,
অমম্বা স সায়গী মংলানদা তিনখরে মহাক্তি,
মৈতাম্বা বাখৈথরে ; লাক্লরোই অমুক হল্লা,
মুৎথবে থ'গুমৈ ভরাংতা ভাল্লিম্বনি,
ভম্বোক্লা ব'না চুখৎচরকপা থাওমৈনি,
থংমুৎ মুৎখি থংহৌদে ভম্বোক্লা বাজদনা।
মাগী ঐগী অরোইবা কাম্নবগী পুংকমসে,
অমুক থ্না লাকনি হায়বা থাজমমদে,
থাওমৈ মানা ভাল্লিবৈ মতম,
পুক্লিংগী অমম্বা শরুক থরদগু কোক্লমই।
মভাল থজিক্তুং অহুনা চাওরবা পুক্লিংগী
লৈকোল অপুম্বা ভরু তরুনা উরমই,
নৌনা তাইবংদা য়ুম পল্লকপগী হৌনবা,
অকনবা চৈনা চৈথেং কিহুনা চংগ্রবরা,
ঐখু থাদোক্লনা মপোক'সিজ্জী ভইনা।
× × × × × × × × × ×, × × ×
কালেনগী নুংশানা য়াকপনে,
থম্মোয়দা কায়নবগী মৈনা চাকপনে,
তৌকম লাককম থংক্রবা পুনসিনে,
হিংলুহুনবু করি অমুক কানখিপনদগে।
কুইরেদা ঐনা কানা থাংজিন্না মতমসে
কায়না মৈচাকী খুম্না পোংখুমসি পল্লোক
হৌজিক্কি থোং থাংবা ওমসিক্কনা

অরোইবা মতম লাক্লমাক্লে।
মতাং চারে লোইপ্রসন্ন ঐগী পুক্কিসে,
অরোইবা মতমদা কাওজমত্রবা মাগী মায়থোংদে',
নিংশিং নিংশিং শংশং উত্থনতা লৈবগী মহুত্ত',
ঐন্দ্র মাগী মচুং ইনপ্রগে কৈদৌরুগনি।
অমম্বা সংসার অসিদা লৈরুবগী কামন্তে,
আশা অপুম্বা লোয়না মাংপ্রে।
লাইরবা অনংবগী মৈথুনা,

কাহৎপা ওমজবা ককপ্রবা,
তনৌ তনৌনা ইনগৎচরকপা,
লৈশাবী অকগী চপচাবা শক্তমনি।
অহুবু, অবাবনি অওকপনি—
ওহোরুসু সুংশি হৈথিজবা হায়বত্থনি,
অশিবা কৌব' নহাকসে—
থম্মোয় চেৎনা সুংশিজনা লৈপুল ওইরগা,
মতম কম্মামক সুংশি লাংদা থুমিয়জরকপা,
থংহৌদনা শেৎনা থায়নবগী লাংদা থহুনিরিবা
অশিবা নহাককী করবা মক্তুনা থম্মোয়নি।
থংজয়ে ওসিদি মুলি মুলি,
তালহৌবতা মতায়রে মমশিনথরে।
লৈমুং চনপ্রবা নহাকপু—
করম্না কোৎথোকনুনি, মিংকি পীনা,
লেংজবা থম্মোয়দা মুংশি মুংশি,
তান্দুনতা লৈয়িবসে লোইথিনি,
নোংমদি মৈতাশা বাথেপ্রগা
মতম অমতা ঐশা নংদু কম্মামক সুংশিজথিবা,

যাহৈনা কোংদোকপা উমদে,
করি অমুক হায়রকনি থল্লবদা মপান নাইদে ।
কাওরগে থল্লবতনা সিংশিংবা মহৈরি।
অশিবা ! নহাক্না কনাগুম্বু সুংশিনিদে।
কনাগুম্বু কনলবা থমোইবিদে.
মরাইবক লিন্নবা পাড়ি লৈজরবা জীবশিংদা,
অশিবা নহাক্না উপাথিরবা থিংয়েংনা,
সুংশি হৈতনা উতমা য়েংলি ।
অশিবা নহাক্না জীবশিংগী থম্মোয়রবু,
শারবা মৈথক্তা তৌদুনা থগাইবগীসু,
নপুক্লিংদা করিসু হাপ্লেংবা লৈতে ।
অশিবা নহাক্না থাথল থল্লবদা,
করিগুম্বা অমত্তসু হৈনিংবা পোকথিদরে,
মেহৈমাদি শোয়রদনা নহাককী নথুংবাক্তা,
তারগদোবনি থংনা থংনা চেল্লদুনা হিংলরোই.
নংগী অরোইবা মতম লাক্লবদা,
বারবা তমথিরবা থদোংথিরবা,
কয়াদগী নাম্বোক্তুনা চেনখিবা উস্না য়ুম্বি,
তৌইগুম্বসু অশিবা নহাককী মথুক্তদি,
কৈদৌনুংদসু থানিথোক্তুনা চেংখিবা ওমলরোই ।
" ওসিললী হৌনা এসী পুনসি সি,
মফম ইথং থংহৌদনা লৌহিদেদো।
সুংশা মপী কুইনা হৌরগা,
থবাক্কী মোনা পোক্লাংবদা তাংথোক্থবা,
মপুং থাদা থক লৈরবা তাইবংপান্থু
মরক মরক্তা পৌঠৌবা লিংলিংলক্কই "

ঐনা খনজখি ঐন্থু নংগুম্না মাংলবনি,
হৌজিক্তি গতি লৈত্রে করি তৌকনি,
হিংলি হায়বহ্ন মঙাইগে আশা অপুম্বা লোইখরে।
সংসার অসিদা মতম খরা লৈবা তারবদি,
য়ুম পানবা ওয়বা জীবা হিংনবা হোৎনবা তারবনি,
নহাকন্থু ঐবু নংগী মিৎমক্তা হেক,
উজবা ওম্বা ঈশ্বরমকনি হায়না খল্লবা,
খোগাক নাইদনা নংগী পুক্লিংদা চেৎনা,
খম্মোয়গী লাইয়ুমদা য়েক্তুনা খমলম্লবা,
অহ্ন ওইরবদি নংনা তৌরু তৌরবা খুদিংমক্তা,
শোয়দনা মঙ্গল ওইগনি থাজে।
অম্বম তৌনা খম্মোম্না শেংনা য়াম্না হুংশিনা,
হায়খিবহ্ন মানা পুক্লিং চংনা তাখি,
খবায় তানা, মোমোন মোমোন নোক্তনা,
য়াম্না লুনা খনখিবহ্ন ওরাংতা,
খোকখিবা খোদোককুম ওইনা উক্কই।

× × × × × ×

অপাম মুংশিগী খৌরিনা,
মতম কুইনা পুন্দুনা লাক্লবা,
তেল্লবা ঐগী পুনসিসে য়াম্না থনা,
সংসারদগী বীদায় লৌরগে খল্লকলে।
থাওমৈনা মমশিল্লক্লবা মতম,
আশানা লোইশিনক্লবা পুনসি,
মুমিৎনা তারমদাই চীয়া তময়া খৌরকপা,
দীহেবু থাদোক্তক্লা খবায়না চৎলমদাই,
বারবা, পুবা থাংবা ওক্তবা মতমদা,

হে: ইশ্বর. ভগবান নংতবু অরেপ্পা ওইনা.
নিংশিংজরকই পুঙমত্রবা থবায়না।
পুন্সি'সিমগী কায়নথ্রবী নংবু.
নিংশিংলুবদা থম্মোয় মৈশা লাংলকই.
'থক্তা চীংজাওনা ননবগুম্না ঋারকই।
অহিং তাংলৌ থেংলবা মতমদা.
হেন্না থোইনা চাকখংলক্রি মৈচাক.
ফনা হোৎনহুনস্থ কনবা ঙম্মরোই হন্দকমুক্তী মপোকসিদদি
তেথংক্লদনস্থ কান্নরোই ওইথোক্লরোইদৌবদা.
তোক্লগে থল্লরোই অমুক হন্না নংগী ঋাথল।
জগৎকী মনুংদা কল্লকল্লবা নেশা.
য়াম্না মরাং কায়না ফংই, লৈ.
হায়রিবা নেশা পুন্নমককী মনুংদা নংবু.
ঐনা হুংশিজরিবা 'সিমুক অকনবা.
অতোপ্পা নেশা অমত্তা জগৎ অসিগী মনুংদা লৈরমত্রে।
অমরোমদা থল্লুরগস্থ নহাক্তা.
মাংজবা ওইরমই. শিগ্রগদি শিগ্রে, লোইরে,
অস্থুক য়াম্না ফজগ্রবা, 'নিংথিজথব.
পাক চাওরবা সংসার অসি নহাক্লা.
চিংনদনা থাদোকথিবা নংতা থল্লি।
ফজথ্রবা চীং-মান পাকচাওরবা.
তুরেল. সমুত্রনচিংবা পুন্নমক'সি.
থাদোক্তুনা হন্ন য়েংলমদনা চৎথিবা.
ওথোক্লা নরাইবক থিগ্রে ছায়বা মাই।
থবিতিগী ফজথবা ইমাগী ভম্পাক্তা,
পুৎশেমনা নাওগি শাজহুনা:

ওয়াথৈ লৈতমা কুংশিংমা চায় থিরনা,
লৈমিংঙৌবগী থৈবলা করাম্বা মতিক পেল্লি।
মমাগী মতমপাইঙা মচানা শারঙবা মরোল্লি,
বিব প্রেমতমা শাথৈক ওইরগা,
নংগী [illegible] ময়াংদা থাশেনায় পেল্লা,
শাথিবা জগোই কয়াগী মতিক কঙবি,
মিং অসিনা থৈজবগী পেমবা মাঙথিদে।
হৌজিক্কি লোকনথবিনা কৈদৌরম্পা [illegible]
জগৎ [illegible] ভগবান ইবুংঙো [illegible],
পুম্নিং অমি লোসনা থম্মোয় [illegible],
চংজখিবনা পোইথবা লেংঙবা উপাররি।
ইবুংঙো—নং নত্রা কনা লৈরা,
জীবন্বু [illegible] পাপীশিংবু [illegible],
হে: ঈশ্বর ইবুংঙো নংগী থুয়াথাবা চংজক্কি
থমোয়নগী [illegible] চাখবা প্রেম অদুতগা লোয়ননা
পাপনা থল্লবা [illegible] [illegible],
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।
হৌজিক্কি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।
হে: ভগবান ইবুংঙো নং [illegible],
কনা লৈজরগনি [illegible]
পতি লৈজরবা [illegible] [illegible] [illegible],
পাক চাওরবা [illegible] [illegible]
ওয়াজগে [illegible] [illegible] [illegible] অসিনা।
থংজগে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible],
তেরবা [illegible] [illegible] [illegible],
কনা:না কনাদা হায়জরগনি

হায়জরুবসু থওইনা তাবিরোই ।
অরাবা তারবা মীবু মুংশিবা,
মিরেংনা য়েংখিনিংবা পৃথিবীদা,
মী মশক খরা তাংগনি ।
হৌজিক্কি নংমু চংখবনিন। ঐসু লাক্লগেকো,
ওাইহাক্তদি ওাইরমখো মফম'হুদা,
খজিক্কা ওাইরে মতমসে য়ৌরককদোরে,
লাক্লগদৌবনি ঐসু নোংমদি শোয়দনা,
উম্মরগনি নংগা ঐগা মফম অহুদা,
নংনা ঐবু থংবিরমত্রবদি থংত্রে ।
নোংমগী মুমিং অমদা মিচিক মিরাওখোল,
তারক্ত্রবা শুক্লা মমবা খেংলবা অহিংদা,
নিংঙমহৌত্রবা খরায়না লমজিংহুনা,
খোক্লকই তৌফম থংদনা নহাকী মোংফম তায়া ।
চিংনা চিংনা য়েংহুনা থম্মোয় মৈচাক,
পাক-চাওরবা তুরেনগী কল্লবা ঈচেলনা,
লৈরাইদা মৈশিনগী মাক্লবা মখোলগা,
ঐগী শেংলবা থম্মোয়দগী খোক্লকপা,
নিংঙমহৌদব'গুগী কল্লবা মৈচাক অমদি,
তেংথা নাওইবগী বারবা খোঙ্জেলগা,
অমত্তা ওইনা তিনখরে হাংলবা মালংদা,
বানা বংনা থাংহোই চাক্লা চাক। লেপহোই ।
লাক্লগে থৌরাংলমই শোয়দনা নহাককী নাক্তা,
মীরামলেন থাদেক্কেব্রা লাইরমলেম্পা উম্মরগা,
থম্মোয়গী অশেংবা থংবোক্লখিনি ।
শায়খিনি থম্মোয় পেনবা মীয়মলেম্পা খোকথিবা,

নংগা ঐগগী পুজির্মী কুশিরবা অরী।।
শংবামবা অতিয়াগা শমদা পাইক্লিবা,
মুনা ভৌরুনদা লৈচিন নোংকাই মরক্তা,
থবায় তানা নোকমিয়খিসি ঐ লাক্লগে।
পাক চাক্করবা মগান নাইদ্রবা সৈরজগৎকী মন্নুংদা,
য়েংউ য়েংক্লবা মফম খুদিংমক্তা উম্লিবা,
অজকপা চুজুমেন নীর থল্লবা মফম অক্লুদা,
লেনমিয়খিসিকে ঈশ্বরগী নাম শোয়দুনা,
নৌহোননা অমুক নিংশিংনসি কোইহৌত্রবা পুন্সিগী,
মচিং মথাক লেমহৌসা খোংচৎ কমগী মতা,
লৈদোক্লসি চিলা মপুং ফ নবা, লিলা য়াওকরগনিনা।
থম্মোয়বা মতম কুইনা ফুমদুনা থম্মফা,
আরোইবা ওয়া থবায় তানা লোয়জনিং খিবা,
যেমদোক্লসি মফম অক্লুদা অথাকপা লৈত্তনা,
লিনশি বাক্লী মপুং ফারবা শক্লোন বয়াগী
থোকখিনা নিংশিংবদা বারগা থৌদোক কম্নাদো।
চীং-মান চুরেল ফজরবা মৈকোল কপ্পা,
অবাংপা লৈত্তো সর্গ মক্তপা,
ইবুংঙো মাগী লেংদনা লৈযম নিং
মিংনা ফাওবা কেংবদা উত্রবা মফমনি।
অতিয়া অকোয়বগী মক্লদা শেংলবা তির্থ ভাক্তনা,
মরম চাকা হুক্ক্না থবীরমক্ত ইবুংঙো মাগী নাকো,
অত্রামনুংদা ফজরবা লৈতেকনা পাপ চেনবা মীনা,
অৌবা ওয়োকইদৌবা মমমা ভোত্তানবা লৈরিবহু,
পাপীশিংগী মতম পইন্য চেনবা জীবশিংগীনি।
লোইবা মাইকৈ নত্তে ফজবগী ফজবা তাক্লনি,

পুন্সিং হুমবগী মশক ওইনবা। দৃশ্য ওাক্তনি,
মতদা' কাওবা উগনি' থাজদবা মকমনি'।
অরোইবদা ইথুংতো মাগী মকমদা চংজবা,
নত্তনা অংতোম্বা উপায় অমা' লৈজত্রে।
হেঃ ভগবান থম্মোয় শেংনা চংজরি,
নং নত্তনা তোল্লবা ননাইগী কনাম্থ লৈজদে,
তোল্লবা মপোকনি, হয়া য়েংবদা কনা উত্তবা,
অংরাইবা য়াহিপ তানবা' নত্তনা অতোম্বা,
ওন'-তৈনবা অমা থিত্তুনম্থ ফংলরোই।
গতি লৈজদ্রবা মপোক্কি কনবিয়ু।
পাক চাওরবা বৈতরণী তুরেলবু,
ভমজগে লানজবা শোল্লবা পঙ্গল'সিনা,
থু'জগে লমথু'ফম অরোইবা পোল্লোইদা।
তেল্লবা মীওইবগী মপোক অসিদা,
কনানা কন'দা হায়জরুগনি,
হায়জকবম্থ থওইনা তাথিরক্রোই,
"অন্নাবা তাববা মীবু নুংশিবা মীয়েংনা,
হনমত্ত য়েংবিনিঙাই লৈররোই অরোইবদা,
অতাবা মীনবু থোইনা হেম্না পেম্নখিনি,
ফুদিত্তা মংজোং চোংলে, হায়নখিনি।
কাল্লে কদায়নো কাম্ব্রে কদায়নো,
হায়বত্থু ঐতোম্পা ফজনা থোক্রে,
য়েংবদা থম্মোয় পেম্না নুংঙাইরে।
অমুক হমন্ত থোক্লমোই, ভমথৈ নাইদবা তেংবান্দা,
মপু মাগী থংহশেম্মি, লাইবক্তা তম্মক্লবনি;
চেনবদা হিংলম্মোই, চেনখমম্থ লৈররোই,

মাইকৈ খ্দিং থিংখরে মতমগী শম্বলনা খাখরে।
থুনা চেনখরকপা খম্মোয়দগী খোল্লপা,
মফম খংদনা তাখিগদৌরে মুংশিগী ঈচেনসে,
পাল্লবা ঈপাক ময়াইদা চোইজাইননা তিনখ্রনি।
মহৌশাগী ঈতিনফমদা খোকখ্রিবা খ্দিংমক,
লোক্তাক ময়াম্নদা থুমহি থাদবগুম খোল্লনি,
খংবিনিঙাই লৈাহৌরোই উবিনিঙাই লৈরম্মোই"।
চাল্লবা খম্মোয়বু কনবিনিঙাই লৈরক্ত্রবা মতমদা,
নংতনা পাম্বে ওইহনবিয়্ হেঃ ঈশ্বর,
পংলবা মীওইবগী পুনসিদা পোল্লবা মপোক্কি,
মসিমু ইবুংঙো নংগী ফংঙব্রবা থৌজাম্নি।
মাংগদৌবা মতম লাল্লবদা অপংবগী পৌনা,
কাম্নগদৌবা মতমদনা অশিংবগী লৌশিং,
মপান নাইদে ইবুংঙো নংগী খ্শেম
মথক মথা চপ মান্নৈ-চাং মাম্নন,
অপং অশিং খাইবিরনদে অরোইবা য়াহিপ্পা।
ওইদননা অওইবা শাবা জগংকী শৃস্টি মমুংদা,
তাওহুনা লৈরি থবায়না অবা অনা পুহুনা,
চপ মান্নখিগনি নোংমদি পুনসিগী চেংজেল লোইরগা।
চারুনি মহে মানা মানা তৌজরকপা কর্ম্মগী,
লেম্না মাংলোই কৈদৌম্নংদমু তৌখিবা থবককী ফল,
তাগনি নিয়ম চুম্না কর্ম্মগুগী অরেপপা মহে।
খল্লকই তাঙ্গা'সিদা মানা তৌবনা মানা ফংবা,
এনা তৌবনা ঔনা কংজবা লেংত্রবা মপুগী পথাপ্তি,
ঐনা নহানমুককী নত্রগা হন্দকমুকী মপোক'সিদা
পাজল শোনবী কয়াগী মফমদা চাখিবা পাপকী,

মহৈ অতুনরা নংনা ঐবু অম্বুক থুনা থাদোক্কনা,
লমকাংলবা লম্বীদা নত্তোমতা তুমিন্না চৎখিবা ।
বীদাগী খমথেংনা য়াহুনা লৈপ্রবা পুংফমদা,
করিগী বারুনি ঐনা কনাগীদমক অরেম্বদা,
কপ্পরোই অমুক নংগীদমক মপোক'সিদা ।
মেরা থা মন্নুংগী নোংমগী অহিং অমদম্ম,
সংসারদগী অরোইবা বীদায় লৌরগে খন্দুনা,
চোকথরবা খোংনা লমজিংহুনা য়ৌরক্নমই,
পাক চাওপ্রবা তুরেল ঈশিংনা ঈমাই চোল্লবা মতম,
অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ, অথাক অরাও মরক্তা,
মীত্তুগী তন্তুনা তারকপা পীরাংগা লোয়নননা,
কনানম্ম উবিহৌদনা কনাবুম্ম নিংশিংলুদনা,
তুরেল অতুগী তোর্ব্বাম্দা থক্তা থোক্রিবা,
মকা লাম্নবা থাজবু যেংলত্তুনা,
অমুতাপা চাক্লবা থম্মোয়বু পুত্থুনা,
শাংলবা পুন্সিগী লম্বেলদা, শোল্লবা
লেপ্পা ফাওবা ঙমজপ্রবা দিহেনা,
চাংজো নাইবা তুরেলগী ইমাইবু শংত্রিক য়েংহুনা,
অরোইবা মতমগী পুংলোনবু ঙাইরি ।
থম্মোয়দা লৈহৌবা ফোংদোকহৌদবা মচিৎ মথাক ওইবা
কুইনা ক্নমত্তুনা থন্নবা পুক্লিংগী বা কয়া,
ফোংদোক্নমগে ঙসিদি চিক্লবা অহিংসিদা ।
"থাওৈমশংনা ঐনা নংবু থম্মোয় শেংনা মুংশিজবনি"
মসিমক্তা মৈরি থোক্তা চাক্লিবা মৈচাক্লি,
অরোইবা কায়নবগী পুংফম লাকপসিদা,
কনানা থিংলুবা ঙমদবনি বিথিনা য়েকপ্রবা ময়েক্লি,

মোৗইরে [illegible] নিং শিং [illegible] কায়রোই ?
পেংনারসি [illegible] মকম মকম খুসিংমক্তা.
[illegible] [illegible] লাইদে. [illegible] থংদে.
চংশিবা [illegible] [illegible] কমিরমা,
নৌহোঁরিবা ঐখোরবা লাইবক [illegible].
কনান্না চুমসিবরো লেম্মা ওমসে ।
চংশিবা নংশীদি রাংদ্রে. মংসারি অবা মনা.
চুবই, নৌহোরিবা ঐখোরণীদি সোইরা নাইদে.
পেংনবিবা চমরবা [illegible] ।
অমকু [illegible] পেংনরোইদোবা [illegible] টীংচুং কয়া,
চংনরোইদোবা [illegible] অমকু [illegible],
অকিরনী মশক ওইররা চীং [illegible] কয়া খুদোংচাখিত্রবা
ওইহাকনী মসুংবা [illegible] উখিত্রে
নিংশিংবফাওবা [illegible], [illegible] কাওখরে ।
কলবা য়োংখিরং অসি [illegible] [illegible].
শোল্লবা ঐনী পানল [illegible].
পুনশিনথ্রে [illegible] খুং পুরিবক চংবরী মহাক্না.
[illegible] [illegible] হাইরা খুবা অমত্তা [illegible].
চেনখোকশিরুরোমোই [illegible] চিংনবা পোরমাল্লে ।
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কাওনা,
মিং [illegible] [illegible] [illegible] পোক্লিবা.
মংপা নাইরবা [illegible] ।
[illegible] মৌরি [illegible] [illegible].
পাটাক্নী [illegible] [illegible] মৌরিবা [illegible] [illegible].
য়োকসি [illegible] [illegible] [illegible] ?
[illegible] [illegible] তৌরা [illegible] [illegible].

থলককনি পুক্লিংমা অচুম অয়াম, পাপ পুইনা,
সর্গ কাগে মিংলবদি পাপ কর্ম থাংগোকউ,
পাপী ওইবা জীবসা হৌবা তথদবা লমদমনি,
অচুম্বা কর্ম্ম তৌদুনা মৈগী খোঙাই তোংলগা,
য়োগনি কংগুমত্রবা শেংলবা তীর্থ মপাম্দো।
মহু থাওবা তেন্নবা মীওইবগী পুন্সিনা।
হায়। চংখিগনি কনাগী তাক্রমদনা.
শায়খিগনি থম্মোয় পেন। মীরমলেম্দা খোকখিবা,
নংগা ঐগগী পুন্সিমী লুংশিরবা বারী.
শংবায়বা আতিয়াগা শয়মা শটিরিবা।
মুনা শৌরনবা মৈচিন মোংকাই থরক্লগ,
থবায় তানা নোকমিন্নখিপি ঐ লাক্লগে ।
পাক চাওরবা মপাম্নাইরবা সৌরজগংকী মমুংদা।
লেংদনা য়েংউ য়েংউবা মকম থুন্সিংদা উরিবা,
অগুকপা চুজুংথেমা পীক থন্নবা মকম অহুম',
লেমমিন্নসিকো ঈশ্বরগী নাম শোন্দুনা.
মৌহৌশা অমুক মিংশিংনসি লোইহৌরবা পুন্সিগী,
মচিং মথাক লেমহৌবা খোংকন কয়াগী মতাং,
হৌদোক্লসি লিলা মপুং কামা লিলা যাওরবনিনা। ।
থম্মোয়দা মতম কুইনা কুমহুনা থাম্বা,
অয়োইবা ওইমা থবায় তানা হাপজনিংখিবা,
কোংদোক্লসি মকম অচুমা অথাকপা মৈতনা,
লিনসি বারী মপুং ফারবা শককম কয়াগী থৌদোকশিংহু
চাং মান ছুরেল লৈকোল কয়া অবাংপা মৈতে,
অতিয়া অকোইবগী মমুংদা লেংবা তীর্থ তাক্লনা,
মকম চানা হক্তেংনা থমীরমই ইবুংঙো মাগী নাক্তা,

অম্বরাপুরগী কজরবা লৈকোল পাপ চেল্লবা মীনা,
উবা ফংলরোইদবা মফমদা তোঙান্না লৈরিবছু,
পাপীশিংগী নত্তে, পৃইন্য চেনবা জীবশিংগীদী
লোইবা নাইররোই, কজবগী কজবা ঙাক্তনি।
পৃক্লিং হুনবগী মশক ওইরবা দৃশ্য ঙাক্লা,
মঙদা ফাওবা উগনি থাজদে হায়বা মাই।
নংদি হায়া চৎপ্রবনিনা উররিনিদে।,
ময়েক শেংলবা লাইরৈবাক্তী দৃশ্যশিংদো,
খল্লকলিনি ঐগা লোইনরম্ববদি হায়না,
অদুবু— চাম্ববী নংগী নফমদা লায়া চৎখিবা,
অকায়বা কয়ামরুমগী পাপকী মহৈ'তুনা,
কোকপীবা য়াররোইদোবা মফম কদাইদম্নু,
সর্গ, পাটাল অনিগুনা মৌরুরগা হায়জরুরবম্নু,
কোকপা ঙম্ররোই মপোক মপোক খুদিংদা।
অহিং হৌখিতুনা, নোংঙালকনি খনবদা মীপাইতুনম্নু,
মহৌশা লাইরেম্বীগী খুৎশেমনি হোংবা য়ারোইদো,
ঙাইহাক্নংগী মনুংদা অমুবা ফিজং হাইদোকখ্রে,
অঙানবগী শরুক্না মালেমপুম্বা ঙানখোক্লে,
কাঙী লানবাও শিল্লক্লে, উচেক বায়া নিল্লক্লে,
য়াহৌঙনবা জীবশিংনা মপুগী গুণ শক্লক্লে।
নোংঙাম্বে ঐদি কমদোবা খম্বরকই —
ঐগী অরোইবা মতমদা অমুক্নং উননিংবদো।,
তমখিত্রমাল্লে ঐগী ইন্নাইবক 'সিদা,
তমথীব্রবা নোংদম্বনা য়েক্তুনা থম্বীরম্মাল্লে।
চৎলু খোঙ নংনা চোকথত্রিবমথৈ,
থাংউ মশীং লাকঙমদনা য়োত্রিফাওবা,

থেংনগনি, লৈরম্মগনি মাদি ঐবু ঙাইহনা,
তাঙ্গা মেঙ্গা, মিৎকুপ নাহুম য়েংহনা।
হেঃ বিধি নোংদম্বা কনখ্রেদকো নংগী মরৈসে,
থাওবা ঙম্মোই কনাম্বু নংগী কল্লবা চক্রিসে,
পৃহনা চৎখিবা তাবনি অরোইবা পৃংকম ফাওবা।
নিংশিংলকই অমুক্তা—মরাল লৈজরবী,
সতী সীতাবুসু, চিল্লবা শা, কৈনা থল্লবা,
শুল্লবা উমংদা পাঙ্গল শোল্লবী,
অবাবতনা মশরুক শুইজরক্লবী পৃনসি চুপ্পদা,
চিল্লবা শা কৈনা থল্লবা শুল্লবা উমংদা.
অশাওনগা লোয়ননা থাদোকখি বন্দা,
করিসু নগুবদা কয়া কুইনা বাহনখি,
মসি পৃম্নমক হেঃ বিধি নংগী শক্তিনি।
কৈদৌবগে নহাকপৃ অমুক্তদি খৃম্নমউ,
ঐনা খোম্থাং য়ৈনা কৌরিবসে তাত্রবরা ?
ঊনা ঊনা চৎখি হম্মনক্তা য়েংলমদে,
করি ঙম্বা কৌবনো, কারেম্মরিবা হায়নহল্লা,
মহুগী লমন লেম্মা মাংলোই লাকনি,
মপুঙ ফানা মুল্লবা মতমদা থাজরোই।
নোংঙানবদগীনা মুমিৎচুপ্পা খন্দুনতা লৈরেদো,
কাম্নদবদা কংফাম্দা লোংহুপ তাম্লেদো,
পঙজরুবা ঐগী কংজকন খোকপা মনানি,
মীনা করিম্বু নোক্লরোই অপঙবনি থনখিনি।
য়াম্মা ফরে থম্মোয়দা চুরম্বা মৈচাকশিংদো,
মুৎপৃ মৃৎথবদি, ঐনা ঙমলেদনা,
মপোকসিমগী থম্নরোই, ঙম্নগনি থম্নক্লে,

করিবু মৈতৈবু থবক্তি থমদিবক্তদা। লোইরে।
ঐগী লাইবক্তদু অমম্বা মাবু করিগী।
[illegible] বাজদিং ওইরবোইরোইরা। [illegible]
থবকবু ওম্মনবিদ্ধুনা ঐগী শোক্তোয়া লাইবানি।
পুক্ক অরেবমিং অভিনি অরোইবদা।
ওইপতলীগী মিয়া অথাংবা মরমম্তি, শাক্তম অংসারদা।
তৌশিনবা লুগাংসিরবা চিংথুম্বা কদাইদগনা।
ঐনা মফম থভদমা রোইনবা চংশিনসিবো।
মমাংদা ঐবু ওকপা থমরে।
পুনশিংগী চাং [illegible] সেংদনবিদা
করিগী অসুক হকচাং তেংথানবিদা
তাবিনিগাইদা উবিনিগাইদা রাওনরবদা
করিবু কাম্ফিদদগী থরুহুনা
ওইরক্লোইবা মংলান। খোবনা খোঙনকনি।
কপ্লহুনা কান্দে লৌশিত্তা থমনা থিবনি
মালংদা তেম কাকপনি, অহাংবদা মাংখনি
কৈফৌগংদা খোঙরোমদা অসুক হুন। লাক্লরোই।
কুইরগা শোইদা থমোয় লাইমদা হৌবনি
মফত্তা লাইখুম পুরনকনি কনানা বাফিরোইদ
অরোইবা। নিবাদগী পুক্তকং সৌমরে
সংসার অশি দুংমম ময়থয়ে অমত্তা উজেং
লোইবা নাইদবা ঐগী জাহিদে সিহৌনবা
কমিডবা অমত্তা কৌংকোকপা নামহৌদনা
মশামশিংথরে [illegible] পুন্না।
ইমায় চোকপা পুকনিংগী কাবা ইথোনা
অমসুং অথগা [illegible]

ঐগী পুক্নিংদা চোংলিরা অংগমা লাইরবা
হুরিবা থবাগী মীরলগা অমম্বা ওইরক্লা
অওন্নিরলিপদোইরে শাংদবা লমগী মসম্বা।
ভাইরমখোনে নাবু কৈদৌইরগে ওনবা হাদাইহেখিত্রেদা।
লেপলাক্কা ওন্না ভুমলক্কু বা মক্কসিদা।
নখুৎনা কংনা ইরথ বিরম্নেরনা লেকোঝক্লা।
চারবী ঐগি নংগী নমন তোরিশিনা।
শিংবা ওমলবা নহাকী নাক্লা মৌরকপে।
থওশিন্দনা শাগদু ওইগোক্লোইদাবা মঙলানসিদা।
তেংবাঙগী কন্নাসিদা হুনা হেৎবিনিওইদা লৈত্রবা,
ঐগী থাংবম থওনকনা চরম্বা লেক্কা পুশিনদ
চৎথসনু ওক্লিদি মনা উরিক্লোইদনা।
চাক্লা খাওনবা থওইখিহৌবা ঐগী থুশিনি।
হৌরিক্লা থগুনকই অসি ওইরে তাইবংকে
তানগদৌবা লেৎথবা লশিং মহা ক্রুনি।
কাওথোকপুই শওকথবা মমকাংলবা থাখা।
উরক্লে হৌরিক্লা নংগা মফিদগী মিরক হৌরমদাইদা
তোন্নবা লৈরহৌরক্লিকি নাকাদা লপশি মশোক সিদা।
সিওমরে থাওমুবো মতম থাগী মহংক্লা
খোইথা লিনথা থাওকসি মরেক শেংনা ভাংনসি।
মতম অমদদি যৌবনগী ইনথৎলকপা।
থিংবা ভমত্রবা ঈহৌ কয়া মরুম হুনা।
অকনবা ইরৈ ইপোম মরক্তা লৈশিন্দনা।
তায়া চৎলুবদগী হল্লকপা লংকৈদগী থংলবা।
অতিথি অমা ওইনা নঙোন্দা চংজখি।
নংবু সুংশিজবনা মরম ওইদ্রুনা।

ওইদবনু অওইবা শাত্থনা চৎখিবা,
ঐগী ইশাঙ্গী মীনম্বগী লাংদা থ্‌ত্থনা,
হৌজিক ফাওবা থম্মোয়দা চাক্লিবা মৈচাক,
কৈদৌঙৈদসু মুৎথৎপা ওয়রোই।
অত্থবু লাক্লে মতম ঐগী অরোইবা পুংফম,
শাৎলসনু জগৎ শিনবা থ্‌ংনা,
থংলসনু জীব'পুম্বা তেংবানবদা লৈরিবা,
মুংশিবা অমনা মুংশিবা অমগীদমক,
কয়াদা থৌনা লৈথরবা তম্মজনিঙাইনি।
থেংলবা অহিং অত্থদা পাক্লবা তুরেলগী,
মপান নাইদনা লোইরোই লোইরোই,
ঙমথখিবা তুরেনগী তোর্ব্বান মথক্তা,
অঙানবা থাবলগী মুরবা অহিংত্থ'দা।
অমগী শকলোন লৌত্থনা হৌজিক্তা লেপ্লম্বদো,
কায়ন'মৈচাক পুত্থনা থানা লেপ্লম্বদো,
থঙহৌদনা উথিদ্রে চৎথমাল্লে মত্তোমতা,
পাকলবা সংসার অসি থাদোক্তুনা,
মত্থমক্তনা মাগী চাক্লবা থম্মোয়'ত্থ পেঙ্খি,
মত্থমক্তনা মাগী থম্মোয়সে চাক্লিবা মৈচাকত্থ মথ্‌ৎচখি।

:( ):—

লোইরবা।

[illegible]

“[illegible]”

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]